ইচেলদুগী ইরাওখোল




ꯏꯆꯦꯜꯗꯨꯒꯤ ꯏꯔꯥꯎꯈꯣꯜ

ঈচেলদুগী ঈরাওখোল


ꯗꯥ. ꯑꯥꯏ. ꯑꯦꯁ. ꯌꯨꯝꯅꯥꯝ

ডা. আই এস যুম্নাম



[illegible]

[illegible]



Icheldugi Iraokhol
A Collection of Manipuri Poems
Dr. I.S. Yumnam

First Published · 2007

Cover Designed **Ranbir Khoisnam, Nambol**
Price Rs 95 00

Published by
Sushma Yumnam
on behalf of NOHAKHOL Yurembam,
New Cachar Road, Manipur - 795001

Printed at: **Gateway**, Nambol

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ꯑꯍꯥꯟꯕꯒꯤ ꯋꯥꯍꯩ

ꯑ. ꯁ. ꯁꯃ. ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯃꯩꯇꯩꯂꯣꯟꯒꯤ ꯁꯂꯤ ꯅꯤꯡꯊ ꯁꯥꯔꯛ ꯇꯩꯇꯦꯃꯗ ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯈꯨꯟ ꯁꯂꯤ ꯁꯥꯒꯤꯗꯥꯡ ꯍꯥꯔꯦꯡꯁꯤꯟ ꯁꯦꯝꯕꯤꯔꯕ ꯁꯥꯔꯤ ꯫ ꯁꯥꯏꯕ ꯁꯂꯤꯗ ꯃꯩꯇꯩ ꯁꯥꯔꯤꯃ ꯁꯩꯅꯣꯡꯒꯤ ꯇꯦꯡꯕꯥꯡ ꯅꯇꯩ ꯑꯅꯇꯩ ꯫ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯃꯥꯡ ꯃꯇꯝꯕ - ꯑꯅꯥꯏꯕꯒꯤ ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯑꯍꯥꯟꯕꯗ ꯱꯹ ꯃꯔꯝ ꯃꯩꯇꯩꯂꯣꯟꯒꯤ ꯇꯦꯡꯕꯥꯡ ꯁꯂꯤꯅ ꯃꯔꯝꯗ ꯁꯂꯤꯗ ꯀꯣꯏꯁꯟꯕꯒꯤ ꯁꯦꯡꯒꯤ ꯁꯥꯏꯕ ꯀꯣꯏꯔꯕꯇꯥꯏꯅ ꯑꯣꯏꯗ ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯕꯁꯤꯡ ꯁꯥꯁꯤ ꯫ ꯃꯩꯇꯩꯂꯣꯟꯒꯤ ꯁꯂꯤ ꯑꯅꯤꯁꯤꯡꯅ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯀꯩꯅ ꯑꯔꯤꯕ ꯀꯣꯏꯁꯟꯕꯗ ꯑꯦꯡꯡꯇꯝꯒꯤꯅꯀꯣꯏꯔꯕ ꯁꯥꯏꯕ ꯃꯁꯥꯏ ꯅꯤꯡꯊꯃꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡꯁꯤꯡ ꯑꯔꯤꯕꯁꯨ ꯐꯕ ꯫ ꯑꯃꯁꯨꯡꯁꯤꯡ ꯅꯤꯡꯀꯅ ꯇꯧꯅꯕ ꯀꯣꯏꯁꯟꯕꯒꯤ ꯃꯨꯡ ꯑꯦꯡꯅꯗ ꯇꯧꯕꯤꯕ ꯁꯥꯏꯕꯗꯤꯡꯅ ꯐꯗꯤꯁ ꯫ ꯁꯥꯏꯕꯗꯤ ꯁꯅ ꯁꯥꯏꯕꯗꯤꯡꯅ ꯀꯔꯤꯁ ꯃꯔꯤ ꯐꯇꯁꯤꯡꯗꯤ ꯇꯥꯌꯕꯤꯁ ꯫ ꯃꯇꯝ ꯑꯔꯤꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡꯒꯤ ꯇꯥꯀꯟꯗ ꯇꯧꯕꯤꯕ ꯀꯣꯏꯁꯟꯕ ꯅꯤꯡꯊꯃꯤꯅꯥꯡ ꯑꯀꯤꯅꯕ ꯁꯥꯏꯕꯒꯤ ꯁꯥꯏꯕꯗ ꯃꯥꯡꯁ ꯃꯥꯡꯅꯤꯡꯊꯩ ꯫ ꯃꯩꯗꯤ ꯑꯅꯕ ꯀꯦꯇ ꯃꯥꯡꯁꯟꯃ ꯇꯧꯕꯤ ꯫ ꯀꯤꯁꯀ ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯤ ꯃꯗꯤꯇꯩ ꯫ ꯑꯃꯇꯒꯤ ꯀꯑꯁ ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯤꯡꯊꯩ ꯁꯥꯏꯕꯃꯗꯤꯡꯅ ꯫ ꯀꯁꯤ ꯁꯀꯅ ꯃꯗꯤꯇꯦꯗ ꯑꯁꯀꯩꯒꯤꯇꯤ : ꯑꯔꯅ ꯅꯤꯡꯊꯧꯁꯤꯡꯕ ꯑꯥ ꯁꯂꯤꯕ ꯫ ꯁꯂꯤꯕ ꯁꯥꯏꯗꯤ ꯁꯥꯏꯕꯃꯗꯤ ꯃꯥꯡꯁꯤꯕꯃ ꯫ ꯀꯁ ꯀꯤꯗꯤꯅ ꯃꯤꯇꯩꯗꯤ ꯁꯃꯇꯤꯕ ꯫ ꯁꯥꯏꯕꯗꯤꯅ ꯃꯑꯁꯨꯡꯒꯤ ꯃꯩꯇꯤꯗ ꯁꯃꯇꯩꯗꯤ (- ꯁꯃꯇꯩ)꯫

ꯃꯩꯇꯩꯂꯣꯟꯒꯤ ꯁꯂꯤ ꯅꯇꯩꯇꯥꯏꯕꯒꯤꯅꯀꯣꯏꯔꯕꯗꯤ꯫ ꯑꯅꯀ ꯅꯀꯗ ꯇꯩꯁꯥꯏꯕꯒꯤꯅꯀꯣꯏꯔꯕ ꯇꯩꯁ ꯫ ꯑꯃꯅꯁ ꯑꯇꯀ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯇꯥꯁ ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯑꯥ ꯁꯥꯏꯕꯗ ꯑꯣꯏꯕ ꯁꯂꯤꯗ ꯑꯦꯇꯕ ꯃꯥꯡꯅꯤꯡꯒꯤ ꯇꯩꯅꯅ ꯀꯅ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯑꯇꯩꯁꯁ ꯃꯥꯡꯀ ꯑꯁꯀꯔꯕ ꯀꯁꯗ ꯀꯅꯤꯃꯗ꯫

ꯄꯨꯗꯦ ꯃꯤꯃꯥ ꯇꯃꯁꯤꯡꯕ
ꯁꯃꯇꯩꯅꯤꯡꯁ
ꯑꯃꯅꯁ ꯑꯇꯀ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯇꯥꯁ
ꯏꯝꯐꯥꯜ

ꯄꯤꯕꯥꯁ-ꯇꯥꯀꯩꯗ

ꯀꯤꯕꯥꯁ-ꯆꯁꯦꯈ

ꯃꯅꯝ ꯌꯥꯏꯕꯤ ꯌꯦꯟꯕꯤ ꯁꯪꯕꯤ
ꯑꯕꯧꯌꯥꯏꯖꯤ ꯈꯦꯝꯁ ꯏꯃꯃꯕꯤ -

ꯑꯃꯪꯇꯨꯝꯕꯤ ꯀꯕꯩꯌꯥꯔꯥꯇ

ꯏꯆꯦꯜꯗꯨꯒꯤ ꯏꯔꯥꯎꯈꯣꯜ

ꯏꯔꯥꯎꯈꯣꯜ

ꯊꯕꯥꯟ-ꯊꯥꯁꯤ-ꯅꯣꯡꯖꯨ-ꯅꯣꯡꯂꯩ-ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ-ꯏꯇꯨꯂꯛꯇ -
ꯇꯥꯎꯊꯕꯛꯈꯤ ꯇꯨꯕꯦꯟ ꯇꯣꯕꯩ ꯇꯣꯊꯨꯄꯂꯛꯇ ...
ꯆꯠꯈꯤ ꯅꯣꯝ ꯅꯣꯝ - ꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯗꯅꯥ ꯗꯣꯂꯥꯏꯊꯛꯇ ...
ꯃꯤꯇꯥꯍꯧꯏ ꯃꯨꯅꯥ ꯃꯨꯅꯥ - ꯅꯥꯔꯛ ꯁꯤꯡꯂꯛꯇ ...
ꯇꯦꯡꯊꯥꯕꯛꯀꯏ ꯍꯤꯛ ꯍꯤꯛ - ꯎꯐꯨꯜ ꯋꯥꯏꯐꯨꯂꯛꯇ ...
ꯌꯣꯠꯁꯤꯅꯈꯤ ꯀꯨꯠ ꯀꯨꯠ - ꯑꯍꯤꯡꯒꯤ ꯈꯌꯥꯠꯂꯛꯇ ...
ꯀꯦꯅꯈꯤ ꯇꯨꯞ ꯇꯨꯞ - ꯏꯔꯥꯎꯈꯣꯂꯁꯨ ꯏꯕꯩꯂꯛꯇ ...
ꯇꯤꯅꯈꯤ ꯇꯨꯃꯤꯟ ꯇꯨꯃꯤꯟ - ꯏꯆꯦꯜꯗꯨꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇ ॥

꯱꯱/꯱꯰/꯲꯰꯰꯰

ঈরাওখোল

থবান - থাশি - নোংজু - নোংলৈ - নোংযাই - ঈতুলক্ত
তাউথবকখি তুবেন তোবৈ তোথুপলক্ত ...
চৎখি নোম নোম - নীংঙাইদনা দোলাইথক্ত ...
মীতাহৌই মুনা মুনা - নারক শিংলক্ত ...
তেংথাবকই হীক হীক - উফুল ৱাইফুলক্ত ...
যোৎশিনখি কুৎ কুৎ - অহিংগী খযাৎলক্ত ...
কেনখি তুপ তুপ ঈরাওখোলশু ঈবৈলক্ত ...
তীনখি তুমিন তুমিন - ঈচেলদুগী ঈপাক্ত ॥

১১।১০।২০০০

ꯃꯩꯇꯩ ꯆꯅꯨꯔꯥ ।

ꯅꯪꯇꯅꯤ ꯃꯩꯇꯩ ꯆꯅꯨꯑꯣ
ꯈꯣꯛꯀꯥꯏ ꯅꯨꯄꯤ ꯍꯥꯏꯕꯗꯣ,
ꯊꯥꯕꯕꯥ ꯂꯩꯌꯦꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ;
ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯄꯨꯡꯉꯣꯜꯒꯤ ꯈꯣꯏꯕꯤꯅꯤ
ꯂꯩꯃꯕꯛꯇꯦ ꯂꯩꯃꯕꯦꯟꯕꯤꯅꯤ ꯅꯪꯗꯤ ॥

ꯁꯤꯜꯂꯣꯡ-ꯁꯤꯜꯂꯥꯖꯒꯦ ꯍꯥꯏ ꯄꯨꯕꯛꯈꯤꯕꯥ -
ꯍꯨꯃꯥꯡꯃꯅꯒꯥ ꯃꯅꯇꯤꯛꯀꯕ ꯁꯦꯟꯖꯥꯅꯥ,
ꯄꯨꯛ ꯍꯥꯞꯂꯕꯥ ꯊꯔꯥꯏꯁꯤꯡꯒꯤ
ꯅꯣꯡꯈꯟꯅꯕꯥ ꯔꯥꯜꯂꯛꯈꯤꯕꯥ ꯆꯦꯡꯖꯥꯒꯥ,
ꯐꯃꯊꯛꯀꯤ ꯑꯥꯜꯂꯨꯆꯥꯕꯥꯁꯤꯡ ꯐꯣꯡꯂꯛꯀꯥꯏ ॥

মৈতৈ চনুরা !

নঙতনি মৈতৈ চনুও
খোকই নুপী হাযবদো,
থাববা লৈযেং অসিনা
মালেম পুংঙযোলগী খোইবীনি
লৈমবক্তে লৈমবেনবীনি নঙদি ।

শিল্লং-শিল্লাজগে হায পুবকখিবা -
হুমাংমনগা মনতিক্কব শেনজানা,
পুক হাপ্লবা থরাযশিংগী
নোংখন্নবা রাল্লকখিবা চেংজাগা,
ফমথক্কী আল্লুচাবাশিং ফোঙলকই ।

ꯍꯦ ꯃꯩꯇꯩ ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯑꯣ
ꯑꯋꯩꯕ ꯈꯨꯠ ꯊꯥꯗꯨꯅ,
ꯑꯉꯝꯕ ꯁꯛꯇꯤ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅ
ꯈꯣꯡꯒꯪꯂꯤ ꯀꯤꯔꯇꯅꯒꯤ ꯆꯥꯛꯂꯦꯟ,
ꯐꯨꯡ ꯀꯥꯡ ꯅꯣꯝꯗꯨꯅ ॥

ꯐꯨꯕꯤꯕꯗꯨꯅ - ꯈꯣꯉꯀꯂꯥꯏ ꯆꯨꯕꯕꯁꯤꯡ
ꯃꯅꯤ, ꯃꯅꯤꯆꯥꯟꯗ, ꯃꯅꯤꯀꯥꯟꯇ ...
ꯈꯥꯡꯗ ꯈꯥꯡꯆꯦꯠꯄ ꯂꯥꯛ
ꯑꯣꯏꯅ ꯈꯥꯕꯩꯕꯨ ꯄꯥꯏ
ꯐꯪꯂꯤ ꯀꯤꯔꯇꯅꯒꯤ ꯕꯥꯜꯚꯨꯛ ॥

ꯉꯥꯏꯕꯤ ꯅꯤꯗ꯭ꯔꯥꯕꯨ ꯁꯥꯟꯇꯤꯒꯤꯗꯃꯛ
ꯁꯣꯜꯂꯗꯨꯅ ꯁꯌꯇꯥꯟꯒꯤ ꯃꯤꯡꯂꯦꯟ,
ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯕꯥꯎꯈꯣꯛꯇꯁꯨ ꯍꯣꯠꯅꯕꯤ
ꯇꯥꯟꯅꯕ ꯃꯕꯥꯟꯃ ꯁꯤꯗꯨꯅ
ꯍꯤꯡꯂꯕꯁꯨ ꯁꯤꯕꯕ ꯃꯄꯨꯕꯣꯏꯕꯕꯨ ॥

হে মৈতৈ নীংথৌলও
অবৈবা খুৎ থাদুনা,
অঙম্বা শক্তী শীজিন্নদুনা
খোংগংলি কীর্তনগী চাক্লেন,
ফুং কাং নোমদুনা ।

ফুবিবদুনা - খোঙকলাই চুববশিং
মনি, মনিচান্দ, মনিকান্তা
খাংদা খাংচেৎপু লাক
ওইনা খাবৈবু পাই
ফংলি কীর্তনগী বালভুক ।

ঙাইবি নীদ্রাবু শান্তিগীদমক
শোল্লদুনা শয়তানগী মিংলেন,
মচাশিংগী মীবাওখোক্তসু হোৎনবি
তান্নবা মবান'মা শিদুনা
হীংলবসু শিববা মপুবোইববু ।

ꯃꯁꯪꯅꯨꯡꯒꯤ ꯃꯍꯩꯌꯣꯁꯣꯟ

ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯅꯣꯡꯃꯥꯏ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ
ꯔꯥꯕꯦꯝ ꯔꯥꯄꯥꯎ ꯄꯨꯗꯨꯅꯥ,
ꯌꯥꯎꯁꯤꯜꯂꯤ ꯔꯥꯄꯥꯡ ꯇꯦꯡꯕꯥꯡꯉꯜꯗꯨꯅꯥ
ꯁꯅꯈ꯭ꯌꯥꯈꯣꯌꯒꯤ ꯆꯥꯒꯤ ꯄꯨꯡꯐꯝ,
ꯇꯪꯍꯜꯂꯤ ꯍꯩꯕꯤ ꯃꯅꯥꯏ-ꯁꯤꯡꯖꯨ ꯃꯅꯤꯁꯤꯡꯗꯥ ॥

ꯅꯣꯡꯈꯣꯡꯂꯛꯀꯨ ꯍꯕꯤꯕꯨꯁꯨ ꯉꯃꯖꯅꯥ -
ꯏꯅꯣꯠꯂꯗꯨꯅꯥ ꯁꯅꯈ꯭ꯌꯥꯈꯣꯌꯒꯤ ꯌꯥꯏꯐꯦ 'ꯄꯣꯝꯃꯥ,
ꯍꯦꯀꯍꯜꯂꯤ ꯂꯥꯏꯊꯨꯡ-ꯊꯝꯕꯥꯜ-꯱꯰꯸ ꯑꯁꯥꯎ-ꯇꯦꯅꯖꯦꯅꯥ
ꯊꯤꯊꯕꯀꯏ ꯑꯔꯥꯝꯄꯥ ꯒ꯭ꯔꯍꯁꯅꯥꯝ,
ꯃꯩꯔꯥ ꯆꯨꯊꯠꯈꯤ ꯑꯚꯤꯚꯥꯕꯣꯀꯁꯤꯡ ॥

ꯀꯦꯖꯅꯤꯡꯉꯤ ꯑꯎꯕꯁꯤꯡꯗꯥ ꯃꯆꯨꯃꯇꯥꯅꯥ
ꯆꯜꯂꯤ ꯃꯤꯠꯆꯤꯇꯦꯝꯃꯥ ꯄꯥꯎꯈꯣꯡꯁꯤꯡ,
ꯑꯍꯤꯡꯒꯤ ꯊꯥꯕꯜꯂꯦꯅꯤ ꯈꯣꯏꯔꯥꯕꯁꯤꯡꯗꯥ
ꯂꯨꯆꯤꯡꯁꯀꯏ ꯔꯥꯌꯥꯃꯅꯥ ꯂꯩꯀꯥꯏꯗꯥ,
ꯁꯥꯖꯠꯅꯤ ꯀꯩꯁꯥꯂꯒꯤ ꯃꯆꯥ 'ꯔꯥꯗꯥ ॥

নুংথিল নোংমাই খুদিংগী
রাবেম রাপাও পুদুনা,
যাওশিল্লি রাপাং তেংবাঙলদুনা
সনখ্যাখোযগী চাগী পুংফম,
তংহল্লি হৈবী মনাই-শিংজু মনিশিংদা ।

নোংখোংলক্ত হবীবুসু ঙমজনা -
ঈনোৎলদুনা সনখ্যাখোযগী যাইফে 'পোম্মা,
হেকহল্লি লাইথুং-থম্বাল-১০৮ অশাও-তেনজৈনা
থীথবকই অরাৎপা গ্রহসনাম,
মৈরা চুখৎখি অভিভাবোকশিং ।

কেজনীংঙি অউবশিংদা মচুমতানা
চল্লি মীৎচিতেম্মা পাউখোংশিং,
অহিংগী থাবল্লেনি খোইরাবশিংদা
লুচিংশকই রাযামনা লৈকাইদা,
শাজৎনি কৈশালগী মচা 'রাদা ।

ꯀꯁꯪꯕꯨꯒꯤ ꯀꯍꯣꯌꯣꯟ

ꯑꯃꯝꯕꯥ ꯇꯥꯡꯕꯟꯊꯛꯀꯤ ꯃꯍꯥꯕꯥꯅꯤꯑꯣ
ꯐꯦꯠ। ꯃꯤꯠꯆꯤꯗꯨꯏ ꯃꯩꯉꯥꯜꯂꯛꯀꯥ,
ꯄꯨꯟꯅꯪ ꯂꯪꯏ ꯑꯇꯤꯡꯉꯥꯁꯤꯡ;
ꯅꯣꯛ ꯈꯦꯕꯩ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯂꯛꯀꯥ
ꯇꯝꯅꯕꯤꯕꯤ ꯈꯣꯏ ꯗꯧ ꯅꯤꯛꯂꯁꯨ ॥

ꯁꯥꯕꯁ। ꯃꯩꯇꯩ ꯆꯅꯨꯑꯣ -
ꯅꯉꯇꯅꯤ ꯅꯦꯄꯣꯂꯤꯌꯟꯅꯥ ꯊꯤꯕꯜꯂꯤꯕꯥ,
ꯅꯉꯇꯅꯤ ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯁꯇꯤ;
ꯅꯉꯇꯅꯤ ꯍꯥꯏꯉꯝꯃꯤ 'ꯅꯨꯄꯤ'
ꯊꯥꯔꯕꯥ ꯇꯨꯖꯣꯟꯅ ꯂꯩꯌꯦꯡꯁꯤꯅꯥ ॥

꯱꯷/꯰꯴॥꯰꯱

অমম্বা তাংবনথক্কী মহাবানীও -
ফেৎ। মীৎচিদুই মৈঙাল্লক্কা,
পুন্নং লংই অতিংঙাশিং;
নোক খেবৈ খোনজেল্লক্কা
তম্নবীবি খোয় দৌ নিক্লসু।

শাবস। মৈতৈ চনুও -
নঙতনি - নেপোলীয়ন্না থিবল্লিবা,
নঙতনি - কলিগী সতি;
নঙতনি - হায়ঙম্মী 'নুপী'
থারবা তুজোন্ন লৈযেংসিনা।

১৭।০৪।০১

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

মৌ

মাঙ্গোল মাংশোক কাবতুং
বাবোই পোৎনা ইল্লতুং,
হৈজিং খরাই পুবতুং,
পুন্সি লৈপুন শেম্লতুং,
লম্লেন লম্মৌদা লাক্ল-মৌ
মৌ-মৌ মৈত্রবাক্কী মৌ ।

ফনেক খোইদোম শেৎলিবীও
মাংশোক ফমেন কাল্লবী,
বাকগৈ হীবু তোংগনবী
বাবমচৎ পরেং থাংলবী,
বাইব চীনখুম চীনফেম্নগনবী
পথাং পুথাং পাবল্লবী,
পুক্লীং তযাং তশোইনগনবী
শিল্লম শিম্বা শিম্নাইদ্রবী,

ꯍꯤꯔꯨ ꯍꯤꯅꯥꯎ ꯍꯦꯗꯣ-ꯍꯦꯔꯥꯎꯅꯒꯅꯕꯤ
ꯍꯥꯛꯂꯥ ꯂꯤꯡꯖꯦꯜ ꯈꯥꯔꯕꯤ,
ꯌꯨꯝꯍꯣꯡ ꯇꯣꯏꯅꯥ ꯌꯨꯝꯈꯥꯏꯅꯒꯅꯕꯤ
ꯌꯣꯡꯂꯩ ꯃꯩꯂꯩ ꯅꯥꯏꯔꯕꯤ,
ꯌꯦꯠꯅꯈꯥ ꯂꯨꯈꯥ ꯀꯣꯏꯒꯅꯕꯤ
ꯌꯦꯛꯂꯥ ꯇꯔꯨꯛꯂꯥ ꯂꯩꯇꯦꯡꯂꯤꯕꯤ,
ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯀꯤꯁꯤ ꯅꯥꯏꯌꯨꯝꯒꯅꯕꯤ
ꯂꯣꯟꯖꯥ ꯂꯣꯟ ꯊꯨꯞ ꯇꯊꯨꯞꯂꯕꯤ,
ꯅꯝꯊꯦꯛ ꯍꯥꯊꯦꯛ ꯇꯣꯏꯒꯅꯕꯤ
ꯏꯁꯧ ꯄꯣꯔꯣꯛ ꯏꯐꯨꯠꯀꯨꯞꯄꯤ,
ꯖꯥꯗꯨꯏ ꯇꯥꯝꯕꯥꯗꯥ ꯚꯩꯔꯤꯕꯤꯒꯨꯝꯕꯤ
ꯃꯧꯅꯤ ꯃꯩꯇꯔꯕꯥꯛꯀꯤ ꯃꯧꯔ-ꯃꯧ ॥

ꯀꯋꯥꯛ । ꯀꯋꯥꯛ । ꯀꯋꯥꯛ -
ꯀꯔꯤ ꯂꯝꯃꯧꯒꯤ ꯀꯋꯥꯛꯀꯣ,
ꯑꯃꯨꯕꯦ ꯃꯨꯔꯥꯎꯅꯕꯤ ꯀꯋꯥꯛꯀꯤ
ꯀꯔꯤ ꯀꯔꯤ ꯄꯥꯏꯔꯀꯏ,

হীরু হীনাও হেদো-হেরাওনগনবী
হাক্লা লিংজেল খারবী,
যুমহোং তোইনা যুমখাইনগনবী
যোংলৈ মৈল্লৈ নাইরবী,
যেৎনখা লুখা কোইগনবী
যেক্লা তরুক্লা লৈতেংলিবী,
থম্মোযদা কীশি নাইয়ুমগনবী
লোনজা লোন থুপ তথুপ্লবী,
নমথেক হাথেক তোইগনবী
ঈশৌ পোরোক ইফুৎকুপ্পী,
জাদুই তাম্বাদা ভৈরীবীগুম্বী,
মৌনি মৈত্রবাকী মৌর-মৌ ।

ক্বাক ! ক্বাক ! ক্বাক -
করি লম্মৌগী ক্বাক্কো,
অমুবে মুরাউনবী ক্বাক্কি
করি করি পাইরকই,

ꯁꯔꯨ ꯁꯌꯥꯡ ꯂꯣꯢꯅꯕꯀꯢ
ꯀꯕꯤꯅꯣ ꯅꯉꯅꯥ ꯄꯨꯕꯛꯂꯤꯕꯥ,
ꯁꯥꯕꯥꯑꯣ ꯂꯥꯟꯕꯥꯑꯣ ꯅꯨꯡꯕꯥꯑꯣ
ꯀꯕꯤ ꯀꯕꯤꯗꯩ ꯄꯨꯕꯛꯂꯤꯕꯥ,
ꯅꯣꯕꯣꯛꯀꯤ ꯃꯩ ꯃꯍꯤꯗꯦꯅꯤ
ꯀꯀꯥꯛ-ꯀꯀꯥꯛ ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯀꯀꯥꯛ ॥

ꯐꯅꯦꯛ ꯈꯣꯢ ꯗꯣꯝ ꯁꯦꯡꯂꯤꯕꯤꯑꯣ
ꯄꯥꯃꯦꯟ ꯎꯋꯥꯡ ꯎꯀꯣꯟꯅꯕꯤ,
ꯊꯝꯕꯥꯜꯒꯨꯝ ꯊꯝꯃꯣꯢ ꯊꯣꯡꯂꯕꯤ
ꯍꯕꯤ ꯎꯊꯥꯟ ꯀꯥꯡꯖꯤꯡꯕꯤ,
ꯈꯣꯢꯃꯣꯝ ꯌꯣꯢꯍꯦ ꯌꯣꯢꯕꯨꯔꯦꯟꯕꯤ
ꯅꯥꯎꯌꯣꯛ ꯅꯥꯎꯀꯣꯟ ꯅꯤꯡꯊꯤꯕꯤ,
ꯊꯛ ꯈꯥ ꯁꯨꯡꯗꯥꯢꯅꯕꯤ
ꯁꯟꯙꯌꯥ 'ꯕꯥꯇꯤꯒꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯇꯅꯥ ꯅꯤꯜꯍꯟꯕꯤ,
ꯁꯥꯁꯛꯔꯦ ꯂꯝꯕꯤ ꯇꯨꯡꯢꯟꯅꯕꯤ

শরু শযাং লোইনবকই
কবিনো নঙনা পুবক্লিবা,
শাবাও লানবাও নুংবাও
কবি কবিদৈ পুবক্লিবা,
নোবোক্কী মৈ মহীদেনি
ক্কাক ক্কাক কলিগী ক্কাক

ফনেক খোই দোম শেংলিবীও -
পামেন উৱাঙ উকোন্নবী,
থম্বালগুম থম্মোয় থোংলবী
হ্বি উথান কাংজীংবী,
খোইমোম য়োইহে য়োইবুরেনবী
নাউযোক নাউকোন নীঙথিবী,
থক খা শুংদাইনবী
সন্ধ্যা 'বাতিগী খোঞ্জেলতনা নীলহনবী,
শাশক্রে লম্বী তুংইন্নবী

ꯄꯂꯦꯝꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯂꯥꯡꯂꯤꯕꯤ,
ꯆꯤꯛꯀꯣꯟ ꯅꯥꯎꯀꯣꯟ ꯐꯖꯕꯤ
ꯂꯩꯇꯦꯡꯒꯤ ꯃꯄꯥꯜ ꯇꯥꯡꯂꯨꯗ꯭ꯔꯕꯤ,
ꯐꯖꯕꯥ ꯈꯤꯕꯤꯛꯀꯥ ꯁꯩꯗꯥꯡꯖꯕꯤ
ꯁꯉꯒꯥꯏ ꯏꯆꯦꯂꯨꯒꯨꯝ ꯆꯦꯍꯟꯖꯕꯤ,
ꯁꯥꯖꯤꯒꯤ ꯁꯥꯌꯥꯏ ꯁꯩꯔꯥꯡꯕꯤ
ꯀꯣꯔꯧ ꯊꯥꯖꯅꯥ ꯉꯥꯟꯖꯕꯤ,
ꯁꯥꯒꯦꯒꯤ ꯃꯩꯔꯥꯒꯨꯝ ꯇꯣꯝꯊꯤꯟꯅꯕꯤ
ꯌꯦꯛꯂꯕꯗꯥ ꯀꯩꯒꯨꯝ ꯁꯥꯍꯤꯡꯆꯥꯕꯤ,
ꯗꯨꯔ꯭ꯒꯥꯒꯨꯝ ꯃꯤꯀꯣꯛ ꯄꯔꯦꯡꯅꯕꯤ
ꯑꯐ-ꯐꯠꯇꯦ ꯁꯨꯡꯗꯥꯏꯂꯥꯟ ꯂꯦꯞꯂꯤꯕꯤ,
ꯔꯥꯈꯜ ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯈꯨꯕꯥꯝꯅꯕꯤ
ꯃꯧꯅꯤ ꯃꯩꯇ꯭ꯔꯕꯥꯛꯀꯤ ꯃꯀꯇ꯭ꯔ-ꯃꯧ ॥

পলেমগী শক্তম লাংলিবী,
চীক্কোন নাওকোন ফজবী
লৈতেংগী মপাল তাংলুদ্রবী,
ফজবা খিবীক্কা শৈদাংজবী
শঙ্গাই ঈচেলুগুম চেহ্নজবী,
শাজীগী ছায়াই শৈরাংবী
কোরৌ থাজনা ঙানজবী,
শাগেগী মৈরাগুম তোমথিন্নবী
যেক্লবদা কৈগুম শাহিংচাবী,
দুর্গাগুম মীকোক পরেংনবী
অফ-ফত্তে শুংদাইলান লেপ্লিবী,
রাখল থম্মোয় খুবাম্নবী
মৌনি মৈত্রবাক্কী মকত্র-মৌ।

ꯀ꯭ꯔꯦꯛ- ꯀꯦ ... ꯃꯣ ꯃꯣ ...
ꯌꯥꯉꯦꯟ ꯁꯉ꯭ꯈꯥ ꯁ꯭ꯌꯥꯑꯣ-ꯁ꯭ꯌꯥꯑꯣ,
ꯌꯦꯡꯈꯣꯡ ꯆꯨꯝꯗꯦ ꯆꯥꯁꯤꯜꯂꯣ
ꯂꯥꯏꯑꯣꯏꯕ ꯌꯦꯟꯅꯤ ꯆꯥꯐꯗꯦ,
ꯁꯥꯈꯣꯡ ꯐꯠꯇꯦ ꯆꯥꯁꯤꯜꯂꯣ
ꯂꯥꯏꯒꯤ ꯁꯥꯅꯤ ꯆꯥꯐꯗꯦ,
ꯇꯨꯕꯤ ꯌꯥꯏꯕꯤ ꯁꯦꯟꯕꯤꯑꯣ
ꯀ꯭ꯔꯦꯛ-ꯀꯦ-ꯀꯦ ... ꯃꯣ ꯃꯣ

꯲꯸/꯰꯶/꯰꯳

ক্রেক কে .. মো মো .
যাঙেন শঙ্খা শ্যাও-শ্যাও,
যেংখোং চুমদে চাশিল্লো
লাইওইব যেন্নি চাফদে,
শাখোং ফত্তে চাশিল্লো
লাইগী শানি চাফদে
তুবী যাইবী শেনবীও
ক্রেক কে-কে ... মো-মো .

২৮/০৬/০৩

ꯂꯥꯡꯕꯟ ꯇꯔꯄꯅꯒꯤ

ꯃꯄꯨ ꯃꯥꯒꯤꯗꯤ ꯄꯨꯖꯥꯔꯤꯑꯣ -
ꯇꯥꯕꯃꯗꯥꯏ ꯅꯨꯃꯤꯠꯀꯤ ꯃꯁꯦꯛꯇꯥ,
ꯀꯥꯏꯅꯕꯃꯗꯥꯏ ꯄꯤꯔꯥꯡꯒꯥ ꯄꯤꯕꯣꯏꯅꯅꯥ
ꯆꯤꯡꯌꯥ ꯇꯃꯌꯥ ꯁꯤꯟꯊꯨꯡꯅꯥ,
ꯉꯉꯅꯕꯥ ꯀꯣꯔꯤꯟ' ꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯗꯥ
ꯅꯣꯡꯖꯥꯕꯤ ꯃꯄꯩ ꯃꯄꯩꯅꯥ,
ꯃꯨꯅꯥ ꯃꯨꯅꯥ ꯃꯤꯇꯥꯔꯛꯂꯦ
ꯏꯃꯥꯏ ꯆꯣꯜꯂꯕꯥ ꯏꯌꯥꯏꯊꯛꯇꯥ,
ꯊꯝꯕꯥꯜꯒꯨꯝ ꯂꯩꯁꯥꯠ ꯇꯝꯕꯤ
ꯐꯖꯕꯥ ꯅꯤꯡꯊꯤꯕꯅꯥ ꯇꯥꯡꯖꯐꯝ,
ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯩ ꯁꯨꯔꯒꯤ ꯏꯅꯣꯠꯀꯥ
ꯏꯊꯛ ꯏꯄꯣꯝ ꯏꯍꯧꯗꯨꯅꯥ,
ꯇꯥꯡꯊꯛꯂꯅꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯔꯝꯕꯤ
ꯍꯦ ꯃꯦꯅꯀꯥ ꯅꯉꯅꯥ,
ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯁꯚꯌꯇꯥꯒꯤ ꯈꯨꯕꯥꯝꯅꯨꯡꯗꯥ

লাংবন তর্পনগী

মপু মাগীদি পুজারীও -
তাবমদাই নুমীৎকী মশেক্তা,
কাইনবমদাই পিরাংগা পিবোইননা
চীংযা তময়া শিনথুংনা,
ঙঙনবা কোরীন' শিল্লক্লদা
নোংজাবী মপৈ মপৈনা,
মুনা মুনা মীতারক্লে -
ঈমাই চোল্লবা ঈযাইথক্তা,
থম্বালগুম লৈশাৎ তম্বী
ফজবা নীংথিবনা তাঙজফম,
নুংশিবৈ শুরগী ঈনোৎকা
ঈথক ঈপোম ঈহৌদুনা,
তাংথক্লনা জগোই শারম্বী
হে মেনকা নঙনা,
অনৌবা সভ্যতাগী খুবামনুংদা

ꯌꯣꯠꯈꯕꯗꯥ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯈꯌꯥꯠꯅꯨꯡꯗꯥ,
ꯃꯍꯥ ꯃꯌꯥ ꯃꯕꯤꯆꯤꯀꯥꯒꯤ
ꯁꯛꯇꯝ ꯂꯧꯕꯗꯨꯅꯥ ꯉꯁꯤꯗꯤ,
ꯐꯕ ꯍꯧꯔꯛꯀꯗꯔꯥ ꯅꯪꯒꯤ
ꯏ ꯇꯩꯔꯕ ꯈꯨꯠꯁꯥꯁꯤꯡꯗꯨꯅꯥ,
ꯄꯪꯊꯗꯨꯅꯥ ꯁꯤꯊꯔꯛꯀꯕ ꯑꯍꯤꯡꯕꯁꯤꯡ
ꯇꯥꯡ ꯇꯥꯡꯗꯥ ꯇꯠꯂꯗꯨꯅꯥ,
ꯃꯌꯥꯒꯤ ꯂꯥꯡꯗꯒꯤ ꯂꯥꯍꯣꯛꯎꯃꯗ꯭ꯔꯕ
ꯑꯣꯟꯕ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪꯎ,
ꯉꯔꯥꯡꯇꯥ ꯍꯤ-ꯍꯤ ꯅꯣꯛꯀꯗꯨꯅꯥ
ꯉꯁꯤꯅꯥ ꯐꯤ-ꯐꯤ ꯀꯥꯕ꯭ꯔꯦ,
ꯍꯌꯦꯡꯅꯥ ꯍꯤꯛ-ꯍꯤꯛ ꯇꯦꯡꯊꯥꯔꯗꯨꯅꯥ
ꯂꯝꯕꯤꯁꯤꯗꯥ ꯊꯦꯛꯀ ꯈꯣꯏꯅꯗꯨꯝ,
ꯕꯥꯔꯇꯣꯟ ꯂꯧꯕ ꯂꯥꯛꯂꯒꯅꯤꯅꯦ
ꯂꯥꯛꯂꯤꯕ ꯁꯥꯡꯕꯟ ꯇꯔꯄꯟꯒꯤ ॥

꯱꯷।꯱꯰।꯰꯳

যোৎখবদা মতমগী খয়াৎনুংদা,
মাহা মাযা মবিচীকাগী
শক্তম লৌবদুনা ঙসিদী,
ফাবা হৌরক্কদ্রা নঙগী
ঈ তৈরবা খুৎশাশিংদুনা,
পংথদুনা শিথরক্কবা অহীংবশিং
তাং তাংদা তৎলদুনা,
মাযাগী লাংদগী লাহোকওমদ্রবা
অওনবা কযাগী তাইবঙও,
ঙরাংতা হী-হী নোক্কদুনা
ঙসিনা ফি-ফি কাব্রে,
হয়েংনা হীক-হীক তেংথারদুনা
লম্বীসিদা থেক্ক খোইনদুম,
বার্তোন লৌবা লাক্লগনিনে
লাক্লিবা শাংবন তর্পনগী ।

১৭।১০।০৩

ꯅꯨꯡꯊꯪ

ꯑꯉꯀꯄꯥ ꯁꯛꯇꯤꯅꯤ ꯈꯉꯉꯝꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ
ꯈꯨꯠꯍꯩꯕ ꯀꯅꯥꯒꯤ ꯈꯨꯠꯂꯥꯏꯅꯤ ꯁꯤꯟꯅꯥꯏꯗ꯭ꯔꯕꯥ,
ꯀꯜꯂꯕꯥ ꯙꯥꯇꯨꯅꯥ ꯅꯉꯒꯤ ꯅꯃꯥꯡꯗꯥ
ꯍꯧꯔꯕꯥ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯂꯥ ꯅꯉꯒꯤ ꯅꯇꯨꯡꯗꯥ,
ꯈꯨꯗꯨꯞ ꯊꯥꯏ ꯆꯨꯞꯄꯤꯅꯥ ꯆꯨꯝꯕꯔꯣꯝꯗꯥ ॥

ꯊꯧꯕ ꯅꯌꯥꯅꯥ ꯈꯨꯌꯥ ꯊꯝꯕꯥꯜꯗꯥ
ꯇꯨꯝꯟ ꯅꯆꯤꯅꯥ ꯂꯋꯥꯏ ꯂꯨꯇꯣꯟꯗꯥ,
ꯆꯥꯃꯣꯔꯒꯨꯝꯟ ꯅꯃꯩꯅꯥ ꯈ꯭ꯋꯥꯡꯒꯤ ꯈ꯭ꯋꯥꯡꯊꯛꯇꯥ
ꯅꯉꯒꯤ ꯁꯤꯡꯍꯥꯁꯟꯅꯥ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯩꯔꯤꯊꯛꯇꯥ,
ꯅꯉꯇꯒꯤ ꯁꯤꯍꯥꯅꯥ ꯊꯧꯒꯥꯏꯕꯨ ꯏꯅꯕꯅꯤ ॥

ꯁꯩꯇ꯭ꯌ-ꯌꯨꯛꯇꯥ ꯅꯉꯁꯦ - ꯍꯩꯇꯨꯞꯄꯤ ꯑꯗꯥꯃꯒꯤ
ꯇ꯭ꯔꯦꯇ꯭ꯔꯥꯗꯅꯥ ꯊꯧꯔꯕꯥ ꯆꯛꯔꯅꯤ ꯕꯤꯁ꯭ꯅꯨꯒꯤ,
ꯗꯨꯋꯥꯄꯨꯔꯗꯅꯥ ꯃꯤꯠꯁꯨꯝꯟ ꯃꯨꯔꯂꯤꯅꯤ ꯀ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯅꯒꯤ,
ꯀꯂꯤꯗꯗꯤ ꯁꯥꯏꯑꯣꯜꯂꯔꯤꯕꯥ ꯁꯛꯇꯤꯁꯦꯟꯗꯨꯅꯤ ꯔꯥꯕꯣꯅꯒꯤ,
ꯌꯨꯒꯁꯤꯡꯗꯁꯨ ꯅꯉꯁꯦ ꯑꯕꯇꯥꯔꯗꯨꯅꯤ ꯄꯥꯝꯅꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ॥

নুঙথং

অঙকপা শক্তীনি খঙঙমদ্রবা তাইবঙদা -
খুৎহৈব কনাগী খুৎলাইনি শিন্নাইদ্রবা,
কল্লবা ধাতুনা নঙগী নমাংদা
হৌরবা খোনজেল্লা নঙগী নতুংদা,
খুদুপ থাই চুপ্পীনা চুম্বরোমদা।

থৌব নযানা খুয়া থম্বালদা
তুম্ন নচীনা লৱাই লুতোন্দা,
চামোরগুম্ন নমৈনা খ্বাংগী খ্বাংথক্তা
নঙগী সিংহাসন্না চাক্লিবা মৈরীথক্তা,
নঙতগী শিহানা থৌগাইবু ইনবনি।

শৈত্য-যুক্তা নঙসে - হৈতুপ্পি অদামগী -
ত্রেত্রাদনা থৌরবা চক্রনি বিষ্ণুগী,
দুৱাপুরদনা মীৎসুম্ন মুর্লিনি কৃষ্ণগী
কলিদদী শাইওল্লরিবা শক্তিশেন্দুনি রাবোনগী,
যুগশিংদশু নঙসে অবতারদুনি পাম্নীশিংগী।

ꯃꯤꯍꯥꯠꯄꯥ ꯀꯅꯥꯒꯤ ꯃꯐꯝꯗꯅꯥ ꯃꯤꯊꯤꯟꯆꯩꯅꯤ
ꯍꯨꯕꯥꯟꯕ ꯀꯅꯥꯗꯅ ꯁꯥꯖꯩꯗꯨꯅꯤ ꯇꯞꯇꯥꯒꯤ,
ꯌꯦꯛꯂꯕ ꯀꯅꯥꯒꯤ ꯃꯐꯝꯗꯅ ꯍꯨ-ꯇꯩꯔ-ꯇꯦꯟꯖꯩꯅꯤ,
ꯃꯔꯨꯞꯅꯣꯢꯒꯤꯅꯥ ꯌꯨꯕꯤ ꯈꯨꯖꯥꯢ ꯌꯥꯢꯑꯣꯢꯕꯅꯤ,
ꯁꯤꯟꯍꯩꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯒꯥꯢꯗꯗꯤ ꯂꯩꯁꯦꯝꯕ ꯃꯄꯨꯅꯤ ॥

ꯁꯛꯇꯤꯗꯨꯅꯅꯤ ꯐꯪꯍꯜꯂꯤꯕ ꯃꯆꯥꯑꯣꯢꯅꯥ ꯀꯔꯅꯕꯨ -
ꯁꯛꯇꯤꯗꯨꯅꯅꯤ ꯍꯥꯠꯍꯜꯂꯤꯕ ꯑꯔꯖꯨꯟꯅꯥ ꯖꯌꯗ꯭ꯔꯊꯕꯨ,
ꯁꯛꯇꯤꯗꯨꯅꯤ ꯄꯣꯛꯍꯜꯂꯤꯕ ꯅꯨꯄꯤꯑꯣꯢꯅꯥ ꯃꯟꯗꯣꯗꯣꯔꯤꯕꯨ,
ꯅꯪꯒꯤ ꯁꯛꯇꯤꯗꯅꯥ ꯃꯃꯍꯜꯂꯤ ꯑꯉꯥꯟꯕꯕꯨ,
ꯅꯪꯒꯤ ꯁꯛꯇꯤꯗꯅꯥ ꯉꯥꯜꯍꯜꯂꯤ ꯑꯃꯝꯕꯕꯨ ॥

মীহাৎপা কনাগী মফমদনা মীথিনচৈনি -
হুবানবা কনাদনা শাজৈদুনি তপ্তাগী,
যেক্লবা কনাগী মফমদনা হু-তৈর-তেনজৈনি,
মরুপ্নোইগীনা যুবী খুজাই যাইওইবনি,
শিনহৈরশিংগী মগাইদদি লৈশেম্বা মপুনি ।

শক্তিদুননি ফংহল্লিবা মচাওইনা কর্নবু -
শক্তিদুননি হাৎহল্লিবা অর্জুন্না জয়দ্রথবু,
শক্তিদুনি পোকহল্লিবা নুপীওইনা মন্দোদোরিবু
নঙগী শক্তিতনা মমহল্লি অঙানববু,
নঙগী শক্তিতনা ঙালহল্লি অমম্ববু।

ꯀꯕꯤꯒꯤꯗꯤ ꯂꯣꯠꯂꯝꯂꯤꯕꯥ- ꯁꯨꯡꯗꯥꯏꯅꯤꯄꯥꯜꯂꯣꯡꯕꯥꯍꯨꯏꯌꯥ -
ꯅꯤꯡꯊꯤ ꯇꯨꯕꯦꯟꯒꯤ ꯏꯕꯣꯟꯅꯨꯡꯗꯥ ꯕꯖꯔꯕꯥꯁꯤꯅꯥ,
ꯀꯕꯤꯒꯤ ꯊꯝꯕꯤꯕꯝꯂꯤ ꯄꯊꯥꯡ ꯄꯨꯊꯥꯡꯅꯅꯥ
ꯏꯕꯣꯟꯅꯨꯡꯒꯤ ꯃꯈꯨꯝ ꯄꯥꯟꯗꯔ ꯄꯥꯇꯔꯅꯨꯡꯗꯥ,
ꯇꯥꯛꯂꯤꯕꯔꯥ ꯅꯉꯁꯦ ꯃꯨꯛꯇꯥ-ꯄꯣꯍꯥꯝꯅꯤ ꯀꯣꯝꯔꯦꯡꯅꯨꯡꯒꯤ ?

ꯈꯉꯉꯃꯜꯂꯨꯗꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯆꯤꯟꯗꯝꯂꯨꯕ ꯅꯉꯒꯤ ꯍꯩꯇꯨꯄꯁꯦ -
ꯂꯩꯈꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯄꯨꯁꯤꯜꯂꯤ ꯔꯥꯈꯜ-ꯏꯕꯩꯕꯨ ꯆꯛꯔꯗꯨꯅꯥ,
ꯁꯥꯒꯠꯂꯀꯏ ꯖꯒꯣꯏ ꯇꯥꯕꯨꯅꯨꯡ-ꯇꯥꯡꯉꯩꯒꯨꯝ ꯃꯨꯔꯂꯤꯁꯨꯕꯗꯨꯗꯥ,
ꯁꯛꯇꯤꯁꯦꯟꯗꯨꯅꯥ ꯌꯥꯇꯥꯍꯜꯂꯤ ꯅꯣꯡꯗꯃꯈꯣꯂꯒꯤ ꯁꯩꯖꯥꯠꯇꯥ,
ꯄꯥꯞ-ꯗꯣꯁꯤꯕꯨ ꯆꯨꯈꯠꯂꯀꯏ ꯃꯩꯕꯤ ꯑꯕꯇꯥꯕꯒꯨꯝꯅꯥ ॥

ꯁ꯲꯵।꯰꯷।꯰꯳

কবিগীদি লোৎলম্লিবা - শুংদাই-নিপাল-লোংবা-হুইযা -
নিংথী তুবেনগী ঈবোন্নুংদা বজ্রবাশিনা,
কবিগী থম্বীবম্লি পথাং পুথাংননা
ঈবোন্নুংগী মখুম পান্দ্র পাত্রনুংদা,
তাক্লিব্রা নঙসে মুক্তা-পোহাম্নি কোম্রেংনুংগী ?

খঙঙমল্লুদ্রশিংনা চীন্দম্লুব নঙগী হৈতুপসে -
লৈখাইদুনা পুশিল্লি রাখল-ঈবৈবু চক্রদুনা,
শাগৎলকই জগোই তাবুনুং-তাংঙৈগুম মুর্লিশুবদুদা
শক্তিশেন্দুনা যাতাহল্লি নোংদমখোলগী শৈজাৎক্তা,
পাপ-দোশিবু চুখৎলকই মৈবি অবতাবগুম্না ।

২৫।০৭।০৩

ꯆꯛꯔꯤ

ꯄꯤꯛꯀ ꯄꯤꯛꯀ ꯃꯀꯨꯁꯤꯡꯗꯩ
ꯇꯞꯅꯥ ꯊꯤꯟꯗꯣꯕꯀꯏ ꯂꯨꯅꯧꯁꯤꯡ,
ꯍꯨꯃꯥꯏꯒꯤ ꯈꯨꯊꯦꯛ ꯇꯝꯂꯀꯏ
ꯃꯥꯂꯪꯒꯤ ꯇꯥꯝꯕꯥ ꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ,
ꯃꯄꯨꯒꯤ ꯁꯤꯜꯂꯝ ꯁꯤꯝꯕꯥꯕꯗꯨꯅꯥ
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯃꯥꯒꯤ ꯐꯝꯕꯥꯛꯊꯛꯇꯨ ॥

ꯈꯕꯅꯥ ꯁꯛꯇꯝ ꯂꯥꯡꯂꯀꯏ
ꯎꯖꯥꯎ ꯎꯕꯦꯜ ꯑꯊꯣꯏꯕꯥ,
ꯊꯥꯀꯟ ꯈꯜꯂꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥꯂꯩꯃꯥ
ꯄꯜꯂꯣꯜꯂꯤ ꯃꯥꯂꯪ ꯁꯥꯍꯨꯃꯅꯨ,
ꯈꯣꯝꯂꯥꯡꯕꯨꯁꯨ ꯅꯥꯎꯌꯣꯛꯄꯤ ꯑꯍꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯕꯨ
ꯑꯁꯥꯡ ꯐꯤꯖꯣꯝꯅꯍꯜꯂꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝꯕꯨꯁꯨ ॥

চক্রি

পীক্ক পীক্ক মকুশিংদৈ -
তপ্না থিন্দোবকই লুনৌশিং,
হুমাইগী খুথেক তম্লকই
মালংগী তাম্বা তুংইন্না,
মপুগী শিল্লম শিম্বাবদুনা
তাইবঙ মাগী ফম্বাকথক্তু ।

খবনা শক্তম লাংলকই -
উজাও উবেল অথোইবা,
থাকন খল্লি নুংশালৈমা
পল্লোল্লি মালঙ শাহুমণু,
খোম্লাংবুশু নাউযোকপী অহীংবশিংবু
অশাং ফিজোম্নহল্লি মালেম্বুশু ।

ꯊꯔꯥꯏ ꯃꯤꯕꯦꯟꯅꯥ ꯄꯤꯈꯝꯂꯕꯗꯥ
ꯒꯣꯕꯤꯟꯗꯦ ꯅꯤꯔꯄꯟ ꯇꯧꯕꯀꯢ,
ꯑꯍꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯕꯨ ꯅꯥꯎꯌꯣꯝꯂꯨꯡꯗꯥ ꯌꯣꯝꯁꯤꯟꯕꯤ
ꯕ꯭ꯔꯝꯍꯥꯃꯛꯀꯤ ꯃꯁꯛ ꯊꯣꯕꯀꯍꯜꯂꯤ,
ꯆꯥꯛꯊꯦꯡꯝꯃꯤ ꯃꯜꯂꯥ ꯐꯤꯖꯣꯜꯁꯨ
ꯃꯥꯡꯂꯃꯆꯠꯀꯤ ꯃꯄꯣꯛꯀꯤ ꯐꯣꯜꯅꯥ ॥

ꯈꯔꯅꯥ ꯀꯥꯡꯈꯨꯟꯗꯥ ꯃꯨꯠꯈꯤ -
ꯌꯩꯔꯕꯕꯗꯥ ꯃꯄꯥꯝꯕꯣꯡꯒꯤ ꯁꯥꯐꯨꯅꯥ,
ꯄꯣꯛꯂꯅꯕꯥ ꯀꯣꯇꯤꯒꯤ ꯃꯄꯣꯛꯁꯤꯡ
ꯈꯔꯅꯥ ꯃꯌꯣꯜꯆꯨꯞꯄꯤꯅꯥ ꯆꯨꯞꯊꯣꯛꯈꯤ,
ꯈꯔꯁꯨ ꯃꯎꯆꯥꯕꯤꯅꯥ ꯆꯥꯊꯣꯛꯈꯤ
ꯈꯔꯗꯤ ꯎꯕꯥꯏꯁꯤꯕ ꯌꯨꯡꯂꯤ ॥

থরায় মীবেন্না পীখম্লবদা
গোবীন্দে নীর্পন তৌবকই,
অহীংবশিংবু নাউযোম্লুংদা যোমশিনবী
ব্রমহামক্কী মশক থোবকহল্লি,
চাকথেঙম্মী মল্লা ফীজোলশু
মাংলমচৎকী মপোক্কী ফোলনা।

খরনা কাংখুন্দা মুৎখি -
য়ৈরববদা মপাম্বোংগী শাফুনা,
পোক্লনবা কোতিগী মপোকশিং
খরনা মযোলচুপ্পীনা চুপথোকখি,
খরশু মউচাবীনা চাথোকখি
খরদি উবাইশিব য়ুংলি।

ꯇꯥꯛ ꯇꯨꯝꯅꯗꯨꯅꯥ ꯀꯦꯝꯂꯛꯄꯗꯥ
ꯃꯤꯊꯤꯟ ꯆꯩꯅꯤ ꯃꯤꯍꯥꯠꯄꯨꯡꯗꯥ,
ꯃꯩꯀꯥꯝ ꯁꯤꯡꯅꯤ ꯂꯝꯃꯩꯒꯤ
ꯁꯥꯗꯣꯡꯐꯝꯅꯤ ꯁꯕꯣꯏ ꯉꯥꯕꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ,
ꯂꯃꯟꯅꯤ ꯃꯥꯡꯂꯝꯆꯠꯀꯤ ꯃꯄꯣꯛꯀꯤ
ꯄꯣꯛꯉꯃꯗꯅꯥ ꯄꯣꯛꯀꯄꯥ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗꯥ ॥

ꯃꯔ꯭ꯇꯂꯣꯛꯀꯤ ꯊꯔꯥꯌ ꯃꯤꯕꯦꯜꯁꯤꯡ
ꯉꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩ ꯄꯤꯇ꯭ꯔꯤꯂꯣꯛꯇꯥ,
ꯊꯨꯡꯂꯕꯗ ꯁꯥꯅꯥꯊꯛꯇ ꯄꯤꯇ꯭ꯔꯤꯂꯣꯛꯀꯤ
ꯂꯤꯠꯊꯕꯀꯏ ꯑꯕꯜ ꯑꯀꯨꯡꯗꯥ,
ꯃꯔ꯭ꯇꯂꯣꯛꯀꯤ ꯆꯥꯟꯅꯕꯕꯥ ꯃꯤꯊꯨꯡꯂꯦꯟꯁꯪꯁꯤꯡꯗꯥ
ꯆꯄꯈꯥꯏꯍꯜꯂꯤ ꯆꯦꯡꯀꯣꯛꯀꯤ ꯆꯛꯔꯤꯗꯥ ॥

꯰꯱।꯱꯸।꯰꯳

তাক তুম্নদুনা কেম্লকবদা
মীথিন চৈনি মীহাৎপুংদা,
মৈকাম শিংনি লম্মৈগী
শাদোংফম্নি শবোই ঙাবোইশিংনা,
লমন্নি মাংলমচৎকী মপোক্কী
পোকঙমদনা পোক্কবা তাইবঙদা।

মর্ত্তলোক্কী থরায মীবেলশিং
ঙাইদুনা লৈ পিতৃলোক্তা,
থুংলবদা ছানাথক্ত পিতৃ লোক্কী
লীৎথবকই অবল অকুংদা,
মর্ত্তলোক্কী চান্নববা মীথুংলেনশংশিংদা
চপখাইহল্লি চেংকোক্কী চক্রিদা।

০১।১৮।০৩

ꯒꯣꯄꯤ

ꯃꯣꯡꯇꯥꯏꯅꯕꯕꯥ ꯀꯣꯛꯈꯨꯝꯅꯥ ꯀꯣꯛꯊꯛꯇꯥ
ꯆꯣꯏꯖꯥꯏꯅꯕꯕꯥ ꯅꯥꯆꯣꯝꯅꯥ ꯅꯥꯞꯄꯗꯥ,
ꯆꯕꯜꯂꯕꯥ ꯃꯥꯂꯥꯅꯥ ꯈꯨꯖꯦꯡꯗꯥ
ꯆꯤꯟꯗꯅꯥ ꯍꯕꯦ ꯀ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯅ꯫

ꯑꯇꯥꯎꯕꯥ ꯁꯗꯨꯝꯂꯛꯇ ꯌꯥꯎꯝꯅꯕꯤꯕꯤꯎ
ꯆꯥꯝꯁꯇꯨꯅꯥ ꯀꯥꯡ ꯀꯥꯡ ,
ꯃꯣꯙꯨꯕ ꯒꯤꯂꯥꯁꯀꯤ ꯀꯥꯡꯁꯤꯗꯥ
ꯇꯤꯡ-ꯇꯤꯡ ꯃꯤꯍꯨꯟꯅꯥ ꯒꯣꯄꯁꯤꯡꯗꯥ꯫

ꯒꯡꯒꯥ ꯒꯥꯏꯇ꯭ꯔꯤꯗꯒꯤ ꯍꯜꯂꯀꯏ
ꯆꯣꯡ ꯆꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯀꯛꯆꯦꯡꯊꯛꯇ,
ꯈꯤꯜꯂ ꯈꯤꯜꯂꯗꯨꯅꯥ ꯒꯡꯒꯥꯖꯜ
ꯇꯨꯁꯤꯜꯂꯤ ꯈꯨꯗꯤꯕꯗꯨꯅꯥ ꯍꯨꯏꯊꯤꯅꯥꯎꯗꯥ꯫

গোপী

মোংতাইনববা কোকখুম্না কোকথক্তা
চোইজাইনববা নাচোম্না নাপ্পদা,
চবল্লবা মালানা খুজেংদা
চীন্দনা হবে কৃষ্ণ।

অতাওবা শদুম্লক্ত যাওম্নবিবীও -
চামশতুনা কাঙ কাঙ ...
মোধুব গীলাসকী কাঙশিদা
তীঙ-তীঙ মীহুন্না গোপশিংদা।

গঙ্গা গাইত্রিদগী হল্লকই -
চোং চোংদুনা ককচেংথক্ত,
খিল্ল খিল্লদুনা গঙ্গাজল
তুশিল্লি খুদিবদুনা হুইথিনাওদা।

[illegible] -
[illegible],
[illegible]
[illegible] ।

[illegible] -
[illegible],
[illegible]
[illegible] ।

[illegible]
[illegible],
[illegible]
[illegible] ।

[illegible]
[illegible],
[illegible]
[illegible] ।

ইন্নফি ফী'জিন যেপথৎলি
মখুৎ'নিনা থাঙ্গৎলি শাপ্পদো,
দাং থাজিল্লি পিশুমথক্ক
নাহোকহৌরে দাকুগাই দাকফমদৈ।

সন্ধ্যাগী কাংসি খোঞ্জেল্লক
অমম্বা নেশাগী মযাইদুনা,
লৈনা শাগৎলকই ৱাখলসু
পুক্নিং মাগী ফৈরাথক্তু।

কৈদনো দুৱাপুরগী ফুংঙোও -
শিন্থবকই গুমভিরগী পিরাং,
খাংঙমদনা চেম্হোরকই গোপশিং
ঈরোইনহল্লি তোরৈলক্কী কাওশিংগুম।

মাংজিন থাই সোভাযাত্রা -
মীবক খাই চৈশুনা,
খেকথবকই মীৎশুম্ন হরিনাম

ꯃꯥꯏꯊꯦꯛ ꯁꯣꯔꯣꯡ ꯀꯣꯡ-ꯔꯣꯡꯁꯤꯡ -
ꯇꯦꯃꯣꯡꯅ ꯈꯪꯋ ꯁꯥꯕꯅꯇꯪ,
ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯆꯈꯤꯜ ꯂꯥꯏꯃꯣꯏꯉꯥꯜ
ꯂꯩ ꯁꯈꯦ ꯍꯧꯇꯧꯍꯔꯣꯡ ।

ꯁꯣꯏꯍ ꯇꯦꯅꯇꯧ ꯁꯋꯥꯁꯦꯂꯋꯥ -
ꯏꯇꯦ ꯂꯣꯏꯋꯥꯇꯪ ꯀꯤꯡꯁꯈꯧꯆ,
ꯁꯃꯇꯥ ꯅꯋꯇꯥꯔꯋꯥꯇꯪ ꯂꯃꯇꯥ-ꯆꯂꯔꯥꯏꯋ
ꯈꯨꯄ ꯅꯃꯔꯋꯥꯪ ꯂꯔꯨ-ꯀꯨꯈꯀꯋꯂꯃ ।

ꯂꯥꯅꯇꯈ ꯂꯥꯏꯕ ꯂꯥꯅꯇꯣꯆꯆ -
ꯁꯦꯆꯔꯋꯥꯇꯪ ꯋꯥꯅꯅ ꯁꯥꯁꯣꯕꯂꯨ,
ꯏꯣꯀꯅꯇꯥ ꯄꯇꯥꯒꯤ ꯒꯣꯁꯥ
ꯈꯥꯆꯧꯁꯆ ꯈꯨꯔꯧ ꯈꯨꯋꯥꯁꯥ ।

꯰꯶।꯰꯵।꯰꯳

মনফা হাবে হবেক মনা
লাইবেল নতুং ঙাইহল্লে,
যে ৎকী নহথাং শি দা ক্লুনা
মনা তমফা খাওজা ওঙ

পংথৈ লাল্লবা পুকচাওথক্ত
ফেজা শাবক্লে দেহেপুম্বনা,
নিঙলি থাংলীবক্লে শিংলী-লাউবীফাও
মতুং হাযবক্লে শরু হুমদাংশিং।

শিল্লম শিল্লা শিল্লংননা
তান্নবক্লে থল্লায় পীতংঙাশু,
ফংহল্লি কলিগী গোপী
মীনম্বতনা মুবাবৈ মুর্ত্তি।

০৬।০৮।০৩

ꯅꯨꯄꯤ

ꯁꯃꯨꯗ꯭ꯔꯒꯤ ꯅꯃꯣꯡꯉꯣꯏ ꯆꯤꯡꯖꯨꯝ ꯂꯥꯏꯖꯎ
ꯒꯡꯒꯥ ꯅꯥꯒꯤ ꯏꯐꯨꯡꯅꯤ ꯏꯍꯧꯐꯃꯒꯤ,
ꯏꯆꯦꯜꯗꯨꯅꯥ ꯄꯂꯦꯃꯒꯤꯗꯤ ꯅꯡꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯑꯃꯔꯤꯇꯅꯤ ।

ꯅꯣꯡꯅꯝꯈꯣꯂꯒꯤ ꯅꯣꯡꯗꯨꯝ ꯅꯋꯦ ꯂꯥꯏꯖꯎ -
ꯂꯥꯏꯎꯟꯅꯤ ꯁꯛꯂꯣꯟ ꯄꯨꯕꯤ ꯂꯩꯆꯤꯂꯒꯤ,
ꯏꯁꯤꯡꯅꯤ 'ꯅꯨꯄꯤ' ꯀꯣꯡꯀꯨꯎꯥ ꯇꯨꯡꯕ ॥

ꯄꯟꯊꯩꯗꯨꯅꯨ ꯂꯥꯝꯂꯛꯂꯒꯅꯥ ꯏꯄꯥꯛ ꯇꯝꯔꯤꯕꯤꯎ -
ꯁꯡꯖꯤꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯆꯨꯗꯨꯅꯥ ꯀꯨꯆꯨꯅꯤ ꯅꯡꯒꯤ,
ꯍꯥꯞꯂꯤꯕꯥ ꯄꯥꯠꯔꯗꯨꯅꯥ ꯁꯀꯑꯣꯡꯅꯤ ꯅꯡꯇꯒꯤ ॥

ꯂꯨꯕ ꯃꯍꯥꯁꯥꯒꯔꯅꯥ ꯅꯡꯒꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯅꯤ -
ꯍꯨꯝꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯥꯂꯡꯕꯅꯥ ꯅꯡꯒꯤ ꯔꯥꯈꯂꯅꯤ,
ꯐꯥꯏꯕꯦꯂꯒꯤ ꯂꯩꯆꯤꯂꯅꯥ ꯅꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯅꯤ ॥

নুপী

সমুদ্রগী নমোঙ্গোই চীংজুম লাইজও
গঙ্গা নাগী ঈফুংনি ঈহৌফমগী,
ঈচেলদুনা পলেমগীদি নংথর্ক্লিব অমৃতনি ।

নোংনমখোলগী নোংদুম নওে লাইজও -
লাইওন্নি শক্লোন পুবী লৈচিলগী,
ঈশিংনি 'নুপী' কোংকুওা তুংবা ।

পনথৈদুনু লাম্লক্লগনা ঈপাক তম্রিবীও -
শংজিল্লিবা মচুদুনা কুচুনি নঙগী,
হাপ্লিবা পাত্রদুনা শকওংনি নঙতগী ।

লুব মহাসাগরনা নঙগী পুক্লিংনি -
হুম্লক্লিবা মালংবনা নঙগী রাখলনি,
ফাইবেলগী লৈচিলনা নঙগী থম্মোযনি ।

ꯏꯍꯧꯐꯝꯗꯦ ꯇꯝꯅ ꯅꯥꯊꯦꯕꯀꯄꯥ ꯃꯅꯤꯜꯂꯅ
ꯍꯥꯡꯂ ꯃꯥꯂꯪ ꯏꯊꯛ ꯏꯄꯣꯝꯂꯛꯇꯨ,
ꯖꯒꯣꯏ ꯇꯜꯂꯤ ꯅꯣꯡꯖꯥꯕꯤ ꯃꯄꯥꯏꯕꯛꯇꯨ ॥

ꯏꯍꯤꯡ ꯊꯀꯏ ꯍꯤꯡꯆꯥꯕꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤ
ꯆꯨꯍꯤꯡ ꯊꯀꯏ ꯄꯪꯀꯣꯡꯀꯤ ꯅꯨꯄꯤ,
ꯏꯍꯤꯡ ꯆꯨꯍꯤꯡ ꯈꯦꯟꯅꯗꯦ ꯅꯨꯄꯤꯗꯥ ॥

ꯄꯣꯝꯁꯥꯡꯅꯕꯤꯕꯤ ꯎꯊꯪꯕꯥꯂꯁꯨ ꯅꯪꯕꯨ ꯏꯀꯥꯏꯖꯦ
ꯅꯪꯒꯤ ꯈꯖꯥꯏꯇꯅꯥ ꯇꯛꯄꯗꯥ ꯀꯤꯍꯟꯕꯗꯨꯅꯥ,
ꯂꯣꯡꯁꯤꯜꯂꯤ ꯅꯊꯥꯅꯨꯡ ꯇꯣꯕꯕꯥꯅꯤꯊꯛꯀꯤ ꯎꯖꯥꯎ ॥

ꯀꯣꯏꯄꯥꯏ ꯄꯥꯏꯕꯤ ꯍꯟꯅꯥꯏꯖꯍꯥꯖ ꯖꯍꯥꯖꯃꯀꯁꯨ
ꯆꯪꯅꯤꯡꯕꯇꯥ ꯆꯪꯍꯜꯂꯤ ꯂꯦꯞꯅꯤꯡꯕꯒꯥ ꯂꯦꯞꯍꯜꯂꯤ,
ꯄꯥꯏꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯣꯡꯂ ꯈꯨꯕꯥꯝꯃꯨꯡꯗꯥ ꯏꯁꯇꯥꯔꯤꯡ ॥

ঈহৌফমদে তম্না নাথেবকপা মনিল্লনা
হাংল মালং ঈথক ঈপোমলক্তু,
জগোই তল্লি নোংজাবী মপৈবক্তু

ঈহীং থকই হীংচাবগী নুপী
চুহীং থকই পংকোংকী নুপী,
ঈহীং চুহীং খেন্নদে নুপীদা।

পোমশাংনবীবী উথঙ্বালশু নঙবু ইকাইজে
নঙগী খজাইতনা তকপদা কীহ্নবদুনা,
লোংশিল্লি নথানুং তোববানিথক্কী উজাও

কোইপাই পাইবি হন্নাইজহাজ জহাজমকশু
চংনিংবতা চংহল্লি লেপনিংবগা লেপহল্লি,
পাইশিন্দুনা থোংল খুবামুংদা ঈশতারিং

ꯍꯦ ꯐꯨꯡꯒꯥꯏꯅ ꯁꯥꯡꯂꯤꯕ ꯑꯟꯗ꯭ꯔꯒꯨꯂꯥꯄꯑꯣ -
ꯆꯝꯄꯛꯀ꯭ꯔꯥ ꯂꯩꯒꯥꯏꯕꯗꯤ ꯅꯪꯒꯤ ꯇꯤꯡꯊꯪꯅ,
ꯂꯩꯁꯤꯡꯗꯨ ꯎꯠꯇꯝꯕ ꯇꯤꯡꯊꯪꯕꯨꯗꯤ ꯇ꯭ꯔꯤꯚꯨꯕꯟ ꯈꯩꯃꯨꯁꯦ ॥

ꯅꯪꯇꯅ ꯐꯪꯍꯜꯂꯤ ꯑꯕꯥꯟ-ꯈꯨꯡꯉꯝ ꯃꯍꯤꯕꯥꯕꯣꯟꯒꯨꯝꯕꯕꯨ -
ꯅꯪꯇꯅ ꯆꯦꯡꯉꯩꯅꯍꯜꯂꯤ ꯕꯣꯝ ꯁꯪꯕꯒꯨꯝꯕꯕꯨ,
ꯅꯪꯇꯅ ꯍꯥꯡꯇꯣꯛꯍꯜꯂꯤ ꯀꯧꯔꯄ ꯄꯥꯟꯗꯄꯀꯨꯝꯕꯕꯨ ॥

ꯄꯜꯂꯥꯊꯛꯀꯤ ꯂꯩꯕꯥꯡꯑꯣ ꯃꯤꯇꯥꯟꯐꯝꯃꯤ ꯈꯣꯏꯕꯥꯕꯁꯤꯡꯒꯤ
ꯁꯦꯝꯂꯥꯏꯡꯛꯀꯤ ꯂꯩꯇꯦꯡꯑꯣ ꯒꯣꯕꯤꯟꯗ ꯂꯩꯃꯟꯅꯤ,
ꯎꯐꯨꯜꯂꯛꯀꯤ ꯁꯪꯉꯦꯜꯑꯣ ꯈꯨꯗꯤꯟꯐꯝꯃꯤ ꯈꯣꯡꯁꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ॥

ꯅꯪꯇꯅ ꯁꯤꯖꯕꯗꯨꯅ ꯆꯥꯍꯩꯗ꯭ꯔ ꯍꯩꯠꯇꯨꯞ -
ꯑꯣꯏꯅꯈꯤꯕꯅꯤ ꯑꯗꯥꯝꯕꯨ ꯃꯄꯥ ꯃꯄꯨ,
ꯄꯥꯏꯈꯦꯕꯛꯂꯤꯕ ꯃꯍꯤꯛ ꯃꯇꯥꯡ ꯇꯥꯏꯕꯪꯗ ॥

হে ফুংগাইনা শাংলিবা অন্দ্রগুলাপও -
চম্পক্করা লৈগাইবদি নঙগী তিঙথংনা,
লৈশীংদু উত্তম্বা তিঙথংবুদি ত্রিভুবন-খেইমুসে।

নঙতনা ফংহল্লি অবান খুঙম মহীবাবোনগুম্ববু
নঙতনা চেঙ্গেইনহল্লি বোম সংবগুম্ববু,
নঙতনা হাংতোকহল্লি কৌরপ পান্দপকুম্ববু।

পল্লাথক্কী লৈবাংও মীতানফম্মি খোইবাবশিংগী -
সেম্লাইংক্কী লৈতেংও গোবিন্দ লৈমন্নি,
উফুল্লক্কী শংঙেলও খুদিনফম্মি খোঙশাশিংগী।

নঙতনা শীজবদুনা চাহৈদ্র হৈত্তুপ -
ওইনখিবনি অদাম্বু মপা মপু,
পাইখেবক্লিবা মহীক মতাং তাইবঙদা।

ꯗꯨꯕꯨ ꯊꯥꯈꯨꯝ ꯇꯕꯥ ꯅꯥꯎꯄꯨꯕꯗꯨꯅꯥ
ꯈꯣꯡꯉꯥꯡ ꯅꯥꯎꯌꯣꯛ ꯅꯥꯎꯊꯦꯟꯅ ꯅꯥꯎꯁꯨꯝꯕꯤꯕꯟꯗ,
ꯃꯃꯥꯗꯨꯅꯤꯀꯣ ꯅꯡꯁꯦ ꯍꯦ ꯅꯨꯄꯤ ꯫

꯰꯶/꯰꯸/꯰꯳

'দুবু থাখুম তবা নাউপুবদুনা
খোঙ্গাং নাউযোক নাউথেন্ন নাউশুম্বীবন্দা,
মমাদুনিকো নঙসে হেনুপী।

০৬/০৮/০৩

ꯔꯣꯕꯣꯠ

UNO ! UNO ꯀꯕꯤꯒꯤ UNO !
ꯀꯗꯥꯏꯗꯥ ꯊꯟꯅꯨꯒꯅꯤ ꯑꯦꯇꯣꯝ ꯍꯥꯏꯗ꯭ꯔꯣꯖꯦꯟ-ꯕꯣꯝ,
ꯂꯥꯍꯦꯡꯅꯕ ꯑꯣꯃꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯔꯣꯕꯣꯠꯀꯤ ꯂꯥꯟ ?

ꯑꯆꯧꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯈꯌꯥꯠꯅꯨꯡꯗꯥ ꯑꯄꯤꯛꯄꯁꯤꯡ ꯃꯤꯇꯝꯂꯝꯂꯤꯕ
ꯑꯉꯝꯕꯇꯅꯥ ꯍꯤꯡꯍꯧꯕ ꯑꯍꯤꯡꯕꯩ ꯂꯥꯟꯀꯝꯁꯤꯗꯥ,
ꯑꯆꯧꯕꯁꯤꯡꯇꯒꯤ ꯆꯥꯎꯕꯕ ꯇꯦꯡꯒꯣꯜꯂꯅꯤ UNO ॥

ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯅꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤꯗꯃꯛ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯕꯨ ꯃꯥꯡꯍꯟꯅꯕ
ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯅꯥ ꯁꯦꯝꯖꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤꯗꯤ ꯃꯃꯤꯅꯤ,
ꯆꯥꯛꯊꯥꯛ ꯂꯩꯇꯦ ꯊꯧꯒꯥꯏꯇꯅꯥ ꯁꯤꯟꯊꯥꯅꯤ ॥

ꯃꯥꯠꯇꯅꯥ ꯌꯧꯍꯜꯂꯤ ꯌꯧꯉꯗ꯭ꯔꯁꯨ ꯃꯇ꯭ꯔꯡ
ꯏꯔꯣꯝꯕꯨꯡꯗꯥ ꯂꯣꯠꯈ꯭ꯔꯕ ꯃꯅꯤꯕꯨꯁꯨ ꯊꯤꯍꯜꯂꯤ,
ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯅꯥ ꯇꯧꯉꯃꯗꯈꯩ ꯇꯧꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯍꯧꯍꯜꯂꯤ ॥

রোবোৎ

UNO ! UNO ! কবিগী UNO
কদাইদা থন্নুগনি এতোম হায়দ্রোজেনবো'ম,
ল'হেংনবা ওমগদ্রা বোবোৎকী লান ?

অচৌবশিংগী খযাৎনুংদা অপীকপশিং মীতম্লম্লিবা
অঙম্বতনা হীংহৌবা অহীংবৈ লানক্ষমশিদা,
অচৌবশিংতগী চাউববা তেঙ্গোলনি UNO।

মীওইবনা মীওইবগী'দমক মীওইববু মাংহন্নবা
মীওইবনা শেমজবা মীওইবগীদি মমিনি,
চাকথাক লৈতে থৌগাইতনা শিন্থানি ।

মাত্তনা যৌহল্লি যৌঙদ্র শু মত্রং -
ঈরোম্বুংদা লোৎখ্রবা মনিবুশু থিহল্লি,
মীওইবনা তৌঙমদখে তৌহন্দুনা মীহৌহল্লি ।

ꯃꯌꯥꯏ ꯀꯥꯕꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯕꯨ ꯎꯀꯕꯗꯥ -
ꯃꯦꯠꯇꯨꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯅꯤꯡꯉꯛꯂꯕꯥ ꯑꯄꯦꯠꯄꯥ ꯂꯩꯈꯣꯝꯒꯨꯝꯅꯥ,
ꯂꯩꯕꯛꯇꯔꯕꯗꯥ ꯁꯥꯟꯅꯄꯣꯠ'ꯃ' ꯈꯨꯠꯁꯦꯝꯒꯤ ꯁꯥꯟꯅꯕꯨꯡꯗꯨꯗꯥ ॥

ꯃꯆꯦꯠ ꯃꯀꯥꯏ ꯑꯇꯦꯛ ꯑꯀꯥꯏꯇꯅꯥ
ꯈꯣꯝꯖꯤꯟ ꯇꯥꯁꯤꯟ ꯄꯨꯟꯁꯤꯟꯈꯤꯕꯥ ꯄꯟꯗꯣꯡ,
ꯀꯧꯍꯜꯂꯤ ꯍꯦꯟꯇꯥꯛ ꯍꯅꯨꯕꯤ ꯍꯅꯨꯕꯗꯥ ॥

ꯍꯦꯟꯇꯥꯛꯂꯕ ꯍꯅꯨ-ꯍꯅꯨꯕꯤꯒ ꯍꯅꯨ-ꯍꯅꯨꯕꯥ ꯈꯔꯨꯡꯅꯨꯡꯗꯨꯗꯥ
ꯈꯜꯂꯤ ꯇꯣꯡꯂꯛꯂꯕꯥ ꯁ꯭ꯕꯔꯒꯒꯤ ꯗꯣꯜꯂꯥꯏ,
ꯄꯣꯛꯈꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯇꯥꯕꯛꯂꯒꯁꯨ ꯇꯥꯟꯅꯔꯛꯂꯦ ꯇꯝꯅꯂꯥꯏꯁꯤꯡ ॥

ꯁꯜꯂꯨꯞ ꯀꯥꯏꯔꯕꯥ ꯇꯝꯅꯕꯤꯕꯕꯥ ꯇꯝꯅꯂꯥꯏꯁꯤꯡ -
ꯂꯣꯠꯈꯤ ꯅꯥꯁꯣꯟꯅꯟ ꯂꯩꯀꯨꯠ ꯂꯩꯕꯥꯏꯁꯤꯡꯗꯥ,
ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯍꯜꯂꯤ ꯍꯅꯨꯕꯥ ꯍꯅꯨꯕꯤꯁꯤꯡꯗꯥ ॥

মযাই কাববা মীওইববু উকবদা
মেত্তুনা শান্ননিংঙক্লবা অপেৎপা লৈখোমগুম্না,
লৈবকত্রবদা শান্নপোৎ'ম' খুৎশেমগী শান্নবুংদুদা ।

মচেৎ মকাই অতেক অকাইতনা -
খোমজিন তাশিন পুনশিনখিবা পন্দোং,
কৌহল্লি হেনতাক হনুবী হনুবদা ।

হেনতাক্লব হনু-হনুবীগ' হনু-হনুবা খরুংনুংদুদা -
খল্লি তোংলক্লবা স্বর্গগী দোল্লাই,
পোকখাইদুনা তাবক্লগশু তান্নরক্লে তম্নলাইশিং ।

শল্লুপ কাইরবা তম্নবীববা তম্নলাইশিং -
লোৎখি নাশোন্নন লৈকুৎ লৈবাইশিংদা,
জগোই শাহল্লি হনুবা হনুবীশিংদা ।

[illegible]
[illegible]
[illegible] ॥
[illegible]

বার্তোন তৌরিবনি অনীশুবা হীরোশিমাই -
অনৌবা সভ্যতাগী অঙনবা সৌরজগৎশিদা,
ফাত্তে'কুল্লনা একসিসশিং যাংশিন্নবা খুঙ।
১১।০৮।০৩

ꯕꯤꯙꯥꯇꯥ

ꯃꯥꯂꯪ ꯁꯍꯨꯝ ꯀꯤꯖꯗꯨꯅꯥ
ꯍꯩꯈꯣꯡ ꯑꯃꯛꯂꯤꯕꯥ ꯍꯩꯔꯥꯡꯅꯥ,
ꯃꯄꯨꯢ ꯁꯤꯡꯒꯥ ꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ
ꯃꯥꯠꯇꯒꯤ ꯈꯨꯌꯥꯗꯥ ꯆꯪꯖꯕꯗꯤ,
ꯇꯥꯟꯅꯕꯥ ꯐꯪꯗꯦ ꯇꯨꯁꯣꯟꯅꯔꯁꯤꯡꯅꯥ;
ꯃꯨꯅꯥ ꯃꯨꯟ ꯃꯤꯇꯥꯍꯧꯢ,
ꯁꯦꯝꯕꯥꯡꯅꯍꯧꯢ ꯅꯥꯁꯣꯟꯅꯅꯥ - ꯅꯣꯡꯃꯗꯤ
ꯐꯪꯒꯅꯤ ꯃꯥꯒꯨꯝ ꯃꯄꯨꯢ
ꯍꯩꯖꯤꯡ ꯈꯔꯥꯢ ꯐꯪꯉꯃꯗꯔꯕꯥ ॥

ꯃꯤꯠꯆꯤꯒꯤ ꯇꯦꯅꯕꯨ ꯇꯦꯟꯗꯣꯡꯂꯥ
ꯅꯥꯔꯛ ꯃꯣꯡꯁꯣꯡ ꯐꯥꯎꯗꯨꯅꯥ,
ꯀꯣꯢꯅꯥ ꯆꯛꯇꯨꯅꯒꯨ ꯁꯥꯗꯥꯜꯂꯤꯕꯥ
ꯑꯎꯕꯥ ꯀꯅꯥꯒꯤ ꯂꯩꯌꯦꯡꯕꯨ.
ꯂꯨꯞꯍꯜꯂꯤ ꯐꯥꯟꯌꯥꯢꯅꯥ ꯐꯥꯉꯃꯗꯥ,

বিধাতা

মালং শহুম কিজদুনা -
হৈখোং অম্লক্লিবা হৈরাংনা,
মপুই শিঙ্গা তুংইন্না
মাত্তগী খুযাদা চংজবদি,
তান্নবা ফংদে তুশোন্নরশিংনা
মুনা মুন মিতাহৌই,
শেম্বাংনহৌই নাশোন্ননা - নোংমদি
ফংগনি মাগুম মপুই
হৈজিং খরাই ফংঙমদ্রবা ।

মীৎচিগী তেনবু তেন্দোংলা -
নারক মোংশোং ফাওদুনা,
কোইনা চক্তুনগু শাদাল্লিবা
অউবা কনাগী লৈয়েংবু,
লুপহল্লি ফানয়াইনা ফাঙমদা,

ꯃꯧꯅꯤꯅꯤ ꯒꯉ꯭ꯒꯥꯏ ꯏꯕꯣꯟꯅꯨꯡꯗꯥ
ꯏꯍꯩꯐꯝ ꯏꯐꯨꯠꯅꯤ ꯏꯟꯗ꯭ꯔꯤꯁꯤꯡꯒꯤ,
ꯁꯖꯤꯕꯨꯏ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯝꯃꯩꯗꯒꯨ
ꯀꯤꯍꯟꯕꯛꯂ ꯏꯉꯥꯏ ꯅꯦꯡꯖꯨꯅꯤ ॥

'ꯗꯨꯕꯨ ꯀꯜꯄ-ꯅꯣꯡꯂꯩꯒꯤ ꯁꯍꯝ
ꯁꯦꯝꯅꯍꯩꯗ꯭ꯔ ꯈꯟꯗꯍꯧꯗ꯭ꯔ ꯃꯤꯡꯀꯨꯞꯇꯥ
ꯍꯨꯝꯗꯣꯛꯂꯨꯟ ꯇꯥꯔꯕꯗꯥ ꯑꯃꯥꯡꯊꯛꯇꯥ,
ꯂꯩꯌꯦꯡ ꯐꯥꯏꯕꯛꯂꯦ ꯂꯩꯌꯦꯡꯅꯨꯡ-ꯂꯣꯛꯂꯨꯡꯗꯩ
ꯂꯨꯕꯥ ꯆꯤꯡꯖꯨꯝ ꯂꯥꯏꯖꯑꯣ
ꯊꯤꯡꯈꯤꯗꯨꯅꯥ ꯃꯄꯨꯏ ꯊꯣꯡꯖꯥꯑꯣꯒꯨ,
ꯄꯥꯊꯦꯕꯛꯂꯦ ꯃ꯭ꯔꯥꯡꯂ ꯆꯤꯡꯖꯥꯑꯣꯁꯤꯡꯗꯩ
ꯇꯤꯜꯂꯕꯦ ꯃꯥꯇ꯭ꯇꯒꯤ ꯎꯐꯨꯜꯂꯛꯇ,
ꯈꯦꯟꯅꯗ꯭ꯔꯕꯗꯥ ꯈꯦꯟꯅꯕꯥ ꯎꯇ꯭ꯇꯨꯅꯥ ॥

মৌনিনি গঙ্গাই ঈবোন্নুংদা
ঈহৈফম ঈফুৎনি ঈন্দ্রিশিংগী,
শজিবুই চাক্লিবা লাম্মৈদগু
কীহ্নবক্ল ঈঙাই নেংজুনি ।

'দূবু কল্প-নোংলৈগী শহম
শেম্নহৈদ্র খণ্ডহৌদ্র মীংকুপ্তা,
হুমদোক্লুন তারবদা অমাঙথক্তা,
লৈযেং ফাইবক্লে লৈযেংনুং-লোক্লুংদৈ
লুবা চিংজুম লাইজও
থিংখিদুনা মপুই থোংজাওগু,
পাথেবক্লে ম্রাংল চীংজাওশিংদৈ
তীল্লবে মাত্তগী উফুল্লক্ত,
খেন্নদ্রবদা খেন্নবা উত্তুনা ।

ꯃꯥꯟꯅꯗꯕꯥ ꯃꯕꯛꯇꯥ ꯃꯥꯟꯅꯅꯥ
ꯆꯣꯡꯈꯠꯂꯛꯀꯩ ꯈꯥꯃꯇꯦꯛꯀꯤ ꯃꯌꯣꯜ,
ꯆꯥꯎꯈꯠꯂꯛꯀꯩ ꯎꯕꯥꯏꯁꯤꯕ ꯃꯎ
ꯁꯥꯠꯀꯠꯂꯛꯀꯩ ꯂꯩꯕꯤꯛꯀꯪꯂꯥ ꯂꯩꯄꯥꯜꯁꯤꯡꯅꯥ,
ꯌꯥꯝꯕꯕꯀꯩ ꯇꯤꯟꯖꯪꯂ ꯍꯩꯄꯥꯜꯁꯤꯡꯗꯥ
ꯇꯉꯥꯡꯂ ꯀꯨꯌꯣꯝꯅꯥ ꯀꯨꯞꯁꯤꯜꯂ
ꯑꯁꯪꯕꯥ ꯎꯅꯥꯕꯛꯇꯥ ꯀꯦ-ꯀꯨ,
ꯆꯝꯂꯤ ꯐꯣꯡꯉꯗ꯭ꯔ ꯄꯥꯎꯈꯣꯡ'ꯃꯥ
ꯑꯆꯠ ꯆꯠꯇꯥ ꯇꯥꯏꯕꯉꯗꯥ ॥

꯱꯰।꯰꯸।꯰꯳

মান্নদবা মবক্তা মান্ননা
চোংখৎলকই খামতেক্ক মযোল,
চাউখৎলকই উবাইশিব মউ
শাৎকৎলকই লৈবিক্কংলা লৈপালশিংনা
য়াম্ববকই তীনজংল হৈপালশিংদা
তঙাংল কুযোম্না কুপশিল্ল
অশংবা উনাবক্তা কে-কু,
চম্লি ফোংঙদ্র পাউখোং'মা
অচৎ চত্তা তাইবঙদা ।

১০।০৮।০৩

꯲

꯲, ꯅꯨꯄꯨꯇꯒꯤ

ꯖꯒꯠꯀꯤ ꯃꯄꯨ,

ꯈꯟꯗꯟꯗꯃꯗ꯭ꯔꯁꯤꯡꯗ ꯐꯥꯎ ꯐꯥꯎꯏ

ꯀꯕꯤꯅꯣꯃꯥ ꯈꯟꯗꯟꯗꯃꯗ꯭ꯔꯕ,

ꯍꯤꯟꯗꯨꯁꯤꯡꯅꯗꯤ ꯒꯣꯡꯂꯤ -

ꯑꯣꯝ ꯕ꯭ꯔꯃꯍꯥ,

ꯃꯨꯁꯂꯃꯥꯟ-ꯁꯤꯡꯅꯗꯤ ꯈꯜꯂꯤ -

ꯃꯛꯀꯒꯤ ꯃꯕꯨꯡꯉꯣꯅꯤ,

ꯈ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯇꯥꯟ-ꯁꯤꯡꯅꯗꯤ ꯂꯥꯎꯕꯤ -

ꯄꯥꯡꯊꯤꯡꯈꯤꯕꯗꯨꯃꯛꯀꯤ

ꯄꯥꯞꯄꯤꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯃꯛ -

ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯅꯣꯏ

ꯂꯦꯡꯗꯕꯥ ꯁꯤꯗꯕꯅꯤ -

ꯄꯪꯉꯥꯡꯗꯥ ꯉꯥꯡꯅꯩ

ꯀꯥꯅꯥ ꯀꯥꯅꯤ.

১

১, নুপুতগী

জগৎকী মপু,

খণ্ডণ্ডমদ্রশিংদফাও ফাওই -

কবিনোমা খণ্ডণ্ডমদ্রবা,

হীন্দুশিংনদি গোঙ্গি -

ওঁ ব্রমহা,

মুসলমানশিংনদি খল্লি -

মক্কগী মবুংঙোনি,

খৃষ্টাননশিংনদি লাউবি -

পাংতিংখিবদুমক্কি পাস্সীশিংগীদমক,

কনানা নৌই

লেংদবা শিদবনি,

পংঙাংদা ঙাংনৈ -

কানা কানি;

ꯉꯛꯈ꯭ꯔꯕ ꯈꯨꯡꯁꯦꯝꯅꯤ,
ꯃꯄꯨꯏ ꯈꯨꯡꯁꯦꯗꯤ -
ꯑꯃꯒꯤꯗꯤ ꯑꯃꯠꯇꯅꯤ,
ꯒ꯭ꯔꯍ ꯑꯃꯥ -
ꯑꯣꯕꯕꯤꯡ ꯑꯃꯥ,
ꯊꯋꯥꯏ ꯑꯃꯥ -
ꯄꯨꯛꯅꯤ ꯑꯃꯥ,
ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯑꯃꯥ -
ꯁꯤꯛꯁꯥ ꯑꯃꯥ,
ꯁꯦꯍꯧ ꯑꯃꯥ -
ꯁꯤꯕꯣꯏ ꯑꯃꯥ,
'ꯗꯨꯕꯨ ꯀꯂꯤꯟꯗꯗꯤ -
ꯍꯥꯏꯒꯠ ꯂꯥꯡꯅꯤ,
ꯊꯋꯥꯏ ꯄꯥꯟꯕꯁꯤꯡꯁꯤꯗꯥ -
ꯊꯋꯥꯏ ꯄꯥꯟꯕꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯤ,
ꯖꯤꯕꯥ ꯑꯃꯒꯤꯕꯨ

ঙকখ্রব খুংশেম্নি
মপুই খুংশেদি
অমগীদি অমত্তনি,
গ্রহ অমা
ওববিং অমা,
থৱায় অমা
পুক্নি অমা,
খোঙচৎ অমা
শিক্ষা অমা.
শেহৌ অমা
শিবোই অমা
'দুবু কলিন্দদি
হাইগৎ লাংনি,
থৱায় পানবশিংসিদা
থৱায় পানবশিংশিগী.
জীবা অমগীবু

ꯃꯀꯣꯛ ꯑꯃꯥ,
(ꯑꯅꯤ । ꯑꯍꯨꯝ । ...)
ꯌꯦꯀꯨꯝ ꯃꯃꯩꯁꯨ -
ꯃꯃꯨꯠ ꯑꯃꯥ,
(ꯑꯅꯤ । ꯑꯍꯨꯝ । ...)
ꯂꯩꯈꯣꯛ ꯑꯃꯇꯦꯁꯨ -
ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯑꯃꯥ,
(ꯑꯅꯤ । ꯑꯍꯨꯝ । ...)
ꯉꯁꯤꯒꯤ ꯇꯥꯏꯕꯉꯁꯤꯗꯗꯤ -
ꯑꯃꯒꯤ ꯑꯃꯥ,
(ꯑꯅꯤ । ꯑꯍꯨꯝꯁꯨ । ...)
ꯃꯊꯪ ꯃꯊꯪꯅꯥ -
ꯃꯃꯨꯟ ꯐꯥꯔꯛꯂꯦ,
ꯉꯁꯤꯒꯤ ꯅꯤꯎꯛꯂꯤꯌꯥꯕ -
ꯆꯦꯟ ꯔꯤꯑꯦꯛꯁꯟꯁꯦ,

মকোক অমা,
(অনী অহুম।)
যেকুম মমৈশু,
মমুৎ অমা
(অনী। অহুম। ...)
লৈখোক অমত্তেশু,
লৈরাং অমা,
(অনী। অহুম। ...)
ঙসিগী তাইবঙসিদদি -
অমগী অমা,
(অনী। অহুমশু...)
মথং মথংনা -
মমুন ফারক্লে,
ঙসিগী নিউক্লিয়াব -
চেন রিএকসনসে,

ꯁꯣꯢꯈꯤꯗꯨꯅ ꯄꯣꯛꯈꯥꯢꯕꯀꯂꯦ -

ꯁꯣꯢꯅꯥꯢꯕꯩ ꯃꯩꯒꯤ-ꯆꯤꯡ,

ꯆꯦꯟꯕꯛꯂꯦ ꯂꯥꯚꯥ -

ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯈꯥꯡꯖꯥꯎꯊꯛꯇꯥ,

ꯆꯣꯡꯂꯤ ꯐꯥꯡꯃꯗꯅ -

ꯊꯔꯥꯏ ꯑꯇꯤꯡꯉꯥꯁꯤꯡ,

ꯄꯦꯜꯂꯕꯔꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯣ -

ꯅꯡꯒꯨ ꯏꯕꯦꯡꯉꯣ ?

꯱꯱।꯰꯸।꯰꯳

শোইখিদুনা পোকখাইবকলে

শোইনাইবৈ মৈগী-চীং,

চেহ্নবক্লে লাভা

কলিগী খাঙজাওথক্তা,

চোংলী ফাঙমদনা

থরায অতিংঙাশিং,

পেল্লব্রা থম্মোযদো

নজ্ঞু ইবেঙ্গৌ ?

১১।০৮।০৩

ꯅꯦꯇꯥ

ꯀꯅꯥꯅꯣ ꯅꯪꯁꯦ -
ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯤ ꯖꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ,
ꯃꯔꯨꯞꯄꯤ ꯃꯈꯣꯏꯒꯤ
ꯃꯪꯐꯝꯅꯥ ꯀꯧꯕꯕꯥ,
ꯀꯂꯤꯗꯗꯤ ꯁꯛꯇꯤꯁꯦꯟꯅꯤ
ꯅꯪꯁꯦ ꯁꯌꯇꯥꯟꯒꯤ,
ꯃꯤꯆꯦꯟꯗꯊꯥꯎ ꯌꯨꯍꯜꯂꯤ
ꯅꯪꯇꯒꯤ ꯇꯤꯡꯈꯪꯅꯥ,
ꯆꯦꯀꯁꯤꯜꯍꯧꯗ꯭ꯔ ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯄꯨꯗꯥ
ꯔꯥꯝꯕꯕꯀꯩ ꯈꯥꯡꯉꯝꯗꯅꯥ,
ꯊꯧꯕꯕꯥ ꯅꯪꯒꯤ
ꯀꯜꯂꯕꯥ ꯃꯍꯨꯗꯨꯅꯥ,
ꯊꯔꯥꯌꯃꯀꯁꯨ ꯄꯤꯈꯝꯂꯍꯜꯂꯤ
'ꯗꯕꯨ ꯅꯪꯁꯤꯅꯤꯀꯣ,
ꯑꯗꯁꯨ ꯁꯥꯊꯧꯕꯤꯕꯤ

নেতা

কনানো নঙসে -
খঙদ্রি জীবশিংনা,
মরুপ্নি মখোযগী
মংফমনা কৌববা,
কলিদদি শক্তিশেন্নি
নঙসে শযতানগী,
মীচেন্দথাও যুহল্লি
নঙতগী তিঙখংনা,
চেকশিলহৌদ্র মীৎকুপ্পুদা
রাম্ববকই খাঙঙমদনা,
থৌববা নঙগী
কল্লবা মহুদুনা,
থরাযমকশু পীখম্নহল্লি
'দবু নঙসিনিকো,
এদস শ'থৌবিবী

ꯍꯦ ꯕꯤꯗ꯭ꯔꯣꯍꯤ,
ꯁꯨꯏꯁꯥꯏꯇꯀꯤ ꯕꯣꯝ
ꯑꯃꯕ ꯑꯣꯏꯗꯨꯅꯥ,
ꯒꯅꯇꯟꯇ꯭ꯔꯒꯤ ꯄꯤꯟ
ꯄꯥꯏꯊꯣꯛꯍꯟꯗꯨꯅꯥ ꯄꯣꯛꯈꯥꯍꯜꯂꯕꯗꯥ,
ꯕꯖꯤꯕ ꯀꯌꯥꯒꯤ
ꯑꯇꯤꯡꯉꯥꯁꯤꯡꯁꯨ ꯄꯥꯏꯍꯟꯈ꯭ꯔꯒꯥ,
ꯇꯨꯝ ꯇꯥꯛꯍꯟꯕꯗꯤ
ꯊꯥꯕꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯄꯣꯠꯂꯨꯝꯗꯣ,
ꯄꯂꯦꯝ ꯏꯃꯥꯒꯤ
ꯅꯉꯒꯤ ꯑꯅꯧꯕꯥ,
ꯌꯥꯑꯣꯂꯒꯤ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡꯅꯥ
ꯏꯕꯣꯅꯨꯡꯗꯥ ꯂꯨꯞꯈꯤꯗꯨꯅꯥ,
ꯀꯥꯑꯣꯈ꯭ꯔꯁꯤꯡꯕꯨ ꯆꯤꯡꯊꯣꯛꯂꯨꯅꯥ
ꯈꯤꯜꯂꯕꯦ ꯇꯥꯏꯕꯪꯁꯤꯗꯥ,
ꯑꯅꯧꯕ ꯌꯨꯒꯀꯤ
ꯅꯨꯉꯒꯤ ꯌꯨꯒ,

হে বা জবীদ্রোহী,
সুইশাইতকী বোম্ব
আমব ওইদুনা,
গনতন্ত্রগী পিন
পাইথোকহন্দুনা পোকখাহল্লবদা,
বজীব কযাগী
অতীংঙাশিংশু পাইহনখ্রগা,
তুম তাকহনবদি
থাবিব্রা পোৎলুমদো,
পলেম ইমাগী
নঙগী অনৌবা,
যাওলগী খোঙথাংনা
ঈবোনুংদা লুপখিদুনা,
কাওখ্রশিংবু চিংথোক্লুনা
খিল্লবে তাইবঙসিদা,
অনৌব যুগকী
নুঙগী যুগ,

ꯇꯥꯍꯩꯗꯕꯕꯨ ꯇꯥꯍꯟꯗꯨꯅ
ꯎꯍꯩꯗꯕꯕꯨꯁꯨ ꯎꯍꯜꯂꯅ,
ꯍꯧꯈꯔ ꯄꯟꯗꯨꯄꯨ
ꯅꯧꯍꯧꯅꯅ ꯍꯥꯡꯗꯨꯅ
ꯄꯤꯕꯤꯕꯔ ꯅꯤꯡꯇꯝꯕ
ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯖꯤꯕꯁꯤꯡꯗ,
ꯑꯉꯀꯔꯄꯟ ꯅꯉꯒꯤ
ꯁꯛꯇꯤꯁꯦꯟꯒꯤ ꯁꯛꯇꯤ,
ꯁꯨꯛ ꯅꯣꯃꯂꯨꯕꯩ
ꯃꯛ ꯀꯦꯃꯂꯕ,
ꯆꯥꯎꯈꯠꯄ ꯇꯥꯅꯕꯗ
ꯉꯥꯎꯕꯕ ꯃꯤꯇꯝꯕꯥꯂꯁꯤꯡ,
ꯃꯤꯅꯥꯢꯒꯤ ꯌꯣꯠꯍꯤꯡꯗꯩ
ꯐꯣꯢꯗꯇꯨꯅ ꯊꯗꯪꯂꯕꯗ,
ꯁꯥꯒꯠꯂꯛꯂꯦ ꯖꯒꯣꯢ
ꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯐꯝꯕꯥꯛꯇ,
ꯊꯤꯕꯛꯂꯦ ꯂꯩꯄꯕꯦꯡꯗꯣ
ꯂꯨꯆꯤꯡꯄꯨꯕꯦꯜ ꯅꯉꯇꯒꯤ ॥
꯲꯲।꯰꯸।꯰꯳

তাহৈদববু তাহন্দুনা
উহৈদববুশু উহল্লণা,
হৌখ্র পন্দুপু
নৌহৌননা হাংদুন
পীবিব্র নীংতম্বা
কলিগী জীবশিংদা,
অঙকর্পন নঙগী
শক্তিশেনগী শক্তি,
শুক নোমলুবৈ
মক কেমলবা,
চাউখৎপা তানবদা
ঙাওববা মীতম্বালশিং,
মীনাইগী যোৎহিংদৈ
ফোইদত্তুনা থদংলবদা,
শাগৎলক্লে জগোই
মায়াগী ফম্বাক্তা,
থিবক্লে লৈপবেংদো
লুচীংপুবেল নঙতগী।
২২।০৮।০৩

ꯆꯦꯝꯅꯤ

ꯐꯤꯖꯦꯜꯅꯤ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯩꯕꯤꯒꯤ
ꯄꯨꯡꯃꯗꯕꯥ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯏꯔꯩꯅꯥ
ꯀꯨꯆꯨꯅꯤ ꯂꯨꯄꯥ ꯑꯍꯤꯡꯕꯒꯤ,
ꯁꯣꯛꯉꯝꯗꯕꯥ ꯀꯣꯜꯍꯤꯡ ꯃꯥꯍꯤꯡꯅꯥ
ꯈꯥꯡꯄꯣꯛꯁꯪꯒꯤꯁꯨ ꯃꯟꯗꯤꯔꯒꯤꯁꯨ ꯃꯀꯄꯂꯤ ॥

ꯃꯄꯨ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯌꯥꯊꯪ
ꯀꯜꯂꯕꯥ ꯃꯥꯂꯪ ꯁꯍꯟꯅꯨꯁꯨ
ꯉꯥꯀꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯉꯥꯜꯍꯜꯂꯤ ꯉꯉꯨꯟꯅꯅꯥ,
ꯑꯃꯝꯂꯣꯡꯕꯨ ꯇꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯑꯇꯤꯪꯉꯥ
ꯊꯥꯁꯤꯗꯁꯨ ꯄꯨꯔꯅꯤꯃꯥꯅꯤ ꯇꯥꯏꯕꯉꯗꯥ ॥

চেম্নি

ফিজে'লনি চাক্লিবা মৈবিগী
পুঙমদবা মতমগী ঈরৈনা
কুচুনি লুপা অহিংবগী,
শোকঙমদবা কোলহিং মাহিংনা
খাংপোকশংগীশু মন্দিরগীশু মকপ্লি।

মপু মাগী মযাথং
কল্লবা মালং শহন্নুশু
ঙাকথোক্তুনা ঙালহল্লি ঙঙুন্ননা,
অমম্লোংবু তান্দুনা অতী ংঙা
থাশিদশু পূর্ণিমানি তাইবঙদা।

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

নঙ্গু থোঙত্র মৈরীনা
মৈবাইনহল্লি নোংলৈগী ভীম,
চকখৎলকই তেঙ্গালিগী তীকীনা,
কীম্বরদুনা মীরাংলা চীংমাই
থীংজিনখি চেল্লিবা গারি ।

থেংজিল্লদুনা শ্রেং শ্রাং
নতৌনা ফেৎ লাওবা
উফুল্লক্তা তা কেকু,
ফোং উঙমুদ্র কনানা
চেম্বরদুনা শেগাইফমদৈ ঈ-ঈচেল ।

মীকানরবা মচেৎকী মশোংশিং
শত্তোক্লকখদা শদুম শদোংলক্তে
যাতারক্লে য়োইবুরেনবী যুম্রেমা,
চাইরেন চফু চেগাইরক্তা
যেংঙমদা য়োইবু য়োইহেবা ।

২৪।০৮।০৩

ꯀꯦꯁꯦꯡ

ꯍꯦꯝꯔꯦꯡ' ꯂꯤꯜꯗꯨꯒꯤ ꯂꯤꯜꯗꯨꯅꯤ ꯀꯦꯁꯦꯡ -
ꯀ꯭ꯂꯥꯎꯗꯤꯌꯁꯅ ꯈꯪꯉꯤ ꯂꯤꯂꯥꯕꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯀꯨꯝꯃꯦꯗꯥ,
ꯍꯦꯝꯔꯦꯡꯄꯨ ꯁꯥꯟꯅꯍꯜꯂꯤ ꯀ꯭ꯂꯥꯎꯗꯤꯌꯁꯄꯨ ꯂꯤꯂꯥ
ꯂꯤꯂꯥꯒꯤꯗꯤ ꯂꯤꯂꯥꯅꯤ ꯂꯤꯂꯥꯁꯤꯗꯤ ꯂꯝꯃꯣꯏꯁꯤꯒꯤ ॥

ꯒ꯭ꯔꯥꯐꯕꯒꯤ ꯃꯦꯆꯤꯟꯅꯤ ꯑꯏꯕꯦ ꯀꯣꯂꯣꯝꯁꯨ -
ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯍꯥꯌꯅꯩ ꯕ꯭ꯔꯥꯈꯂꯒꯤ ꯗꯂꯥꯝꯅꯤ,
ꯎꯍꯩꯕꯁꯤꯡꯅꯗꯤ ꯈꯪꯉꯤ ꯄꯨꯛꯀꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯠꯅꯍꯥꯗꯥ
ꯊꯣꯛꯈꯤ ꯊ꯭ꯔꯣꯏꯗꯣꯛꯀꯤꯗꯤ ꯍꯛꯊꯦ ꯗꯥꯛꯐꯝꯅꯤ ॥

ꯈꯟꯗꯁꯤꯡꯕꯨ ꯇꯥꯎꯍꯜꯂꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕꯦ ꯕꯥꯒꯤꯗꯥ -
ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯏꯊꯛ ꯌꯦꯍꯜꯂꯤ ꯑꯈꯪꯕꯁꯤꯡꯗꯥ,
ꯏꯀꯥꯍꯕꯕꯨ ꯄꯟꯂꯦꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯛꯆꯤꯜꯂꯤ ꯑꯕꯣꯟꯕꯁꯤꯡ
ꯈꯪꯗ꯭ꯔꯕꯁꯤꯡꯗꯁꯨ ꯑꯈꯪꯕꯁꯤꯡꯗꯁꯨ ꯄꯨꯕꯥꯝꯅꯤ ꯇꯝꯕꯤꯕꯥ ॥

কেশেং

'হেম্রেং' লীল'দুগী লীল'দুনি কেশেং -
ক্লাউদিযসন খংঙি লীলাবোইশিংগী কুম্মেদা,
হেম্রেংপু শান্নহল্লি ক্লাউদিযসপু লীলা
লীলাগীদি লীলানি লীলাসিদি লম্মৌশিগী ।

গ্রাফবগী মেছিন্নি অইবৈ কোলোমশু -
কনানা হায়নৈ ব্রাখলগী দলাম্নি,
উহৌবশিংনদি খংঙি পুক্লিংগী মীৎনহাদা
থোকখি থ্রৌদোক্কীদি হকত্থ দাকফম্নি ।

খণ্ডদশিংবু তাউহল্লি নুংঙাইবৈ বাগীদা -
অনৌবা ঈথক্ল যৈহল্লি অখংবশিংদা,
ইকাহববু পল্লে'ন্দুনা থকচিল্লি অবোনবশিং
খংদ্রশিংদশু অখংবশিংদশু পুবাম্নি তম্বিবিবা ।

'ꯗꯕꯨ ꯍꯤꯡꯅ ꯍꯤꯡꯅ ꯁꯤꯕꯁꯤꯡ
ꯄꯥꯡꯅ ꯄꯥꯡꯅ ꯇꯨꯝꯈꯨꯟ ꯇꯥꯍ꯭ꯅꯤꯁꯤꯡꯁꯨ,
ꯁꯣꯕꯦꯜꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯇꯩꯂꯁꯤꯡꯁꯤꯕꯨ ꯇꯝꯅꯕ ꯉꯝꯗ꯭ꯔꯕ
ꯅꯋꯒꯤ ꯇꯝꯅꯂꯥꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯃꯤꯒꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯇꯅ ?

꯳꯱।꯰꯸।꯰꯳

'দবু হীংনা হীংনা শিবশিং -
পাংনা পাংনা তুমখুন তাহ্নিশিংশু,
শোবেলশিংগী মীতয়'লশিংশিবু তম্নবা ঙম্রা
নওগী তম্নলাইশিংগী মমিগী খোঞ্জেলতনা ?

৩১।০৮।০৩

ꯐꯇꯤꯟ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯍꯥꯎ

ꯈꯣꯡꯗꯥꯕꯛꯀꯦ ꯊꯥꯁꯤ ꯊꯔꯥꯟ ꯊꯥꯅꯤꯂꯁꯨ -
ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯀꯥꯏꯕꯕꯥ ꯖꯨꯂꯣꯟ ꯅꯣꯡꯖꯨꯂꯛꯇꯥ,
ꯊꯨꯃꯍꯠꯂꯗꯨꯅꯥ ꯃꯇꯣꯟ ꯂꯥꯡꯊꯩ ꯅꯨꯡꯊꯩꯒꯤ
ꯇꯥꯎꯊꯕꯛꯀꯦ ꯍꯥꯎꯕꯩꯕꯤꯒꯤ ꯍꯅꯨꯕꯥ ꯍꯅꯨꯕꯤ ॥

ꯄꯦ ꯈꯟꯗꯣꯛꯀꯦ ꯍꯨꯏꯕꯣꯏ ꯍꯟꯖꯕꯥ -
ꯆꯤꯡꯊꯣꯕꯛꯀꯦ - ꯅꯥꯄꯥꯛ, ꯂꯨꯖꯥꯎ, ꯂꯥꯡꯖꯥꯎ ...
ꯀꯥꯎꯉꯃꯗꯥ ꯎꯕꯦꯅꯕꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯝꯕꯥ ꯃꯍꯥꯎ
ꯊꯣꯠ-ꯊꯣꯠ ꯂꯦꯊꯣꯀꯄꯥ ꯉꯥꯍꯧꯒꯤ ꯃꯊꯥꯁꯨ ॥

ꯐꯦꯠ ꯐꯥ ꯐꯤꯇꯤꯟꯅ' ꯐꯨꯃꯗꯤꯗꯨꯗꯥ -
ꯐꯨꯠ ꯐꯥ ꯐꯥꯉꯃꯗꯦ ꯂꯥꯡꯃꯤꯠꯁꯤꯡꯅꯥ,
ꯆꯔꯤꯠ ꯆꯔꯥ - ꯊꯤꯉꯃꯊꯤꯗꯦ ꯂꯨꯁꯠꯁꯤꯡꯅꯁꯨ
ꯁꯧꯈꯣꯡꯒꯤ ꯀꯩꯕꯥꯛꯇꯥ ꯄꯜꯂꯤ ꯂꯦꯡꯖꯨ'ꯝꯃꯥ ॥

ফতিন অমগী মহাও

খোঙদাবক্কে থাশি থরান থানিলশু
খোঙচৎ কাইববা জুলোন নোংজুলক্তা,
থুমহৎলদুনা মতোন লাংথ্রৈ নুংথ্রৈগী
তাওথবক্কে হাওবৈবীগী হনুবা হনুবী

পে খন্দোক্কে হুইবোই হনজবা -
চীংথোবক্কে - নাপাক, লুজাও, লাংজাও
কাউঙমদা উবেনবীগী ওইনম্বা মহাও
থোৎ-থোৎ লেথোকপা ঙাহৌগী মথাশু।

ফেৎ ফা ফিতীন্ন' ফুমদিদুদা -
ফুৎ ফা ফাঙমদে লাংমীৎশিংনা,
চ্রীৎ চ্রা থিঙমথিদে লুশৎশিংনশু
শৌখোঙগী কৈবাক্তা পল্লি লেংজু'ম্মা।

ꯇꯁ । ꯀꯝꯗꯣꯢ ꯄꯦꯕꯦꯠ ꯃꯆꯥ -
ꯁꯥꯟꯈꯣꯗꯅꯥ ꯆꯦꯟ ꯆꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯎꯕꯥꯎꯕꯤ,
ꯈꯣꯡꯍꯥꯡꯉꯣ ꯅꯕꯨꯡ ꯇꯕꯦꯠ ꯍꯜꯂꯛꯂꯦꯅꯦ
ꯄꯨꯟꯗꯨꯝ ꯍꯤꯡꯌꯣꯠ ꯌꯣꯠꯁꯤꯜꯂꯒꯦ ꯅꯨꯕꯥꯕꯤꯁꯤꯗꯤ॥

ꯑꯉꯀꯄꯥ ꯃꯍꯥꯎꯅꯤ ꯈꯧꯕꯥꯡꯂ ꯃꯊꯦꯜꯒꯤ -
ꯍꯩ । ꯀꯩꯗꯒꯤ ꯃꯀꯅꯣꯅꯦ ꯄꯜꯂꯕꯤꯕꯁꯤꯅꯥ,
ꯂꯁꯤꯡ ꯃꯐꯣꯂꯅꯤ ꯍꯨꯢꯖꯥꯎ ꯁꯅꯖꯥꯎꯁꯤꯡꯒꯤꯐꯥꯎ
ꯑꯣꯡꯊꯣꯛꯈꯤꯒꯦ । ꯁꯥꯢꯒꯨꯞ ꯁꯥꯢꯒꯥꯢꯕꯒꯥ ꯍꯦꯛꯇꯦ ꯀꯨꯠ ॥

ꯈꯥꯛ ꯈꯥꯛ ꯀꯕꯤꯅꯣꯅꯦ ꯊꯣꯕꯛꯇ꯭ꯔꯤꯁꯤꯅꯥ -
ꯀꯕꯥꯛ ꯈꯟꯈ꯭ꯔꯦꯅꯦ ꯅꯨꯡꯁꯤꯡ ꯎꯇꯣꯡꯁꯦ,
ꯑꯣꯢ । ꯑꯣꯢ । ꯎꯝ । ꯎꯝ।
ꯍꯛ । ꯍꯥ । ꯑꯥ । ꯑ ।

꯳꯱।꯰꯸।꯰꯳

তশ। কমদৌই পেবেৎ মচা -
শান্নখোদনা চেন চোংদুনা উবাউবী,
খোংহাংঙো নবুং তবেৎ হল্লক্লেনে
পুন্নদুম হীংযোৎ যোৎশিল্লগে নুবাবীশিদি।

অঙকপা মহাওনি খৌবাংল মথেলগী
হৈ। কৈদগী মকনোনে পল্লবিবশিনা,
লশিং মফোলনি হুইজাও ষনজাওশিংগীফাও
ওংথোকখিগে। শাইগুপ শাইগাইবগা হেক্তে কুৎ

খাক খাক কবিনোনে থোবকত্রিশিনা
কবাক খনখ্রেনে নুংশিং উতোংসে,
ওই ওই। উম। উম।
হক। হা। আ। অ।

৩১।০৮।০৩

ꯉꯥꯝꯃꯤ

ꯌꯦꯡꯉꯨ ꯫ ꯇꯥꯎꯊꯨꯝ ꯆꯕꯣꯡꯁꯤꯟꯅꯥ -
ꯁꯅꯥ ꯀꯩꯊꯦꯜ ꯇꯜꯂꯤꯕꯥ ꯀꯦꯟꯇꯕꯊꯛꯇꯥ,
ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯕ ꯁꯥꯕꯗꯨꯅꯥ
ꯍꯥꯡꯅꯕꯤꯁꯦ ꯑꯝꯅꯥ ꯑꯃꯗꯥ -
ꯀꯩꯁꯥꯝꯄꯥꯠꯀꯤ ꯏꯀꯥꯕꯃꯗꯨ ꯊꯨꯜꯂꯨꯒꯗꯧꯕꯤꯕꯔꯥ ?
ꯅꯤꯠꯌꯥꯏꯄꯥꯠꯀꯤ ꯍꯤꯗꯦꯟꯗꯕꯨ ꯊꯨꯜꯂꯨꯒꯗꯧꯕꯤꯕꯔꯥ ?
ꯂꯝꯐꯦꯜꯄꯥꯠꯀꯤ ꯏꯀꯨꯝꯕꯗꯕꯨ ꯊꯨꯝꯂꯨꯒꯗꯧꯕꯤꯕꯔꯥ ?

ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯑꯕꯦꯝꯕꯅꯤ ꯉꯝꯅꯃꯛ
ꯈꯔꯅꯥ ꯁꯉꯒꯦꯟꯊꯣꯡꯒꯤ ꯊꯣꯡꯈꯥꯗꯥ,
ꯈꯔꯅꯥ ꯃꯣꯡꯕꯍꯟꯕꯩ ꯏꯁꯥꯏꯐꯨꯗꯥ,
ꯈꯔꯅꯥ ꯒꯥꯏꯅꯤꯀꯣꯂꯣꯖꯤꯒꯤ ꯒꯨꯍꯥꯗꯥ,
ꯈꯔꯅꯥ ꯂꯥꯉꯒꯣꯜꯆꯤꯡꯒꯤ ꯂꯣꯀꯨꯡꯗꯥ,
ꯈꯔꯅꯥ ꯁꯤꯐꯥꯏꯒꯤ ꯇꯦꯡꯀꯤꯗꯥ,
ꯂꯦꯝꯍꯧꯈꯥꯛꯁꯤꯡꯅꯥ ꯔꯦꯁꯇꯨꯔꯦꯟꯇꯀꯤ ꯉꯥꯌꯣꯛꯆꯐꯨꯗꯥ ॥

ঙাম্মী

যেংঙু । তাওথুম চবোংশিনা -
সনা কৈথেল তল্লিবা কেন্তবথক্তা,
জগোই শাব শাবদুনা
হাংনবিসে অম্না অমদা -
কৈশামপাৎকী ঈকাবমদু থুল্লুগদৌবিব্রা?
নিত্যাইপাৎকী হিদেন্দবু থুল্লুগদৌবিব্রা?
লম্ফেলপাৎকী ঈকুম্বদবু থুম্লুগদৌবিব্রা?

পুম্নমক অবেম্বনি ঙম্নমক -
খরনা শঙ্গেন্থোংগী থোংখাদা,
খরনা মোংবহনবৈ ঈশাইফুদা,
খবনা গাইনিকোলোজীগী গুহাদা,
খরনা লাঙ্গোলচীংগী লোকুংদা,
খবনা শিফাইগী তেংকিদা,
লেমহৌখাকশিংনা রেষ্টুরেন্টগী ঙাযোকচফুদা ।

ꯑꯩꯒꯤꯇꯅꯥ ꯂꯩꯈꯣꯛ ꯂꯩꯍ꯭ꯔꯤꯕꯥ
ꯂꯩꯅꯝ ꯆꯩꯔ ꯄꯣꯝꯁꯥꯠꯅꯔꯤꯁꯤꯡ -
ꯑꯩꯒꯤꯗꯁꯨ ꯇꯠꯂꯕꯥ ꯁꯔꯨ-ꯍꯨꯝꯗꯥꯡꯁꯤꯡ,
ꯑꯩꯉꯣꯟꯗꯅꯥ ꯅꯝꯕꯣꯢ ꯇꯨꯕꯣꯢꯁꯤꯡ,
ꯑꯩꯍꯥꯛꯀꯤꯗꯅꯥ ꯃꯔꯨꯝꯄꯨꯕꯤ ꯄꯨꯗꯕꯤꯁꯤꯡ,
ꯑꯩꯉꯣꯟꯗꯁꯨ ꯁꯔꯣꯢ ꯉꯥꯔꯣꯢꯁꯤꯡ,
ꯑꯩꯈꯣꯢꯁꯨ ꯍꯤꯀꯊꯗꯨꯅꯥ ꯀꯦꯟꯅꯁꯤꯡ ॥

ꯁꯧꯒꯤ ꯃꯦꯒꯅꯦꯇꯅꯥ ꯐꯖꯤꯟꯈ꯭ꯔꯕꯗꯥ -
ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯂꯥꯎꯔꯤ ꯏꯔꯣꯝꯕꯨꯡꯗꯥ,
ꯏꯆꯦꯜꯗꯨꯒꯤ ꯏꯔꯦꯅꯥ ꯁꯦꯠꯂꯛꯂꯕꯗꯥ
ꯂꯤꯠꯊꯣꯛꯂꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯤ ꯃꯆꯦꯠꯁꯤꯡꯅꯥ,
ꯀꯗꯥꯢꯗꯅꯣ - ꯂꯨꯁꯠ - ꯁꯔꯨꯄꯣꯂꯥꯡꯁꯤꯡꯅꯥ
ꯍꯪꯂꯤ ꯂꯨꯁꯠꯁꯤꯡꯗꯥ - ꯀꯩꯗꯧꯉꯦꯅꯣ -
ꯍꯩꯊꯒꯗꯕꯥ ꯄꯥꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯁꯥꯔꯦꯅꯨꯡꯗꯥ ?

ঐগীতনা লৈখোক লোইহ্রিবা
লৈনম চোইর পোমশাৎনরিশিং -
ঐগীদশু তৎলবা শরু- হুমদাংশিং -
ঐঙোন্দনা নম্বোই তুবোইশিং -
ঐহাক্কীদনা মরুমপুবী পুদবীশিং
ঐঙোন্দশু শরোই ঙারোইশিং -
ঐখোইশু হীকথদুনা কেন্নশিং ।

শৌগী মেগনেটনা ফাজিনখ্রবদা
কনানা লাউরি ঈরোম্বুংদা,
ঈচেলদুগী ঈরেনা শেৎলক্লবদা
লিৎথোক্লবা হোৎনরি মচেৎশিংনা,
কদাইদনো - লুশৎ - শরুপোলাংশিংনা
হংলী লুশৎশিংদা - কৈদৌঙেনো
হৈথগদবা পাথোক্তুনা শারেনুংদা ?

ꯈꯕꯅꯥ ꯂꯜꯂꯣꯟꯕꯤꯁꯤꯡꯒꯤ ꯐꯂꯥꯊꯛꯇꯥ,
ꯈꯔꯕꯨꯅꯥ ꯃꯣꯛꯀꯤ ꯁꯕꯦꯡ-ꯊꯥꯡꯊꯛꯇꯥ,
ꯈꯔꯗꯤ ꯃꯄꯨꯏ ꯒꯔꯥꯏꯊꯛꯇꯥ,
ꯁꯥꯌꯦꯟ ꯉꯥꯌꯦꯟꯒꯤ ꯃꯩꯔꯤꯂꯛꯇꯥ -
ꯈꯔꯁꯨ ꯎꯛ-ꯋꯥꯛꯁꯤꯡꯅꯥ ꯆꯨꯞꯊꯪꯈꯤ,
ꯆꯤꯡꯊꯧꯔꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯩꯈꯨꯒꯤ ꯗꯣꯜꯂꯥꯏꯕꯦꯡꯅꯈꯤ,
ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯒꯤ ꯁꯅꯥꯀꯩꯊꯦꯜꯅꯤ ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ ꯫

꯰꯵।꯰꯹।꯰꯳

খবনা লল্লোনবীশিংগী ফলাথক্তা,
খরবুনা মোক্কী শবেং-থাংথক্তা,
খরদি মপুই গরাইথক্তা,
শাযেন ঙায়েনগী মৈরিলক্তা -
খরশু উক-ৱাকশিংনা চুপথংখি,
চীংথৌরশিংনা মৈখুগী দোল্লাইবেংনখি,
খ্বাইগী সনাকৈথেলনি সনালৈবাক।

০৫।০৯।০৩

চুম্বা মহাও

খেন্দুনা থম্রিবশিং লেম্নরিবা মীৎমাংদা -
তংনিংলুবা পোক্কে খঙলুদ্রবা থম্মোযনা,
কল্লবা নোংলৈনা হুম্রক্লুনা অখেনপোৎকী মনম,
যৈহল্লুববা নাশোম্ননা অখেনপোৎকী মনম্মা,
মঙলাক্লবগনি তুমখুন্দা চুম্বদা মহাওনা।

কাওঙমদ্রবা মহাওগী বাগদা বাগীওই -
শা - বে   গা - মা ...
ঈথক হৌবক্লে শুরগী ঈপাক্তা
ঈপোমশু নাইরক্লে পম্বুংবু তম্না,
মুবাবৈ মাযাগী মেংলবা মুর্লিশুরদা।

লাইচুদুনা লাইওইরবা হংলাইগী তম্নলাইশিং -
খঙলক্লে খেন্নবা খিল্লিবা খকংগী,
শাগপ তোইনিংলক্লে অনৌবা শৌরজগৎ'মদা
খিরুনবা পোৎথাফম খৌগংল থম্মোয়গী,
কৈদনো নঙবু ঈন্দ্রিগী মবেম্মা ?

ꯑꯊꯦꯟꯄꯣꯠ ꯀꯣꯇꯤꯟꯁꯨ ꯆꯔꯥ ꯆꯤꯟꯗꯝꯕꯐꯥꯎ
ꯃꯤꯅꯝꯕꯅꯤ ꯊꯂꯍꯟꯕꯥ ꯏꯟꯗ꯭ꯔꯤꯒꯤ ꯆꯛꯈꯥꯎ
ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯑꯝꯃꯥ ꯀꯧꯔꯤꯕꯅꯤ ꯂꯩꯅꯥꯃꯥ
ꯈꯨꯠ ꯊꯥꯔꯕꯥ ꯐꯝꯃꯥꯡꯊꯛꯀꯤ ꯑꯅꯥꯕꯗꯥ,
ꯀꯔꯦꯝꯃꯔꯛꯀꯦ ꯃꯤꯅꯣꯛꯀꯇꯥ ꯈꯨꯊꯦꯔ ꯑꯂꯀꯦꯃꯤꯁꯁꯨ ॥

ꯆꯥꯛꯈꯥꯎꯁꯨ ꯆꯦꯄꯂꯛꯀꯦ ꯆꯥꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯥ ꯆꯈꯣꯝꯁꯤꯡꯅꯥ -
ꯏꯒꯤ ꯏꯆꯦꯜꯁꯨ ꯏꯊꯥꯏꯔꯛꯀꯦ ꯏꯅꯥꯡ,
ꯁꯩꯇꯥꯅꯒꯤ ꯁꯥꯟꯅꯔꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯔꯛꯀꯦ ꯁꯟꯖꯥꯕꯨꯡꯗꯥ
ꯍꯅꯨꯕꯗꯨꯅꯥ ꯆꯤꯡꯈꯠꯈꯤ ꯁꯔꯨꯍꯨꯝꯗꯥꯡꯇꯒꯤ ꯉꯥꯖꯥꯎ,
ꯏꯔꯣꯟꯅꯨꯡꯗꯥ ꯀꯦ-ꯀꯨ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯇꯥꯏꯇꯥꯅꯤꯛ ॥

ꯗꯨꯕꯨ ꯀꯜꯂꯕꯥ ꯀꯔꯅꯒꯤ ꯀꯊꯣꯛꯄꯇꯅꯥ -
ꯇꯦꯝꯁꯤꯡꯅꯈꯤꯒꯨꯝ ꯃꯗꯣꯝ ꯅꯣꯡꯃꯗꯣꯜꯒꯤ ꯆꯛꯔ,
ꯃꯉꯐꯥꯎꯅꯍꯧꯔꯕꯥ ꯁꯩꯍꯧꯗꯥ ꯃꯉꯂꯥꯛꯀꯔꯕꯥ ꯇꯨꯝꯈꯨꯟ
ꯐꯥꯎꯔꯛꯀꯗꯨꯅꯥ ꯈꯡꯂꯛꯀꯗꯨꯅꯥ ꯇꯥꯔꯛꯀꯗꯨꯅꯥ ꯎꯔꯛꯀꯒꯅꯤ,
ꯁꯣꯔꯦꯟꯁꯤꯡꯒꯤ ꯁꯣꯌꯣꯟ ꯁꯩꯇꯥꯅꯒꯤ ꯁꯨꯃꯥꯡꯗꯥ ॥

অথেনপোৎ কোতিনশু চরা চীন্দম্বফাও -
মীনম্বনি থলহনবা ঈন্দ্রিগী চকখাও,
হীদাক অম্মা কৌরিবনি লৈনা'মা
খুৎ থারবা ফম্মাংথক্কী অনাবদা,
করেম্মরক্কে মীনোক্কক্তা খুথের আলকেমিসশু,

চাকখাওশু চেপলক্কে চাশিল্লিবা চখোমশিংনা -
ঈগী ঈচেলশু ঈথাইরক্কে ঈনাং,
শৈতানগী শান্নরোইশিংনা শান্নরক্কে শনজাবুংদা
হনুবদুনা চীংখৎখি শরুহুমদাংতগী ঙাজাও,
ঈরোন্নুংদা কে-কু মতমগী তাইতানীক ।

'দুবু কল্লবা কর্নগী কথোকপতনা -
তেমশিংনখিগুম মদোম নোংমদোলগী চক্র,
মঙফাওনহৌরবা শৈহৌদা মঙলাক্করবা তুমখুন
ফাওরক্কদুনা খংলক্কদুনা তারক্কদুনা উরক্কগনি,
শোরেনশিংগী শোয়োন শৈতানগী শুমাংদা ।

ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥꯗꯥ ꯈꯨꯗꯦ ꯀꯪꯂꯗ꯭ꯔꯦ -
ꯍꯩꯊꯔꯣ ꯍꯨꯝꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯀꯨꯃꯒꯤ ꯅꯣꯡꯑꯣ,
ꯈꯨꯝꯍꯠꯂꯣ ꯁꯨꯅꯧ ꯂꯥꯡꯊ꯭ꯔꯦ ꯅꯨꯡꯊ꯭ꯔꯦꯡꯅꯥ
ꯂꯧꯁꯤꯂꯍꯩ ꯕꯔꯣ ꯍꯥꯎꯅꯨꯕꯤꯒꯤ ꯂꯥꯡꯒꯪ ꯄꯣꯜꯂꯥꯡ,
ꯍꯩꯒꯤ ꯌꯦꯅꯒꯤ ꯁꯥꯍꯨꯝ ꯐꯪꯒꯅꯤ ॥

꯱꯱।꯰꯹।꯰꯳

কলিগী নুংশাদা খুদে কংলদ্রে -
হৈথরো হুম্লক্লিবা কুমগী নোংও,
খুমহৎলো সুনৌ লাংথ্রে নুংথ্রেংনা
লৌশিলহৈ বরো হাউনুবীগী লাংগং পোল্লাং,
হৈগী যেনগী শাহুম ফংগনি।

১১।০৯।০৩

ꯅꯍꯣꯢꯕꯤ

ꯍꯣꯢꯕꯤꯅꯤ ꯅꯍꯣꯢ ꯇꯨꯕꯣꯢꯔ
ꯃꯍꯦꯟ ꯇꯨꯍꯦꯟ ꯃꯔꯛꯀꯥ,
ꯁꯤ ꯊꯔꯥꯟꯒꯤꯗꯤ ꯈꯣꯡꯖꯣꯝꯅꯨꯕꯤꯑꯣ
ꯇꯣꯝꯊꯤꯟ ꯅꯥꯢꯇꯣꯝ ꯉꯥꯜꯂꯤꯕꯤ,
ꯡꯂ ꯃꯥꯂꯡ-ꯇꯔꯉꯒꯤꯁꯨ ꯅꯥꯆꯣꯝꯅꯤ ॥

ꯉꯥꯡꯒꯤ ꯐꯤꯖꯣꯜꯂꯅꯥ ꯀꯣꯛꯈꯨꯝꯔꯤꯕꯤꯑꯣ
ꯥꯢꯕꯛꯇꯨꯅꯥ ꯁꯥꯞꯄꯦ ꯂꯩꯂꯥꯡ,
ꯨꯠꯇꯅꯥ ꯃꯥꯂꯥꯢ ꯆꯔꯣꯡ
ꯥꯟꯗꯅꯥ ꯃꯄꯨꯢ ꯃꯤꯡꯈꯩ,
ꯅꯥꯢ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯂꯩꯇꯦꯡꯂꯤꯕꯥ ?

ꯔꯣꯜ ꯅꯥꯢꯕꯥ ꯁꯥꯖꯡ -
ꯥꯛꯈꯠꯂꯛꯀꯕꯗꯥ ꯅꯨꯡꯒꯤ ꯃꯩꯔꯤ,
ꯥꯉꯣꯢ ꯇꯥꯔꯛꯂꯦ ꯐꯤꯖꯣꯜꯁꯨ
ꯤꯆꯔꯗꯨꯅꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯃꯟꯗꯤꯔ,
ꯐꯥꯡ ꯑꯉꯥꯟꯕꯅꯥ ꯑꯃꯝꯔꯣꯛꯀꯥ ॥

নহোইবী

হোইবীনি নহোই তুবোইর -
মহেন তুহেন মরক্কা,
াশি থরানগীদি খোংজোমনুবীও
তোমথিন নাইতোম ঙাল্লিবী,
াংল মালং-তরঙগীসু নাচোমনি ।

লেঙাংগী ফীজোলনা কোকখুম্রিবীও -
াইবক্তুনা শাপ্পে লৈল্লাং ,
ুত্তনা মালাই চরোং
ান্দনা মপুই মীংখৈ,
নাই করিগী লৈতেংলিবা ?

রোল নাইবা শাজং -
াকখৎলক্কবদা নুংগী মৈরী,
াঙোই তারক্লে ফীজোলসু
ীছরদুনা থম্মোয মন্দির,
ফাং অঙানবনা অমম্রোক্কা ।

ꯈꯅꯒꯪꯂꯤ ꯄꯦ ꯃꯤꯅꯣꯀꯂꯛꯇꯥ -
ꯍꯩꯊꯔꯀꯂꯗꯥ ꯀꯨꯝꯒꯤ ꯅꯣꯡꯖꯨꯅꯥ,
ꯅꯣꯏꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯤ ꯄꯨꯛꯆꯦꯞ ꯐꯤꯅꯝꯅꯥ
ꯂꯩꯉꯥꯡꯃꯀꯁꯨ ꯆꯦꯍꯣꯔꯀꯏ ꯐꯤꯖꯣꯜꯅꯨꯡꯗꯩ,
ꯆꯣꯡꯈꯠꯂꯤ ꯁꯥꯖꯤꯕꯨꯏ ꯅꯣꯡꯈꯣꯡꯗꯁꯨ ॥

ꯊꯨꯡꯂꯕꯗꯥ ꯃꯄꯨꯏ ꯗꯣꯂꯥꯏꯅꯥ -
ꯐꯥꯡꯃꯈꯤꯗꯦ ꯀꯥꯈꯠꯈꯤ ꯃꯅꯥꯏꯁꯨ,
ꯌꯦꯡꯂꯝꯈꯤꯗꯦ ꯀꯔꯦꯝꯅꯕꯥ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯅꯥ
ꯆꯨꯞꯈꯠꯂꯛꯀꯗꯥ ꯄꯥꯞꯀꯤ ꯄꯣꯗꯣꯟ,
ꯆꯥꯛꯈꯠꯂꯛꯀꯗꯨꯅꯥ ꯄꯨꯏꯅꯒꯤ ꯃꯩꯔꯤ ॥

ꯁꯥꯟꯅꯕꯤ ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯄꯥꯞꯄꯤꯁꯤꯡꯅꯥ -
ꯃꯤꯇꯥꯖꯥ ꯁꯥꯟꯅꯕꯤꯁꯤꯡꯕꯨ ꯑꯎꯕꯁꯤꯡꯅꯥ,
ꯃꯤꯄꯥꯏ ꯀꯛꯀꯂꯗꯤ ꯆꯔꯥꯡꯒꯤꯗꯃꯛ
ꯇꯦꯡꯊꯥꯖꯦ ꯗꯣꯂꯥꯏꯇꯣꯡꯕꯤꯁꯨ ꯕꯥꯏꯀꯨꯞꯄꯨꯕꯤꯒꯤꯗꯃꯛ,
ꯂꯤꯂꯥꯁꯤꯗꯤ ꯀꯨꯝꯃꯩꯅꯤ ꯅꯈꯣꯏꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ॥

꯲꯵।꯰꯹।꯰꯳

খনগংলি পে মীনোকলক্তা -
হৈথরকলদা কুমগী নোংজুনা,
নোইথোকহল্লি পুকচেপ ফীনম্না
লৈঙাংমকসু চেহোরকই ফীজোলনুংদৈ,
চোংখৎলি শাজিবুই নোংখোংদসু।

থুংলবদা মপুই দোলাইনা -
ফাঙমখিদে কাখৎখি মনাইসু,
যেংলমখিদে করেম্নবা মীৎয়েংনা
চুপখৎলক্কদা পাপকী পোদোন,
চাকখৎলক্কদুনা পুইনগী মৈরী।

শান্নবি কুম্মৈ পাপ্পীশিংনা -
মীতাজা শান্নবিশিংবু অউবশিংনা,
মীপাই ক্কাক্লদি চরাংগীদমক
তেংথাজে দোলাইতোংবীসু বাইকুপ্পুবীগীদমক,
লীলাশিদি কুম্মৈনি নখোইরশিংগী।

২৫।০৯।০৩

ꯁꯨꯕ ꯀꯥꯎꯈ꯭ꯔꯕ ꯏꯁꯩ

ꯑꯩꯗꯤ ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯤ ꯂꯥꯏꯌꯥꯝꯒꯤ
ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯣꯝꯕꯣꯛ ꯂꯝꯃꯧꯒꯤꯁꯨ,
ꯅꯇ꯭ꯇꯦ ꯑꯩꯗꯤ ꯎꯆꯦꯛꯅꯤ
ꯄꯥꯠ ꯆꯤꯡꯌꯥ ꯇꯝꯌꯥꯒꯤ,
ꯅꯇ꯭ꯇꯦ ꯑꯩꯗꯤ ꯅꯣꯡꯁꯥꯅꯤ
ꯁꯥꯁꯤꯡꯕꯨ ꯁꯕꯥꯛ ꯇꯝꯕꯤꯕ,
ꯅꯇ꯭ꯇꯦ ꯑꯩꯗꯤ ꯚꯛꯇꯅꯤ
ꯂꯨꯄꯥ ꯈꯥꯎꯖꯥꯎ ꯄꯥꯏꯕ,
ꯅꯇ꯭ꯇꯦ ꯑꯩꯗꯤ ꯁꯩꯁꯀꯄꯅꯤ
ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯀꯥꯏꯕꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯀꯄꯣꯏ ॥

ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯅꯥ ꯄꯦꯜꯂꯕꯥ ꯄꯨꯡꯐꯝꯁꯤꯗꯥ -
ꯆꯦꯡꯕꯛꯂꯣ ꯊꯝꯃꯣꯌꯒꯤ ꯕꯤꯅꯥꯗꯥ,
ꯁꯪꯂꯥ ꯂꯪꯖꯤꯟ ꯃꯉꯈ꯭ꯔ-ꯁꯨꯕ
ꯁꯛꯂꯒꯦ ꯏꯁꯩ ꯄꯨꯟꯁꯤꯒꯤ ॥

শুব কাওখ্রবা ঈশৈ

ঐদি নীংথৌনি লাইয়ামগী
লম্বী সোম্বোক লম্মৌগীসু,
নত্তে ঐদি উচেক্নি
পাৎ চীংযা তমযাগী,
নত্তে ঐদি নোংশানি
শাশিংবু শবাক তম্বিবা,
নত্তে ঐদি ভক্তনি
লুপা খাওজাও পাইবা,
নত্তে ঐদি শৈশকপনি
থম্মোয কাইববশিংগী মকপ্লোই।

পুক্নিংনা পেল্লবা পুংফমশিদা -
চেঙ্বক্লো থম্মোযগী বিনাদা,
শংলা লংজিন ম'ংখ্র-শুব
শক্লগে ঈশৈ পুন্সিগী

ꯀꯤꯖꯦ꯫ ꯑꯩꯗꯤ ꯀꯤꯖꯦ꯫
ꯃꯤꯠꯇꯥꯡꯒꯨꯝ ꯑꯃꯝꯕꯗꯥ ꯆꯠꯄꯥ,
ꯂꯩꯔꯝꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯂꯣꯛ ꯅꯥꯝꯕꯅꯕꯥ
ꯂꯣꯠꯂꯅꯃꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯏꯐꯨꯠ ꯄꯨꯊꯔꯕꯥ,
ꯊꯥꯛꯂꯃꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯁꯔꯧꯂꯥꯡ ꯊꯨꯟꯅꯕꯥ,
ꯑꯃꯝꯕꯗꯥ ꯎꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯤꯠꯁꯤꯅꯥ
ꯎꯔꯨꯗꯕꯅꯥ ꯈꯉꯂꯨꯗꯦ ꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯤꯅꯁꯨ ॥

ꯀꯤꯖꯦ꯫ ꯑꯩꯗꯤ ꯀꯤꯖꯦ -
ꯑꯃꯨꯕꯥ ꯍꯨꯏꯁꯨ ꯀꯤꯖꯦ,
ꯑꯃꯨꯕꯥ ꯁꯅꯝꯕꯁꯨ ꯀꯤꯖꯦ
ꯑꯃꯨꯕꯥ ꯂꯤꯟꯁꯨ ꯀꯤꯖꯦ,
ꯑꯃꯝꯕꯗꯥ ꯃꯤꯠꯅꯥ ꯎꯉꯃꯂꯨꯗꯦ
ꯑꯃꯝꯕꯗꯥ ꯆꯥꯛꯇꯥꯕꯥ ꯖꯤꯕꯁꯤꯡꯁꯦ ॥

কীজে। ঐদি কীজে।
মীৎতাংগুম অমম্বদা চৎপা,
লৈরমগদ্রা লোক নাম্বনবা
লোৎলনমগদ্রা ঈফুৎ পুথরবা,
থাক্লমগদ্রা শরৌলাং থুন্নবা,
অমম্বদা উঙমদ্রবা মীৎশিনা
উরুদবনা খঙলুদে থম্মোযসিনসু

কীজে। ঐদি কীজে -
অমুবা হুইসু কীজে,
অমুবা শনম্বসু কীজে
অমুবা লীনসু কীজে,
অমম্বদা মীৎনা উঙমলুদে
অমম্বদা চাক্তাবা জীবশিংসে।

ꯀꯤꯖꯩ ! ꯑꯩꯗꯤ ꯀꯤꯖꯩ -
ꯑꯃꯨꯕꯥ ꯃꯔꯨꯞꯁꯨ ꯀꯤꯖꯩ,
ꯑꯃꯨꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯁꯨ ꯀꯤꯖꯩ
ꯑꯃꯝꯕꯥ ꯐꯤꯖꯣꯜ ꯁꯦꯠꯄꯅꯤꯅꯥ,
ꯑꯃꯝꯕꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯨ ꯄꯥꯜꯂꯤ
ꯑꯃꯨꯕꯗꯤ ꯑꯃꯝꯕꯗꯥ ꯃꯀꯁꯤꯟꯕꯅꯤꯅꯥ,
ꯑꯉꯧꯕꯗꯤ ꯃꯨꯁꯨꯛ ꯃꯨꯏ
ꯁꯩꯇꯥꯟꯒꯤ ꯁꯩꯌꯪꯅꯤ ꯁꯪꯁꯥꯔꯗꯥ ॥

ꯑꯉꯧꯕꯗꯤ ꯑꯩꯅꯥ ꯀꯤꯕꯤꯗꯦ -
ꯑꯃꯝꯕꯗꯁꯨ ꯉꯧꯁꯣꯛ ꯉꯧꯏ,
ꯑꯃꯝꯕꯅ ꯃꯨꯍꯟꯕꯥ ꯉꯝꯗꯦ
ꯑꯃꯝꯕꯕꯨ ꯇꯥꯟꯕꯁꯨ ꯉꯃꯏ,
ꯑꯃꯨꯕꯥ ꯃꯥꯡꯒꯤ ꯌꯦꯛꯂꯕꯅꯤ
ꯃꯥꯗꯤ ꯑꯩꯒꯤ ꯃꯔꯨꯞꯅꯤ,
ꯃꯄꯨꯅꯥ ꯊꯥꯝꯕꯛꯄꯥ ꯗꯨꯠꯅꯤ ॥

꯲꯷।꯰꯹।꯰꯳

কীজৈ ! ঐদি কীজৈ -
অমুবা মরুপসু কীজৈ,
অমুবা মহাকসু কীজৈ
অমম্বা ফীজোল শেৎপনিনা ,
অমম্বা থম্মোয়সু পাল্লি
অমুবদি অমম্বদা মকশিনবনিনা,
অঙৌবদি মুসুক মুই
শৈতানগী শৈয়ংনি সংসারদা।

অঙৌবদি ঐনা কীবিদে -
অমম্বদসু ঙৌশোক ঙৌই ,
অমম্বন' মুহনবা ঙমদে
অমম্ববু তানবসু ঙমই,
অমুবা মাঙ্গগী য়েক্লবনি
মাদি ঐগী মরুপনি ,
মপুনা থাম্বকপা দুৎনি ।

২৭।০৯।০৩

ꯃꯤ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯤ ꯊꯋꯥꯏ ꯄꯥꯟꯕꯁꯤꯡꯒꯤ -
ꯃꯥꯅꯥ ꯃꯤꯕꯨ ꯁꯦꯝꯃꯤ,
ꯃꯥꯕꯨꯁꯨ ꯃꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯁꯦꯝꯃꯤ,
ꯃꯈꯣꯡ ꯑꯅꯤꯇꯅꯤ ꯆꯠꯅꯅꯕꯥ
ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯑꯁꯨꯛꯄꯥ,
ꯎꯟꯅꯕꯥ ꯃꯤꯠꯅꯍꯥ ꯑꯅꯤꯇꯅꯤ
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯃꯥꯌꯥ ꯆꯥꯌꯥ,
ꯁꯨꯟꯅꯕꯥ ꯈꯨꯠ ꯑꯅꯤꯇꯅꯤ
ꯃꯄꯨꯢ ꯁꯤꯆꯥ ꯑꯍꯛꯄꯥ,
ꯆꯥꯅꯅꯕꯩ ꯆꯤꯟꯕꯥꯟꯁꯨ ꯑꯃꯠꯇꯅꯤ
ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯆꯦꯡꯖꯦꯜ ꯑꯄꯤꯈꯛ,
ꯃꯥꯇꯒꯤꯗꯤ ꯆꯨꯡꯉꯣꯏ ꯊꯥꯡꯁꯥꯡꯅꯤ
ꯊꯧꯔꯤ ꯄꯨꯛꯀꯤꯡ ꯋꯥꯈꯂꯁꯨ,
ꯅꯣꯡꯃꯗꯤ ꯂꯦꯞꯄꯔꯦ ꯁꯨꯡꯗꯥꯏꯗꯨꯗꯥ -
ꯑꯃꯝ ꯑꯉꯥꯟ ꯑꯅꯤꯒꯤ,

মী

নীংথৌনি থৱায় পানবশিংগী -
মানা মীবু শেম্মী,
মাবুসু মীশিংনা শেম্মী,
মখোঙ অনীতনি চৎননবা
পুন্সি খোঙচৎ অসুকপা ,
উন্নবা মীৎনহা অনীতনি
তাইবঙ মায়া ছায়া,
শুন্নবা খুৎ অনীতনি
মপুই শিছা অহৎকপা ,
চাননবৈ চীনবানসু অমৎতনি
পুন্সি চেংজেল অপীখক,
মাত্তগীদি চুঙ্গোই থাংশাংনি
থৌরি পুক্কিং ৱাখলসু ,
নোংমদি লেপ্পরে শুংদাইদুদা -
অমম অঙান অনীগী,

ꯊꯔꯅꯥ ꯑꯃꯝꯕꯒꯤ ꯈꯣꯡꯉꯥꯟꯊꯤ
ꯂꯦꯃꯍꯧꯔꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯇꯨꯡꯏꯟꯊꯤ ꯑꯉꯥꯟꯕꯒꯤ,
ꯃꯥꯅꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯆꯡꯄꯅꯥ
ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯕꯛꯄꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯥ,
ꯄꯔꯤꯡꯗꯥ ꯌꯥꯡꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯏꯗꯥ
ꯑꯆꯨꯝꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤꯅꯤ ꯃꯥꯇꯨꯒꯤ,
ꯑꯃꯝꯕꯗꯁꯨ ꯑꯃꯝꯕꯦ ꯃꯍꯥꯛ
ꯑꯉꯥꯟꯕꯗꯁꯨ ꯑꯉꯥꯟꯕꯦ ꯃꯍꯥꯛ,
ꯃꯍꯥꯛ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯈꯦꯡꯅꯕꯅꯥ
ꯆꯡꯂꯤꯕꯅꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯃꯥꯁꯨ,
ꯂꯦꯞꯄ꯭ꯔꯥꯏꯗꯅꯥ ꯂꯤꯆꯤꯡ ꯑꯃꯗꯥ
ꯁꯩꯔꯣꯏꯃꯅꯥ ꯁꯩꯍꯧ ꯁꯩꯗꯝꯗꯨꯅꯥ,
ꯁꯩꯔꯥꯡ ꯂꯤꯕꯦ ꯁꯨꯔꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ
ꯃꯅꯤꯡ ꯇꯧꯖꯕꯥ ꯀꯥꯎꯁꯤꯡꯅꯤ ॥

꯲꯲।꯰꯹।꯰꯳

থরনা অমম্বগী খোঙানথি
লেমহৌরিশিংনা তুংইনখি অঙানবগী,
মানা মানা চংপনা
অমুক হল্লকপা ঙমদ্রবা ,
পরিংদা য়াংলিবা লৈইদা
অচুম্বা লম্বীনি মাত্তগী,
অমম্বদসু অমম্বৈ মহাও
অঙানবদসু অঙানবৈ মহাও,
মহাও অনীগী খেংনবনা
চংলিবনি খোঙচং মাসু,
লেপ্প্রাইদনা লীচীং অমদা
শৈরোই'মনা শৈহৌ শৈদম্রদুনা,
শৈরাংলীবৈ শুরগী ঈপাক্তা
মনিং তৌজবা কাউশিংনি ।

২২।০৯।০৩

ꯃꯄꯩ

ꯑꯍꯤꯡꯕꯩ ꯌꯦꯛꯂꯕꯅꯤ - ꯂꯥꯌꯅꯥ
ꯈꯣꯏꯖꯪꯂꯨꯕ꯭ꯔ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ,
ꯐꯪꯗ꯭ꯔꯤꯝꯈꯩ ꯃꯥꯒꯤ ꯆꯩꯅꯥ
ꯌꯩꯕꯝꯃꯗꯨꯅꯥ ꯃꯥꯒꯤ ꯁꯍꯨꯝ,
ꯁꯥꯒꯠꯂꯛꯂꯕꯗꯥ ꯃꯥꯇ꯭ꯇꯨꯒꯤ ꯖꯒꯣꯏ
ꯁꯥꯊꯦꯛ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯅꯨꯡꯊꯦꯛ,
ꯁꯪꯁꯪ ꯆꯣꯡꯊꯣꯕꯀꯏ ꯃꯤꯠꯃꯥꯡꯗꯥ
ꯑꯌꯨꯛ-ꯅꯨꯡꯊꯤꯜ ꯅꯨꯃꯤꯗꯥꯡ ꯈꯥꯛꯇꯨꯅꯥ ॥

ꯂꯥꯌꯅꯥ ꯑꯃꯅꯥ ꯑꯃꯗꯥ -
ꯃꯈꯨꯠ ꯈꯠꯇꯨꯅꯥ ꯀꯧꯏ,
ꯃꯃꯩ ꯊꯥꯡꯒꯠꯇꯨꯅꯥ ꯆꯦꯜꯂꯀꯏ
ꯂꯩꯊꯦꯠꯂꯗꯨꯅꯥ ꯈꯨꯊꯦꯛ ꯇꯜꯂꯀꯏ,
ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯁꯦꯜ ꯈꯥꯏꯗꯣꯛꯅꯩ
ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯁꯤꯟꯐꯝ.
ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯁꯤꯡꯂꯨꯞꯀꯤ ꯂꯩꯐꯝ
ꯑꯅꯧꯕꯥ ꯁꯧꯔꯖꯒꯠ ꯑꯃꯗꯥ ॥

মপৈ

অহীংবৈ যেক্লবনি - লাযনা
খোইজংলুব্র কনানা মাবু,
ফংদ্রিমখৈ মাগী চৈনা
যৈবমমদুনা মাগী শহুম,
শাগৎলক্লবদা মাত্তুগী জগোই
শাথেক কয়াগী নুংথেক ,
শংশং চোংথোবকই মীৎমাংদা
অয়ুক - নুংথিল নুমীদাং খাক্তুনা ।

লাযনা অমনা অমদা -
মখুৎ খত্তুনা কৌই,
মমৈ থাঙ্গত্তুনা চেল্লকই
লৈথেৎলদুনা খুথেক তল্লকই ,
মখোয় মশেল খাইদোকনৈ
মাগী মাগী শিনফম ,
কাংলুপ শিংলুপকী লৈফম
অনৌবা শৌরজগৎ অমদা ।

ꯃꯤꯠꯅꯥ ꯎꯕꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯥ -
ꯄꯤꯛꯇꯨ ꯄꯤꯛꯂꯕꯥ ꯖꯤꯕꯁꯤꯡꯒꯤ
ꯄꯤꯛꯂ ꯄꯤꯛꯂꯕꯥ ꯃꯌꯥꯁꯤꯡꯅꯥ
ꯀꯛ ꯀꯛ ꯆꯤꯛꯂꯛꯂꯕꯗꯥ,
ꯐꯟ ꯐꯟ ꯆꯣꯡꯈꯠꯂꯤ
ꯉꯥꯎꯔꯕꯥ ꯁꯥꯃꯨ ꯂꯝꯁꯥꯁꯨ,
ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯐꯣꯏꯗꯠꯆꯩ ꯃꯅꯥ
ꯃꯗꯣꯝ ꯁꯦꯒꯥꯏꯖꯦ ꯃꯊꯕꯥꯛ ॥

ꯑꯄꯤꯛ ꯑꯄꯤꯛꯄꯥ ꯃꯄꯩꯅꯥ -
ꯆꯥꯎꯔ ꯆꯥꯎꯔꯕꯥ ꯃꯄꯩꯁꯤꯡ,
ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯊꯪꯗꯥ ꯑꯃꯅꯥ
ꯃꯄꯩ ꯀꯌꯥꯅꯥ ꯄꯩꯈꯠꯂꯛꯂꯕꯗꯥ,
ꯆꯩꯅꯥ ꯈꯥꯡꯕꯗꯥ ꯂꯥꯏꯆꯨꯔꯗꯨꯅꯥ
ꯅꯦꯁꯥꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ ꯇꯥꯎꯔꯕꯥ,
ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯍꯪꯂꯥꯏꯅꯥ ꯊꯤꯔꯛꯂꯦ
ꯀꯗꯥꯏꯗꯅꯣ ꯂꯩꯈꯨꯟ ꯂꯝꯂꯧꯒꯤ ॥

মীৎনা উবা ঙমদ্রবা -
পীক্তু পীক্লবা জীবশিংগী ,
পীক্ল পীক্লবা ময়াশিংনা
কক কক চীক্লক্লবদা,
ফন ফন চোঙখৎলি
ঙাওরবা শামু লমশাসু,
মথক্তা ফোইদৎচৈ মনা
মদোম শেগাইজে মথবাক ।

অপীক অপীকপা মপৈনা -
চাওর চাওরবা মপৈশিং,
অমগী মথংদা অম্না
মপৈ কয়ানা পৈখৎলক্লবদা ,
চৈনা খাঙবদা লাইচুরদুনা
নেশাগী ঈপাক্তা তাউরবা,
মতমগী হংলাইনা থিরক্লে
কদাইদনো লৈখুন লম্লৌগী

ꯂꯪꯖꯥ ꯀ꯭ꯋꯥꯛꯅꯥ ꯄꯥꯏꯈ꯭ꯔꯕꯗꯥ -
ꯃꯥꯂꯪꯕꯁꯨ ꯍꯨꯟꯅꯀ꯭ꯂꯦ ꯆꯥꯃꯣꯔ,
ꯑꯉꯥꯟꯕꯥ ꯊꯥꯛꯅꯒꯤ ꯃꯈꯥꯗꯥ
ꯀꯣꯏꯖꯣꯝꯕ ꯀꯥꯛꯆꯦꯡ ꯀꯣꯛꯆꯥꯎꯕꯤ,
ꯊꯦꯡꯅ ꯊꯦꯡꯅꯕꯥ ꯍꯣꯟꯗꯨꯅꯥ
ꯃꯄꯩ ꯃꯄꯩꯅꯥ ꯄꯩꯔꯔꯦ,
ꯆꯦꯡꯄꯣꯠ ꯆꯦꯡꯄꯣꯠ ꯆꯤꯡꯁꯤꯟꯈꯤꯗꯨꯅꯥ
ꯐꯧꯒꯦ ꯂꯥꯟꯒꯦ ꯊꯅꯈ꯭ꯔꯦ ॥

꯲꯹।꯰꯹।꯰꯳

লংজা ক্বাকনা পাইখ্রবদা -
মালংবসু হুন্নক্লে চামোর,
অঙানবা থাকনগী মখাদা
কোইজোম্ব কাকচেং কোকচাওবী,
থেংন থেংনবা হোন্দুনা
মপৈ মপৈনা পৈররে,
চেংপোৎ চেংপোৎ চিংশিনখিদুনা
ফৌগে লানগে থনখ্রে।

২৯।০৯।০৩

ꯅꯥꯇꯣꯟꯆꯥꯕꯤ

ꯁꯤꯉꯩ ꯑꯌꯨꯛꯀꯤ ꯂꯤꯛꯂꯥꯎ -
ꯆꯦꯉꯔꯒꯅꯨ ꯂꯩꯀꯥꯔꯛꯇꯦ ꯂꯩꯍꯤ,
ꯃꯥꯂꯪꯕꯥ ꯅꯡꯁꯨ ꯍꯨꯝꯔꯛꯂꯅꯨ
ꯈꯣꯏꯔꯥꯕꯥ ꯃꯥꯁꯨ ꯄꯥꯏꯔꯛꯂꯅꯨ,
ꯄꯦꯜꯂꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯦ ꯊꯝꯃꯣꯌ ?

ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯁꯥꯡꯀꯥꯏꯔꯤ ꯂꯩꯀꯥꯐꯟꯅꯥ -
ꯂꯩꯅꯝ ꯆꯣꯏꯔ ꯂꯩꯔꯥꯡ,
ꯂꯩꯔꯤꯛꯂꯥ ꯂꯩꯈꯣꯡꯗꯥ ꯀꯦꯜꯂꯗꯨꯅꯥ
ꯂꯩꯍꯤꯅꯥ ꯂꯩꯀꯥꯗꯥ ꯀꯪꯂꯒꯥ,
ꯈꯣꯡꯆꯠ ꯀꯥꯏꯔꯕꯥ ꯃꯥꯂꯦꯝꯊꯛꯇꯥ ?

ꯃꯔꯤꯪꯅꯥ ꯁꯥꯕꯥ ꯁꯪꯕꯥꯏꯎ -
ꯅꯥꯝꯃꯥ ꯍꯥꯪꯕꯥ ꯍꯧꯅꯕ꯭ꯔꯥ,
ꯐꯔꯒꯦ ꯄꯥꯏꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯈꯣꯏꯃꯨꯁꯦ
ꯅꯥꯆꯣꯛꯍꯜꯂꯔꯣꯏ ꯊꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯪꯁꯤꯗꯦ,
ꯃꯁꯤꯕꯨ ꯅꯪꯇ꯭ꯔꯥ ꯁꯤꯆꯥ ꯫

নাতোনচাবী

শিহ্নৈ অযুককী লীক্লাও -
চেহ্নরগনু লৈকারক্তে লৈহী,
মালংবা নঙসু হুম্রক্লনু
খোইরাবা মাসু পাইরক্লনু,
পেল্লব্রা হে থম্মোয ?

করিগী শাংকাইরি লৈকাফন্না -
লৈনম চোইর লৈরাং,
লৈরিক্লা লৈখোঙদা কেল্লদুনা
লৈহীনা লৈকাদা কংলগা,
খোঙচৎ কাইরবা মালেমথক্তা ?

মরীংনা শাবা শংবাইও -
নাম্মা হাংবা হৌনব্রা ,
ফরগে পাইরক্লিবা খোইমুসে
নাচোকহল্লরোই থাক্লিবা লাংশিদে,
মসিবু নংত্রা শিছা ।

ꯍꯥꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯅꯥꯇꯣꯟꯆꯥꯕꯤꯑꯣ -
ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯅꯡꯒꯤ ꯂꯩꯅꯝ,
ꯊꯨꯞꯆꯥꯟꯅꯕꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ ꯊꯝꯕꯗꯤ
ꯅꯁꯥꯕꯤ ꯀꯅꯥꯏ ꯂꯣꯠꯄꯅꯣ,
ꯀꯔꯝꯕꯥ ꯅꯡꯒꯤ ꯋꯥꯁꯛꯂꯣ ?

ꯂꯩꯅꯝꯕꯥ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯄꯥꯟꯂꯨꯗ꯭ꯔꯕꯗꯤ -
ꯃꯥꯂꯦꯝꯕꯅꯒꯨ ꯅꯥꯊꯩꯔꯅꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤꯄꯥꯑꯣ,
ꯈꯣꯡꯖꯦꯡꯕꯥ ꯃꯥꯅꯁꯨ ꯎꯉꯝꯕꯣꯏ,
ꯁꯥꯠꯀꯥꯏꯕ꯭ꯔꯣ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯂꯩꯁꯛꯍꯦꯟꯕꯤ ?

ꯈꯉꯖꯔꯦ ꯊꯣꯏꯃꯨ ꯈꯣꯡꯖꯦꯡꯕꯑꯣ -
ꯂꯩꯀꯥ ꯐꯅꯥ ꯁꯥꯠꯅꯨꯅꯥ,
ꯂꯩꯅꯝꯕꯥ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯄꯥꯟꯂꯨꯕꯥ
ꯃꯥꯡꯒꯤꯀꯥ ꯁꯤꯡꯒꯥꯕꯦ ꯏꯇꯥꯈꯣꯏ,
ꯂꯩꯅꯝ ꯆꯣꯏꯗꯨꯅꯥ ꯀꯦꯟꯈꯤꯌꯦ ꯫

হাদা লৈবাং নাতোন্চাবীও -
লৈবাং নঙগী লৈনম্,
থুপচান্নবা থম্মোয়দা থম্বদি
নশাবী কনাই লোৎপনো,
করম্বা নঙগী ৱাশক্লো ?

লৈনম্বা লৈকাই পল্ল'ল্লুদ্রবদি
মালংবনগু নাথৈঅনি নুংশিপাও,
খ্বাংজেংবা মানশু উঙম্নবোই,
শাৎকাইব্রো লৈবাং লৈশকহেনবী ?

খঙজরে থোইমু খ্বাংজেংবও -
লৈকা ফনা শাত্নুনা,
লৈনম্বা লৈকাই পল্লাল্লুবা
মাঙ্গিকা শিঙ্গাবে ইতাখোয়,
লৈনম চোইদুনা কেনখিয়ে।

ꯈꯣꯏꯃꯨ ꯅꯇꯥꯠ ꯀꯤꯖꯗꯨꯅꯥ -
ꯅꯥꯕꯛꯇꯨ ꯂꯣꯠꯅꯥ ꯄꯣꯝꯁꯥꯠꯂꯤꯕꯤꯅꯤ
ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯥ ꯃꯁꯛ ꯈꯪꯖꯅꯤꯡꯗꯦ
ꯀꯥꯏꯅꯥ ꯃꯩꯁꯥ ꯂꯥꯡꯖꯅꯤꯡꯗꯦ,
ꯂꯩꯁꯥꯡ ꯇꯝꯕꯥ ꯉꯃꯈꯤꯕꯣꯏꯌꯦ ।

ꯄꯨꯁ꯭ꯄꯤ ꯕꯁꯟꯇꯦ ꯑꯌꯨꯛꯇꯥ -
ꯂꯩꯁꯛ ꯍꯦꯅꯕꯤ ꯅꯇꯧꯅꯥ,
ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯔꯥꯈꯜ ꯁꯨꯝꯈ꯭ꯔꯦ
ꯊꯝꯃꯣꯌ ꯂꯩꯀꯣꯟꯗ ꯁꯥꯠꯂꯕꯣ,
ꯂꯦꯞꯂꯕꯅꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤꯒꯤ ꯃꯥꯜꯂꯤ ॥

ꯀꯗꯥꯏ ꯑꯃꯨꯇꯒꯤ ꯄꯥꯠꯔꯗꯤ
ꯊꯛꯂꯒꯦ ꯈꯧꯕꯣꯝꯁꯦ ꯊꯝꯅꯥ,
ꯁꯥꯝꯅꯀꯒꯦ ꯀꯣꯏꯇꯥꯎꯕꯨ ꯇꯥꯎꯗꯨꯅꯥ
ꯍꯨꯝꯗꯨꯅꯥ ꯅꯨꯡꯁꯤꯒꯤ ꯏꯊꯛꯂꯥ,
ꯅꯤꯡꯖꯕꯥ ꯅꯦꯁꯥꯒꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ ।

খোইমু নতাৎ কীজদুনা
নাবক্তু লোৎনা পোমশাৎলিবীনি,
নুংশিবা মশক খঙজনিংদে
কাইনা মৈশা লাংজনিংদে,
লৈশাং তম্বা ঙমখিবোইযে।

পুস্পি বসন্তে অযুক্তা -
লৈশক হেনবী নতৌনা,
পুক্লীং রাখল শুমখ্রে
থম্মোয় লৈকোন্দ শাৎলবো,
লেপ্লবনি নুংশিগী মাল্লি।

কদাই অমৃতগী পাত্রদি -
থক্লগে খৌবোমসে থম্না,
শাম্নকগে কোইতাওবু তাওদুনা
হুমদুনা নুংশিগী ঈথক্লা,
নীংজবা নেশাগী ঈপাক্তা।

ꯂꯦꯡꯁꯤꯟꯕꯤꯕꯕꯣ ꯊꯝꯃꯣꯌꯒꯤ ꯑꯇꯤꯊꯤꯑꯣ -
ꯊꯥꯗꯨꯅꯥ ꯊꯝꯂꯤꯕꯥ ꯑꯁꯥꯟꯗꯥ,
ꯁꯦ꯫ ꯅꯉꯒꯤꯅꯤ ꯑꯃꯔꯤꯠꯔꯁꯦ
ꯑꯣ꯫ ꯄꯤꯛꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯀꯣ ꯃꯤꯠꯀꯨꯞ-ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯄꯀꯤ ...
ꯄꯦꯜꯂꯦ꯫ ꯍꯥ-ꯍꯥ꯫ ... ꯍꯥ-ꯍꯥ ...

ꯃꯨꯠꯊꯔꯁꯅꯨ ꯃꯥꯁꯨ ꯃꯥꯂꯦꯃꯗꯦ -
ꯂꯥꯛꯈꯤꯅꯤ ꯂꯝꯂꯥꯟꯕꯁꯤꯡ ꯂꯣꯠꯂꯝꯃꯗꯦ,
ꯊꯨꯍꯟꯈꯤꯅꯤ ꯃꯤꯕꯥꯡꯒꯤ ꯑꯗꯔꯒꯨꯂꯥꯞꯁꯤꯗꯥ
ꯆꯨꯞꯈꯤꯅꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯦ ꯄꯦꯜꯂꯥ,
ꯇꯥꯛꯂꯗꯨꯅꯥ ꯀꯅꯥꯅꯣ - 'ꯑꯩ' ॥
꯳꯰꯫꯰꯹꯫꯰꯳

লেংশিনবীববো থম্মোয়গী অতীথিও
থাদুনা থম্লিবা আশান্দা,
সে। নঙগীনি অমৃত্রসে
ও। পীকশিল্লক্লবকো মীৎকুপ মীৎকুপকী .
পেল্লে। হা-হা। ... হা-হা .

মুৎথ্রসনু মাশু মালেমদে -
লাকখিনি লম্লানবশিং লোৎলম্মদে,
থুহনখিনি মিবাংগী আদরগুলাপশিদা
চুপখিনি থম্মোয়সে পেল্লা,
তাক্লদুনা কনানো - 'ঐ'।
৩০।০৯।০৩

ꯃꯁꯣꯡ ꯐꯪꯕꯥ ꯇꯦꯂꯉ꯭ꯒꯥ

ꯁꯅꯥꯒꯤ ꯂꯤꯛꯂꯨ ꯂꯤꯛꯐꯥꯡꯅꯥ ꯉꯛꯁꯃꯗꯥ -
ꯃꯤꯠꯇꯥ ꯀꯥꯖꯜ ꯅꯥꯞꯄꯗꯥ ꯅꯥꯢꯜ,
ꯂꯨꯄꯥ ꯑꯍꯤꯡꯕꯩ ꯅꯤꯡꯊꯥꯅꯥ ꯅꯥꯎꯌꯣꯝꯂꯗꯨꯅꯥ
ꯇꯒꯨꯞ ꯇꯔꯦꯡꯂ ꯊꯔꯥꯟ ꯀꯣꯇꯤꯂꯛꯇꯥ,
ꯇꯨꯝꯈꯨꯜ ꯇꯥꯜꯂꯤ ꯊꯥꯖꯒꯤ ꯃꯣꯕꯥꯟꯕꯤ
ꯁꯥꯟꯅꯖꯦ ꯀꯣꯢꯄꯥꯢ ꯀꯣꯢꯄꯥꯢ ꯄꯥꯢꯗꯨꯅꯥ,
ꯄꯥꯝꯕꯣꯝ ꯊꯥꯡꯠꯂꯤ ꯃꯥꯂꯪ ꯏꯄꯣꯝꯗꯥ
ꯂꯩꯅꯥ ꯂꯩꯅꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯇꯃꯖꯦ,
ꯀꯥꯏꯍꯧꯕꯛꯂꯕꯗꯥ ꯃꯥꯍꯥ ꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯏꯊꯛꯂꯥ -
ꯀꯨꯝꯊꯕꯛꯇꯦ ꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯗꯨꯗꯥ ꯃꯥꯂꯦꯝꯒꯤ ꯇꯝꯕꯥꯛꯇꯦ,
ꯊꯤꯕꯗꯨꯅꯥ ꯃꯥꯂꯍꯧꯅꯕ ꯈꯝꯃꯣꯌꯒꯤ ꯁꯥꯟꯅꯐꯝ
ꯊꯣꯛꯂꯨꯅꯕꯥ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯒꯤ ꯀꯤꯕꯤꯕꯥ ꯊꯣꯛꯀꯤ,
ꯃꯥꯂꯪꯕꯩ ꯔꯥꯕꯤꯗꯥ ꯅꯣꯡꯖꯥꯕꯤ ꯃꯄꯦꯒꯤ -
ꯍꯥꯎꯔꯕꯥ ꯃꯊꯦꯜꯅꯤ ꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯈꯥꯡꯖꯥꯎ,
ꯀꯦ-ꯀꯨ ꯁꯛꯅꯣꯟ ꯄꯨꯕꯤ ꯂꯩꯆꯤꯜꯑꯣ
ꯐꯣꯡ ꯐꯣꯡ ꯁꯖꯤꯕꯨꯢ ꯅꯣꯡꯈꯣꯡꯂꯛꯇꯥ,

মশোং ফঙবা তেলঙ্গা

সনাগী লীক্লু লীকফাংনা ঙকশমদা -
মীৎতা কাজল নাপ্পদা নাঈল,
লুপা অহীংবৈ নিংথানা নাউয়োম্রদুনা
তগুপ তরেংল থরান কোতীলক্তা,
তুমখুল তাল্লি থাজগী মোবানবী
শান্নজে কোইপাই কোইপাই পাইদুনা,
পাম্বোম থাঙৎলি মালং ইপোমদা
লৈনা লৈনা জগোয তমজে
কাইহৌবক্লবদা মাহা মায়াগী ঈথক্লা -
কুমথবক্তে নিংঙাইদুদা মালেমগী তম্বাক্তে,
থিবদুনা মালহৌনব খম্মোযগী শান্নফম
থোক্লুনবা পুক্লিংগী কিবিবা থোক্কী
মালংবৈ রাবীদা নোংজাবী মপেগী
হাওরবা মথেলনি মায়াগী খাংজাও,
কে-কু শক্নোন পুবী লৈচিলও
ফোঙ ফোঙ শজীবুই নোংখোঙলক্তা,

ꯈꯞ ꯈꯞ ꯈꯣꯏꯔꯤꯒꯤ ꯂꯥꯡꯒꯣꯝ
ꯐ꯭ꯔꯪ ꯐ꯭ꯔꯪ ꯈꯣꯡꯒꯤ ꯖꯤꯟꯖꯨꯔ,
ꯏꯍꯤꯡ ꯅꯥꯍꯤꯡ ꯅꯥꯔꯦꯡꯒꯤ ꯀꯣꯝꯕꯥꯡ
ꯁꯥꯍꯤꯡ ꯉꯥꯍꯤꯡ ꯉꯥꯕꯦꯟꯊꯥꯡꯒꯤ ꯊꯥꯡꯌꯥ,
ꯁꯗꯨꯝ ꯁꯗꯨꯝ ꯁꯥꯒꯤ ꯁꯗꯟꯗꯦ
ꯃꯌꯣꯝ ꯃꯌꯣꯝ ꯄꯣꯂꯤꯊꯤꯟ ꯆꯦꯈꯥꯎꯗꯥ;
ꯃꯁꯣꯡ ꯀꯥꯝꯕꯀꯏ ꯇꯠꯂꯕꯥ ꯇꯦꯂꯪꯒꯥ -
ꯃꯅꯤꯡ ꯇꯝꯖꯩ ꯃꯥꯂꯪꯏꯍꯟꯗꯥ,
ꯄꯥꯏꯅꯤꯡꯂꯛꯂꯦ ꯄꯝꯕꯨꯡꯒꯤ ꯄꯅꯈꯦꯗꯥ ꯄꯜꯂꯣꯟꯗꯅꯥ
ꯀꯣꯏꯇꯥꯎ ꯇꯥꯎꯔꯛꯂꯦ ꯄꯨꯛꯀꯤꯡ ꯔꯥꯈꯜ,
ꯇꯥꯞ ꯇꯞ ꯊꯦꯡꯂꯨ ꯊꯦꯡꯂꯨꯁꯤꯡ
ꯇꯞ ꯇꯞ ꯌꯣꯠꯆꯥꯕꯤꯒꯤ ꯅꯨꯡꯆꯥꯕꯤ,
ꯁꯤꯡ ꯌꯥꯡꯁꯤꯜꯂꯤ ꯄꯦꯜꯂꯕꯥ ꯁꯦꯜꯂꯨꯡꯕꯥ
ꯍꯤ । ꯍꯤ । ꯍꯥ ! ꯍꯥ । ...
ꯈꯪꯂꯛꯂꯕꯗꯥ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ ! ꯈꯥꯝꯉꯝꯗꯦ ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ
ꯌꯥꯟꯅꯔꯨꯕꯩ ꯐꯀꯊꯤ ꯈꯨꯗꯥꯡ ꯄꯥꯟꯅꯣꯝ ...
ꯎꯡꯉꯤ ꯈꯨꯡ ꯒꯨꯝꯇꯤꯒꯤ ꯇꯦꯂꯪꯒꯥ

খপ খপ খোইরিগী লাঙ্গোম
ফ্রং ফ্রং খোঙগী জীঞ্জুর,
ঈহীং নাহীং নারেংগী কোম্বাং
শাহীং ঙাহীং ঙাবেনথাঙগী থাঙযা,
শদুম শদুম শাগী শদন্দে
মযোম ময়োম পোলিথিন চেখাওদা
মশোং কাম্বকই তৎলবা তেলঙ্গা -
মনীং তমজৈ মালংইহন্দা,
পাইনিংলক্লে পম্বুংগী পনখৈদা পল্লোন্দনা
কোইতাও তাওরক্লে পুক্কিং রাখল,
তাপ তপ থেংলু থেংলুশিং
তপ তপ য়োৎচাবীগী নুংচাবী,
শিং যাংশিল্লি পেল্লবা শেল্লুংবা
হী। হী ! হা ! হা ! ...
খংলক্লবদা খোঞ্জেল ! খামঙমদে খোঙজেল
যান্নরুবৈ ফকথি খুদাং পান্নোম ...
উংঙী খুং গুমতিগী তেলঙ্গা

ꯄꯜꯂꯤ ꯅꯥꯀꯦꯟꯊꯥꯒꯤ ꯎꯙꯥꯏꯁꯤꯕ ꯎꯁꯥꯁꯤꯡꯗꯥ,
ꯀꯣꯏꯅꯥ ꯄꯥꯏꯕꯛꯂꯦ ꯃꯆꯦꯠ ꯃꯆꯦꯠꯁꯤꯡ
ꯃꯥꯂꯪꯕꯅꯥ ꯆꯤꯜꯂꯤ ꯅꯥꯄꯗꯥ ꯅꯥꯆꯣꯝ,
ꯃꯥꯂꯪꯕꯃꯛꯂꯦ ꯁꯥꯟꯅꯕꯛꯂꯦ - ꯂꯥꯏꯕꯦꯟ ꯃꯊꯦꯛ
ꯍꯨꯇꯠꯂꯕꯥ ꯇꯦꯂꯉ꯭ꯒꯥꯒꯤ ꯆꯕꯜꯂꯕꯥ ꯃꯐꯨꯠꯂꯛꯇꯥ,
ꯃꯥꯂꯪꯕꯗꯥ ꯄꯜꯂꯣꯟꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯍꯪꯂꯥꯏꯒꯤ ꯇꯦꯂꯉ꯭ꯒꯥ
ꯊꯥꯗꯕꯀꯏ ꯁꯥꯏ-ꯇꯤꯡꯈꯉꯒꯤ ꯊꯥꯕꯤꯕꯥ ꯁꯩꯖꯥꯊꯛꯇꯥ,
ꯅꯣꯡꯉꯥꯜꯂꯃꯗꯥꯏ ꯂꯤꯛꯂꯥꯗꯥ ꯇꯤꯡꯂꯤ ꯌꯥꯡꯂꯤꯕꯛꯂꯕꯥ
ꯀꯨꯃꯒꯤ ꯀꯣꯝꯕꯣꯕꯤꯅꯁꯨ ꯀꯤꯗꯨꯅꯥ ꯐꯥꯖꯤꯜꯂꯕꯥ,
ꯄꯥꯏꯕꯥ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯍꯪꯂꯥꯏꯒꯤ ꯇꯦꯂꯉ꯭ꯒꯥ
ꯐꯤꯖꯣꯂꯁꯨ ꯍꯣꯡꯂꯦ ꯃꯄꯨꯒꯦ ꯁꯤꯝꯕꯥꯗꯥ ॥

꯰꯱।꯰꯶।꯰꯳

পল্লি নাকেন্থাগী উধাইশিব উশাশিংদা,
কোইনা পাইবক্লে মচেৎ মচেৎশিং
মালংবনা চীল্লি নাপদা নাচোম,
মালংবমক্ল শান্নবক্লে - লাইবেন মথেক
হুতৎলবা তেলঙ্গাগী চবল্লবা মফুৎলক্তা,
মালংবদা পল্লোন্দ্রবা হংলাইগী তেলঙ্গা
থাদবকই শাই-তীংখঙগী থাবিবা শৈজাথক্তা
নোংঙাল্লমদাই লীক্লাদা তীংলি য়াংলিবক্লবা
কুমগী কোম্বোবিনশু কীদুনা ফাজিল্লবা,
পাইবা ঙমদ্রবা হংলাইগী তেলঙ্গা
ফীজোলশু হোংলে মপুগে শিম্বাদা।

০১।০৬।০৩

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

তঙাংল তয়াল

হে পোমশাংনরিবী তঙাংল অদবগুলাপও -
কবম্নবু হোংদনুশিগে থৌগংনব্বা মীৎফমসে,
শুমহৎযাইনা শুম্রিত্র কনাগী থম্মোয
ফানযাইনবু কাবিরা তাইবঙ পুন্সি,
আশা কযাই হানৌশু চোংহল্লি
তংহল্লি মহাওশু লৈকাবক্কী লৈহী,
ওম্না থোইনবু শান্নহল্লি লৈবীকলক্তা
কাওহল্লি কনাবু কৈদনো চৎলিবা,
ওম্না নাখেথি তীঙখং তুম্মৌশিং
লাইবৈবাক্কি পুম্নমক মঙলাক্নবিবা মংলৈবাক্তা,
'দুবু ফুগাইনা শাৎলিবী অদরগুলাপও
পুক্নিং হন্বিবা হগী লৈনমদুনা,
শরু হুমদাংশিং তুম্না চাকথেক্লুনা
মরু কোক্না য়ুংলিবা উচুংশিদা,

ꯍꯨꯝꯔꯛꯂꯤꯕ ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯂꯝꯃꯩꯅꯥ ꯃꯩꯔꯥꯏꯗꯨꯅꯥ
ꯂꯥꯎ ꯈꯣꯡꯂ ꯃꯥꯏꯪꯀꯩ ꯈꯪꯗꯅ,
ꯑꯇꯤꯌꯥ ꯄꯜꯂꯥ ꯆꯥꯛꯈꯠꯂꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯩꯕꯤꯗꯨꯅꯥ
ꯆꯤꯡꯌꯥ ꯇꯃꯌꯥ ꯂꯩꯀꯨꯠ ꯂꯩꯕꯥꯏꯅꯥ,
ꯂꯝꯖꯥꯎ ꯈꯣꯟꯅꯥ ꯇꯝꯂꯥ ꯆꯥꯛꯊꯦꯛꯂꯗꯨꯅꯥ
ꯇꯥꯡꯒꯣꯏ ꯇꯥꯕꯛꯂꯦ ꯂꯦꯀꯥꯕꯛꯀꯤ ꯂꯩꯕꯤꯛ,
ꯂꯩꯍꯤꯅꯥ ꯀꯪꯈ꯭ꯔꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯅꯝꯁꯨ ꯆꯣꯏꯈ꯭ꯔꯦ
ꯀꯕꯝꯅꯥ ꯃꯨꯠꯊꯠꯀꯅꯤ ꯅꯪ ꯈꯪꯂꯕ꯭ꯔꯥ ?

꯰꯲/꯰꯷/꯰꯴

হুম্রক্লিব' মতমগী লম্মৈনা মৈরাইদুনা
লাউ খোংল মাইংকৈ খঙদন',
অতিযা পল্লা চাকখৎলক্লিবা মৈবীদুনা
চীংযা তময়া লৈকুৎ লৈবাইনা,
লমজাও খোন্না ৎম্লা চাকথেক্লদুনা
তাঙ্গোই তাবক্লে লেকাবক্কী লৈবীক,
লৈহীনা কংখ্রদুনা লৈনমশু চোইখ্রে
কবম্না মুৎথৎকনি নঙ খঙলব্রা?

০২ ০৭।০৪

ꯍꯤꯀꯊꯔꯛꯀꯕ ꯁꯧꯔꯖꯒꯠꯀꯤ ꯂꯩꯈꯨꯟ

ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯂꯩꯇꯦ। ꯆꯥꯎꯈꯠꯄꯅꯥ ꯈꯝꯊꯦꯡꯂꯗꯥ
ꯆꯞ-ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯩ। ꯃꯥꯟꯅꯕꯩ ꯁꯪꯁꯥꯕꯗꯥ।
ꯑꯣꯟꯕꯀꯏ ꯃꯤ - ꯇꯨꯝꯃꯣꯛꯀꯣꯛ ꯌꯣꯡꯃꯨꯅꯥ
ꯑꯣꯏꯕꯀꯏ ꯌꯣꯡ - ꯇꯨꯖꯣꯛꯅꯥ ꯃꯤꯅꯥ,
ꯌꯣꯡꯃꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯁꯥꯟꯅꯕꯤ ꯀꯨ-ꯃꯩ ꯃꯤꯕꯩꯕꯥꯛꯇꯥ
ꯃꯤꯌꯣꯡꯁꯤꯡ ꯁꯥꯕꯤ ꯖꯒꯣꯏ ꯌꯣꯡꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ,
ꯌꯣꯡꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ। ꯃꯤꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ।
ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯂꯩꯇꯦ ꯃꯥꯟꯅꯕ ꯅꯨꯡꯁꯛ
ꯌꯣꯡꯁꯨ ꯃꯤꯅꯤ। ꯃꯤꯁꯨ ꯌꯣꯡꯅꯤ।

ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯂꯩꯇꯦ। ꯆꯥꯎꯈꯠꯄꯅꯥ ꯈꯝꯊꯦꯡꯂꯗꯥ -
ꯆꯞ-ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯩ। ꯃꯥꯟꯅꯕꯩ ꯁꯪꯁꯥꯕꯗꯥ।
ꯑꯁꯤꯕꯅꯥ ꯇꯝꯅꯔꯤ ꯃꯈꯣꯌꯗꯤ ꯑꯍꯤꯡꯕꯅꯤ
ꯑꯍꯤꯡꯕꯅꯥ ꯂꯥꯎꯔꯤ ꯃꯈꯣꯌꯁꯨ ꯁꯤꯕꯅꯤ,
ꯍꯤꯡꯅꯥ ꯍꯤꯡꯅꯥ ꯍꯤꯡꯉꯝꯗꯅꯥ ꯁꯤꯔꯕ

হীকথরক্কবা সৌরজগৎকী লৈখুন

খেন্নবা লৈতে। চাউখৎপনা খমথেংলদা
চপ-চপ মান্নে। মান্নবে সংসাবদা।
ওন্নকই মী - তুম্মোকোক্ক যোংমুনা
ওইবকই যোং - তুজোগ্না মীনা,
য়োংমীশিংনা শান্নবি কু-মৈ মীবৈবাক্তা
মীযোংশিং শাবি জগোই যোংলৈবাক্তা,
যোংগী লৈবাক। মীগী লৈবাক।
খেন্নবা লৈতে মান্নবা নুংশক,
য়োংশু মীনি। মীশু য়োংনি।

খেন্নবা লৈতে। চাউখৎপনা খমথেংলদা
চপ-চপ মান্নে। মান্নবে সংসাবদা।
অশিবনা তম্নরি মখোয়দি অহীংবনি
অহীংবনা লাউরি মখোয়শু শিববনি,
হীংনা হীংনা হিংঙমদনা শিরব

ꯑꯁꯤꯕꯥ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯃꯪꯐꯝꯅꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ,
ꯁꯤꯅꯥ ꯁꯤꯅꯥ ꯁꯤꯡꯃꯗꯅꯥ ꯍꯤꯡꯂꯕꯥ
ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯇꯥꯏꯅꯐꯝꯅꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪ,
ꯑꯍꯤꯡꯕꯁꯨ ꯑꯁꯤꯕꯅꯤ ꯫ ꯑꯁꯤꯕꯁꯨ ꯑꯍꯤꯡꯕꯅꯤ ꯫

ꯈꯦꯟꯅꯕꯥ ꯂꯩꯇꯦ ꯫ ꯆꯥꯎꯈꯠꯄꯅꯥ ꯈꯃꯊꯦꯡꯂꯗꯥ -
ꯆꯞ-ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯩ ꯫ ꯃꯥꯟꯅꯕꯩ ꯁꯪꯁꯥꯕꯗꯥ ꯫
ꯄꯥꯁꯨ ꯄꯤꯅꯤ - ꯄꯤꯁꯨ ꯄꯥꯅꯤ
ꯈꯦꯟꯅꯕꯥ ꯂꯩꯇꯦ ꯄꯥꯒꯥ ꯄꯤꯒꯥ,
ꯄꯥ ꯑꯣꯟꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯄꯤ ꯀꯌꯥꯅꯥ
ꯄꯤ ꯀꯌꯥꯕꯨ ꯄꯥ ꯑꯣꯍꯣꯛꯏ,
ꯄꯤ ꯑꯣꯟꯉꯃꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯄꯥ ꯀꯌꯥꯕꯨ
ꯄꯥ ꯑꯣꯍꯣꯛꯏ ꯄꯤ ꯀꯌꯥꯅꯥ,
ꯄꯥꯒꯥ ꯄꯤꯒꯅꯥ ꯁꯦꯝꯃꯤ - ꯄꯥ + ꯄ + ꯄꯤ ॥

অশিবা কয়াগী মংফম্নি মালেম,
শিনা শিনা শিঙমদনা হীংলবা
অহীংবা কয়াগী তাইনফম্নি তাইবঙ,
অহীংবশু অশিবনি। অশিবশু অহীংবনি।

খেন্নবা লৈতে। চাউখৎপনা খমথেংলদা
চপ-চপ মান্নৈ। মান্নবৈ সংসাবদা।
পাশু পীনি - পীশু পানি
খেন্নবা লৈতে পাগা পীগা,
পা ওনঙমদ্রবা পী কয়ানা
পী কয়াবু পা ওহোকই,
পী ওনঙমদ্রবা পা কয়াবু
পা ওহোকই পী কয়ানা,
পাগা পীগনা শেম্মী 'পা + প + পী'।

ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯂꯩꯇꯦ। ꯆꯥꯎꯈꯠꯄꯅꯥ ꯈꯃꯊꯦꯡꯂꯗꯥ -
ꯆꯞ - ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯦ। ꯃꯥꯟꯅꯕꯩ ꯁꯪꯁꯥꯕꯗꯥ।
ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤꯅꯥ ꯎꯡꯂꯤ ꯃꯥꯇꯨꯒꯤ ꯑꯦꯛꯁꯤꯁꯇꯥ
ꯊꯕꯣ ꯃꯕꯣ ꯀꯥꯡꯁꯨꯒꯤ ꯀꯥꯡꯗ꯭ꯔꯨꯝꯒꯨꯝ
ꯗꯨꯕꯨ ꯈꯣꯝꯗꯣꯕꯀꯏ ꯁꯥꯟꯅꯕꯨꯡꯒꯤ ꯕꯥꯡꯃꯗꯥ
ꯇꯨꯝꯈꯠꯅ ꯕꯛꯂꯤꯕ ꯁꯥꯟꯅꯕꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯑꯅꯧꯕ ꯃꯁꯥꯟꯅꯗꯥ
ꯅꯥꯍꯣꯡꯛꯂꯨꯅꯥ ꯄꯥꯏꯍꯤ ꯁꯥꯐꯨꯅꯥ ꯄꯨꯡꯔꯣꯝꯗꯥ
ꯛꯔꯣꯛ। ꯛꯔꯣꯛ। ꯛꯔꯣꯛ ꯂꯩꯈꯨꯟꯗꯨꯗꯥ
ꯄꯦꯜꯂꯣꯀꯣ ꯅꯡꯕꯨ ꯍꯦꯏꯕꯦꯅꯊꯦ।

꯱꯵।꯰꯷।꯰꯴

খেন্নবা লৈতে। চাউখৎপনা খমথেংলদা
চপ-চপ মান্নে। মান্নবৈ সংসাবদা।
পৃথিবীনা উংলি মাত্তুগী এক্সিশতা
থবো মবো কাংশুগী কাংদ্রুমগুম,
'দুবু খোমদোবকই শান্নবুঙগী বাংমদা
তুমখৎন বক্লিবা শান্নবোইশিংনা অনৌবা মশান্নদা,
নাহোংক্লুনা পাইহি শাফুনা পুংরোমদা
ক্রোক। ক্রোক। ক্রোক লৈখুন্দুদা,
পেল্লোকো নঙবু হেইবেনথে।

১৫।০৭।০৪

ꯊꯥꯖꯒꯤ ꯃꯆꯥ ꯃꯣꯕꯥꯅꯕꯤ

ꯀꯣꯕꯧ ꯃꯉꯥꯜꯒꯤ ꯁꯨꯃꯪꯗ -
ꯅꯣꯡꯃꯩ ꯊꯧꯅꯥꯏ ꯄꯥꯡꯗ꯭ꯔꯤꯡꯉꯦ
ꯅꯣꯡꯊꯥꯏꯕꯛꯂꯦ ꯑꯍꯤꯡꯒꯤ ꯆꯥꯕ
ꯎꯕꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯁꯀꯨꯡꯍꯟꯕ ꯃꯥꯂꯪꯕꯅ ।
ꯃꯤꯄꯥꯏꯖꯕ ꯃꯤꯄꯥꯏꯆꯥꯎꯕꯤ ꯊꯥꯖꯁꯨ
ꯂꯩꯆꯤꯜꯒꯤ ꯃꯊꯥꯟꯅꯨꯡꯗꯗꯨꯝ ꯂꯦꯡꯈ꯭ꯔꯦ ॥

ꯀꯣꯕꯧꯒꯤ ꯃꯁꯦꯛꯀ ꯌꯦꯡꯕꯗ -
ꯃꯤꯠꯆꯟꯕꯛꯂꯦ ꯊꯥꯖ ꯊꯔꯥꯟꯁꯤꯡ
ꯎꯊꯛꯂꯕꯝꯕꯁꯤꯡꯁꯨ ꯃꯃꯤ ꯁꯥꯃꯗ꯭ꯔꯦ
ꯍꯣꯏ ꯍꯥ ꯍꯧ-ꯍꯥ ।
ꯃꯤꯠꯀꯞ ꯊꯣꯕꯛꯂꯦ ꯊꯥꯖ ।
ꯍꯩ ꯍꯥ ꯍꯧ-ꯍꯥ ।

থাজগী মচা মো'বানবী

কো'বৌ মঙ্গ'লগী শুমং'দ
নো'ংমৈ থৌ'ণ'ই পাংদ্রিঙে,
নোং থাইবক্লে অহিংগী চাবা
উবিগদ্রা শকুংহনবা মালংবনা
মীপা'ইজব মীপা'ইচাউবী থাজশু
লৈচীলগী মথানুংদদুম লে'ংখ্রে।

কোবৌ মশেক্ক' ঈযবদা
মীৎ'চনবক্লে থাজ থরানশিং,
ওথক্লবম্বশিংশু মমি শা'মত্রে
হোই হা হৌ হা।
মীৎকপ থোবক্লে থাজ।
হৈ হা হৌ হা।

[illegible]

[illegible]

পুন্সি তাই-ঙ খোঙচত্রা
চাকথকুর থরায হকচাংনা,
অথেংবা অহিংগী অতিযাদা
নদোম নৈং শাং তম্বদি,
নতাবোই ননা তাক্লমদা
পুক্লিং হুন্নবা থাবক্লেনি ।

খরান থর্নগী মোবানবীও
কাইতান তাম্লদুনা শম্লজৈ,
নাংযাই ঈতুগী নউশুমদা
থক্ক থেং নৌগ-নৌ মালহৌম্লা,
মাইবেন নথেক্কী শাথেক্কুগুম
যম্মে য পাথোকচৈ হাজও ।

ꯈꯨꯁ ꯌꯦꯡꯂꯨꯏ ꯀ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯅꯗꯨꯅꯤ -
ꯀꯨꯞꯊꯣꯕꯛꯀꯦ ꯊꯥꯒꯤꯗꯨꯒꯤ ꯁꯨꯕꯅꯤ,
ꯄꯪꯅꯨꯡꯗ ꯃꯅꯨꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗ
ꯄꯪꯄꯦꯟꯗ ꯃꯄꯦꯟꯖꯩ ꯄꯨꯛꯔꯤꯡꯗ,
ꯑꯉꯥꯟꯕꯗ ꯎꯉꯃꯗꯕ ꯑꯅꯝꯕꯗꯨꯒꯤ
ꯑꯉꯥꯟꯕꯗ ꯎꯉꯝꯕ ꯑꯅꯝꯕꯅꯤ ॥

ꯙ꯭ꯔꯨꯕꯇꯥꯔꯥꯒ ꯁꯥꯟꯅꯃꯤꯟꯅꯕꯁꯨ ꯃꯐꯖꯩ -
ꯅꯤꯡꯊꯧ-ꯇꯨꯔꯦꯟꯒ ꯂꯦꯟꯅꯣꯝꯅꯕꯁꯨ ꯃꯄꯛꯆꯩ.
ꯁꯨꯔ꯭ꯌꯒꯤ ꯂꯩꯀꯣꯜ ꯇꯃꯍꯟ
ꯈꯣꯡꯖꯣꯝꯅꯨꯕꯤꯁꯤꯡꯒ ꯖꯒꯣꯏ ꯇꯃꯍꯟ.
ꯅꯣꯝ-ꯅꯣꯝ ꯒꯦꯂꯦꯛꯁꯤ ꯇꯣꯡ
ꯄ꯭ꯂꯨꯇꯣꯒꯤ ꯂꯃꯆꯝꯗꯨ ꯄꯥꯡꯍꯜꯂꯤ ।

꯱꯵/꯰꯸/꯰꯴

খুঃ য়েংলুই কৃষ্ণদুনি
কুপথোবক্কে থাগিদুগী শুবনি,
পংনুংদ মনুংগি থম্মোযদা
পংপেন্দা মপেনজৈ পুক্রিংদা,
অঙানবদ উঙমদবা অনম্বদুগী
অঙানবদা উঙম্রবা অনম্বনি ।

ধ্রুবতারাগা শান্নমিন্নবশু মফজৈ
নিংথৌ তুরেনগা লেন্নোম্নবশু মপকচৈ,
শূর্ণগী লৈকোল তমহন
খোংজোম্নুবীশিংগা জগোই তমহন,
নোম নোম গেলেক্সি তোং
প্লুটোগী লমচমদু পাংহল্লি ।

১৬/০৭/০৪

ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯀꯨꯝꯚꯥ-ꯀꯔꯟ

ꯉꯨꯡ ꯉꯨꯡ ꯉꯡꯂꯗꯨꯅꯥ -
ꯂꯥꯎ ꯈꯣꯡꯅꯥ ꯍꯧꯒꯠꯂꯛꯂꯦ
ꯍꯨꯏꯕ ꯀꯥꯏꯕꯁꯤꯕ ꯀꯨꯝꯚꯥ-ꯀꯔꯟ ꯫

ꯁꯥꯃꯨ ꯈꯣꯡꯖꯥꯎ ꯈꯣꯡꯄꯥꯛꯂꯥ -
ꯆꯕꯦꯠ ꯆꯕꯦꯠ ꯅꯦꯠꯈꯥꯏꯕꯦ
ꯑꯎ ꯑꯎꯕꯥ ꯖꯤꯕꯁꯤꯡ ꯫

ꯈꯨꯠꯇꯥꯛ ꯂꯥꯟꯁꯤꯕꯦ ꯂꯝꯃꯩꯁꯦ -
ꯂꯣꯟꯖꯥ ꯂꯣꯠꯆꯨꯞꯄꯅꯥ ꯄꯥꯏꯕꯛꯂꯕꯥ
ꯂꯡꯖꯥ ꯋꯥꯛꯁꯨ ꯍꯟꯅꯈ꯭ꯔꯦ ꯫

ꯆꯥꯛꯂꯦꯟꯕꯤ ꯍꯨꯏꯌꯤꯡ ꯈꯣꯡꯌꯥꯝꯕꯤꯁꯤꯡ -
ꯉꯡꯅꯥ ꯉꯡꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯝꯕꯗꯤ
ꯁꯤꯡꯃꯤꯠ ꯁꯤꯡꯅꯥꯡꯂꯛꯇꯕꯨ ꯋꯥꯍꯈ꯭ꯔꯦ ꯫

কলিগী কুমভা-কর্ন

ঙুং ঙুং ঙংলদুনা
লাউ খোংনা হৌগৎলক্লে,
হুৰা কাইবধা কুমভা-কর্ন।

শামু খোঙজাও খোঙপাক্লা -
চবেৎ চবেৎ নেৎখাইবে,
অউ অউবা জীবশিং।

খুত্তাক লানশিবে লম্মৈসে -
লোনজা লোচ্চুপ্পনা পাইবক্লবা,
লংজা ৱাকশু হন্নখ্রে

চাক্লেনবী হুযিং খোঙযাম্বীশিং
ঙংনা ঙংনা পাইরম্বদি,
শিংমীৎ শিংনাংলক্তবু বাহখ্রে।

ꯊꯔꯥꯏ ꯖꯤꯕꯁꯤꯡ ꯑꯣꯕꯛꯇꯨꯕꯗꯥ -
ꯈꯣꯡꯒꯨꯜꯂꯛꯇꯦ ꯁꯛ ꯁꯌꯥꯡꯁꯤꯡ,
ꯅꯥꯁꯣꯟꯅꯕ ꯆꯤꯕꯣꯜ ꯐꯥꯕꯣꯟꯅꯕꯛꯂꯦ।

ꯃꯥꯅꯕ - ꯅꯪꯅꯕ - ꯍꯧꯗꯣꯛꯂꯨꯕꯤꯕꯁꯦ -
ꯈꯪꯂꯦꯗꯅ - ꯎꯕꯦꯗꯅ ꯇꯥꯕꯦꯗꯅ,
ꯃꯥꯁꯨ - ꯅꯪꯁꯨ - ꯑꯩꯁꯨ।

꯱꯷/꯰꯷/꯰꯴

থরায জীবশিং ওবক্তুবদা
খোঙগুল্লক্তে শক্ শযাংশিং,
নাশোন্ননা চিবোল্ ফাবোন্নবক্লে।

মানবা নঙনবা হৌদোক্লুবিবসে
খঙলেদনা উবেদনা তাবেদনা.
মাশু নঙশু ঐশু।

১৭/০৭/০৪

ꯄꯟꯊꯨꯡ

ꯊꯔꯥꯏ ꯌꯥꯎꯗ꯭ꯔꯕ ꯍꯦ ꯑꯁꯤꯕ -
ꯑꯁꯤꯕ ꯅꯎꯇꯅꯤ ꯑꯍꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯅ ꯉꯥꯏꯔꯤꯕꯁꯦ...
ꯍꯤꯡꯂꯤꯉꯩꯗ ꯂꯥꯛ-ꯐꯥꯟ ꯊꯔꯥꯏꯁꯤꯡꯕꯨ ꯅꯥꯎꯊꯦꯟꯗ꯭ꯔꯨꯅ...
ꯕꯥꯔꯇꯣꯟ ꯇꯧꯗꯅ ꯐꯝꯖꯤꯜꯂꯔꯤꯕ ꯑꯇꯤꯊꯤꯅ,
ꯃꯣꯃꯣꯟ ꯅꯣꯛꯅ ꯐꯥꯒꯤ ꯇꯧꯔ
ꯌꯣꯡꯇꯥꯠꯐꯥꯎ ꯇꯧꯗꯨꯅ ꯁꯔꯣꯂꯥꯡ ꯊꯥꯛꯀꯔꯤ,
ꯇꯥꯟꯕ ꯉꯝꯂꯨꯗ꯭ꯔꯕ ꯄꯨꯡꯐꯝꯗꯨ ꯐꯥꯎꯕ...
ꯃꯄꯨ ꯃꯥꯒꯤꯗꯤ ꯁꯤꯍꯥꯅꯤ ꯄꯥꯡꯂꯤꯕ
ꯇꯥꯏꯕꯪꯒꯤꯗꯤ ꯁꯩꯍꯧꯗꯨꯒꯤ ꯁꯦꯔꯣꯏꯅ ꯄꯟꯊꯨꯡꯅꯤ ॥

꯱꯷।꯰꯷।꯰꯴

পন্থুং

থরায় যাওদ্রবা হে অশিবা -
অশিবা নওতনি অহিংবশিংনা ঙাইরিবসে ...
হীংলিঙৈদা লাক্ল-ফান থরায়শিংবু নাউথেন্দ্রদুনা ...
বার্তোন তৌদনা ফমজিল্লরিবা অতীথিনা,
মোমোন নোক্তনা ফাগী তৌর
য়োংতাৎফাও তৌদুনা শরোলাং থাক্করি,
তানবা ঙমলুদ্রবা পুংফমদু ফাওবা...
মপু মাগীদি শিহানি পাংলিবা
তাইবঙগীদি শৈহৌদুগী শেরোইনা পন্থুংনি ।

১৭।০৭।০৪

ꯋꯥꯏꯈꯨꯁꯣ

ꯂꯣꯟꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯌꯥꯝꯕꯔꯤꯕ ꯋꯥꯏꯅꯨꯒꯤ ꯋꯥꯏꯈꯨꯁꯣ -
ꯈꯣꯡꯗꯅ ꯆꯤꯛꯄ ꯇꯥꯎꯕꯅꯤ ꯅꯉꯁꯦ,
ꯃꯤꯅꯝ ꯁꯣꯔꯤꯕ ꯇꯞꯇꯥꯒꯨꯝꯕ ꯀꯅꯥꯗ
'ꯗꯨꯒ ꯁꯤꯁ꯭ꯌꯥ ꯄꯥꯡꯂꯤꯕ ꯋꯥꯏꯈꯨꯅꯤ,
ꯕ꯭ꯔꯥꯃꯍꯟ, ꯕꯩꯁ꯭ꯅꯕ, ꯔꯤꯁꯤꯁꯤꯡꯗ ॥

ꯅꯉꯇꯅ ꯐꯥꯖꯤꯜꯂꯤ ꯍꯥꯏꯗꯣꯛ ꯍꯥꯏꯖꯤꯜꯂꯤꯕ -
ꯆꯪꯊꯣꯛ ꯆꯪꯁꯤꯟ ꯊꯣꯡꯕꯥꯒ ꯊꯣꯡꯅꯥꯒ,
ꯌꯥꯊꯪ ꯄꯥꯡꯕꯅ ꯅꯉꯒꯤ ꯋꯥꯁꯛꯀꯤ
ꯋꯥꯁꯛ ꯉꯥꯛꯄꯅ ꯅꯉꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯅꯤ,
ꯄꯨꯟꯁꯤꯅ ꯄꯤꯈꯝꯅꯗ꯭ꯔꯤꯝꯈꯩ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯤꯅꯤ ꯁꯤꯁ꯭ꯌꯥꯗꯨꯒꯨ ॥

ৱাইখুশো

লোনশিন্দুনা য়াম্বরিবা ৱাইনুগী ৱাইখুশো -
খোংদনা চীকপা তাওবনি নঙসে,
মীনম শোরিবা তপ্তাগুম্বা কনাদা
'দুগা শিষ্যা পাংলিবা ৱাইখুনি,
ব্রামহন, বৈষ্ণব, ঋসিশিংদা

নঙতনা ফাজিল্লি হাইদোক হাইজিল্লিবা -
চংথোক চংশিন থোঙবাগা থোঙনাগা,
য়াথং পাংবনা নঙগী ৱাশক্কি
ৱাশক ঙাকপনা নঙগী পুন্সিনি,
পুন্সিনা পীখম্নদ্রিমখৈ পাংথোক্লিনি শিষ্যাদুগু

ꯁꯤꯜꯂꯝ ꯁꯤꯡꯒꯅꯥ ꯁꯤꯜꯂꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯁꯤꯜꯂꯪꯂꯤꯉꯩ -
ꯄꯥꯝꯕꯥ ꯀꯩꯔꯦꯜ ꯀꯩꯖꯥꯎꯕꯥ ꯇꯦꯊꯕꯀꯩ
ꯃꯤꯕꯣꯜ ꯊꯣꯕꯀꯩ ꯂꯝꯂꯛꯀꯤ ꯇꯦꯅꯕꯥ
ꯁꯥꯏꯕꯦꯜ ꯆꯅꯁꯤꯜꯂꯤ ꯃꯤꯅꯝꯕꯥ ꯁꯥꯅꯝꯕꯥ
ꯑꯃꯝꯕꯗꯨ ꯂꯥꯛꯁꯤꯜꯂꯤ ꯑꯉꯥꯟꯕꯩ ꯅꯨꯡꯁꯛꯂꯥ ॥

ꯍꯥꯁꯤ ꯊꯔꯅꯤ ꯃꯩꯇꯡꯄꯥ ꯌꯣꯡꯃꯨꯅꯥ -
ꯅꯃꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯐꯖꯤꯜꯂꯤꯁꯤꯡ ꯁꯥꯕꯡꯅꯨꯡꯗꯥ ꯔꯥꯏꯈꯨꯁꯣꯅꯥ
ꯆꯥꯛꯈꯠꯂꯛꯂꯕꯗꯇꯥ ꯃꯩꯕꯤꯗꯨꯅꯥ ꯀꯥꯞ-ꯊꯣꯔꯀꯩ ꯃꯩꯀꯥꯞꯄꯤ
ꯆꯝꯕꯣꯕꯀꯩ ꯇꯥꯡꯒꯣꯏꯕꯛꯇꯦ ꯁꯅꯥ ꯑꯍꯤꯡꯕꯥ
ꯃꯄꯨꯒꯤ ꯆꯥꯏꯃꯟꯅꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯃꯤꯕꯛꯔꯦꯟꯗꯥ ॥

꯲꯷/꯰꯷/꯰꯴

শিল্লম শিঙ্গনা শিল্লোংদুনা শিল্লংলিঙৈ
পাম্বা কৈরেল কৈজাওবা তেথবকই,
মীবোল থোবকই লম্লক্কী তেনবা,
শাইবেল চনশিল্লি মীনম্বা শানম্বা
অমম্বদু লাকশিল্লি অঙানবৈ নুংশক্লা ।

হাশি থরনণী মৈতংপা য়োংমুনা
নমশিন্দুনা ফাজিল্লিশিং শাবংনুংদা রাইখুশোনা,
চাকখৎলক্লবদতা মৈবিদুনা কাপথোরকই মৈকাপ্পী
চম্বোবকই তাঙ্গোইবক্তে সনা অহীংবা,
মপুগী ছায়ম্নি তাইবঙ মীবক্রেন্দা ।

২৭।০৭।০৪

ꯌꯨꯈꯜ

ꯑꯃꯝꯕ ꯌꯨꯈꯜ ꯃꯀꯨꯝꯗ - ꯇꯨꯃꯤꯡ ꯌꯨꯕꯥꯁꯤꯡ -

ꯊꯨꯄꯆꯥꯟꯅꯔꯤ꯫ ꯍꯦꯡꯒꯥꯏꯕꯤ꯫ ꯐꯣꯡꯚꯤ ꯀꯨꯝꯃꯩꯗꯤ ...

ꯏꯊꯦꯡꯗꯤ ꯀꯥꯞꯊꯣꯕꯀꯤ ... ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯕꯤꯕ ꯄꯤꯁꯀꯥꯕꯁꯤꯡ ...

ꯕꯥꯍꯪꯁꯤꯡꯒꯤꯅꯥ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝꯁꯤꯡ...ꯕꯥꯍꯜꯂꯣꯀꯤꯁꯨ ꯅꯨꯡꯍꯜꯂꯣꯀꯁꯤꯡ ...

ꯂꯣꯏꯄꯣꯡ ꯀꯥꯕꯤ ... ꯈꯟꯗ ꯞꯔꯂꯌꯒꯤ ...

꯲꯲/꯰꯷/꯰꯸

যুখল

অমম্বা যুখল মকুমদা তুমিং যুবাশিং
থুপচান্নরি। হেংগাইবি। ফোংভী কুম্মৈদি
ঈথেংদি কাপথোবকি জগোই শাবিবা পীশকাবশিং
বাহংশিংগীনা পাউখুমশিং বাহল্লোকীশু নুংহল্লোকশিং
লোইপোং কাবি খন্দ প্রলয়গী

২২।০৮।০৮

ꯔꯥꯃꯩꯒꯤ ꯃꯩꯔꯤ

ꯑꯃꯝꯕ ꯌꯨꯈꯂꯒꯤ ꯊꯥꯀꯟ ꯇꯕꯦꯠꯅꯤ ꯈꯜꯂꯤꯕ - ꯐꯤꯖꯪ -
ꯃꯃꯤꯐꯥꯎꯕꯅ ꯂꯣꯠꯉꯝꯗꯔꯀꯥꯟ ... ꯁꯟꯅꯔꯛꯂꯦ ꯀꯨꯝꯃꯩ-ꯃꯀꯨꯁꯤꯡ ...
ꯂꯥꯕꯣꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯐꯤꯊꯨꯞ ꯀꯌꯥꯅꯤ ꯀꯨꯞꯁꯤꯜꯂꯤꯕ ...ꯃꯩꯕꯤ -
ꯍꯪꯉꯥ ꯅꯥꯎꯊꯦꯝꯃꯤ ... ꯐꯤꯒꯣꯟ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯅꯥꯎꯌꯣꯝꯃꯨꯡꯗ ...ꯃꯩꯕꯕ ...
ꯇꯞꯄ ꯂꯥꯛꯂꯦ...ꯎꯟ-ꯔꯥꯏꯃꯨꯛ ꯄꯨꯝꯆꯤꯛ...ꯉꯪꯂꯝꯕ ꯀꯄꯇ꯭ꯔꯦꯡꯗꯨ -
ꯉꯥꯟꯊꯛ ꯐꯥꯜꯂꯇꯨꯡ ꯃꯥꯂꯪꯕ ...ꯁꯥꯒꯜ ꯆꯤꯡꯂꯛꯂꯦ ... ꯀꯤꯆꯕꯦ ꯎꯠꯄꯨꯡ

꯰꯷/꯰꯹/꯰꯴

রামৈগী মৈরী

অমম্বা যুখলগী থাকন তবেৎনি খল্লিবা - ফিজং -
মমিফাওবনা লোৎঙমদ্রকান ... শান্নরক্লে কুম্মৈ - মকুশিং ...
লাবোল কয়াগী ফিথুপ কয়ানি কুপশিল্লিবা ... মৈবি -
হংঙা নাওথেম্মী ... ফিগোন কয়াগী না'ওযোমুংদা ... মৈব'বা ...
তপ্পা লাক্লে! ... উন রাইমুক পুমচীক - ঙংলম্বা কপত্রেংদু -
ঙানথক ফাল্লতুং মালংবা.. শাগল চিংলক্লে ... কীছবে উৎপুং।

০৭।০৯।০৪

ꯈꯣꯏꯊꯨꯝꯅꯔ ꯈꯣꯏꯍꯤꯒꯤ ꯈꯌꯥꯛꯂꯔꯥ ꯃꯍꯥꯎ

ꯃꯤꯡꯁꯦꯟꯒꯤ ꯐꯝꯕꯥꯛꯇꯥ ꯑꯣꯛꯁꯃꯦꯟꯗꯤꯌꯁꯀꯤ ꯃꯨꯇꯤꯒꯨꯝ -
ꯂꯝꯂꯣꯡꯗꯥ ꯂꯦꯞꯂꯤ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯒꯦꯠ,
ꯄꯣꯝꯕꯥ ꯄꯤꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯁꯥꯍꯤꯠ ꯀꯌꯥꯕꯨ
ꯁꯅꯥꯒꯤ ꯀ꯭ꯂꯥꯒꯣꯛꯇꯥ ꯂꯨꯄꯥ'ꯍꯤꯡꯕꯅꯥ ꯍꯛꯂꯤ,
ꯑꯎꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯕꯨ ꯆꯤꯡꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯥ ꯃꯦꯒꯅꯦꯇꯅꯤ ॥

ꯑꯃꯝ ꯂꯣꯛꯇꯦ ꯅꯥꯊꯩꯔꯛꯈꯤꯕꯥ ꯈꯣꯡꯌꯥꯝꯕꯤꯁꯤꯡ -
ꯊꯨꯡꯂꯨꯗꯨꯅꯥ ꯀꯥꯏꯗꯣꯡꯂꯦ ꯉꯥꯏꯍꯥꯛ ꯃꯤꯠꯀꯨꯞ'ꯃꯥ,
ꯃꯤꯠꯆꯤ ꯈꯠꯂꯤ ꯆꯤꯔꯣꯜ ꯐꯥꯔꯣꯝꯅꯦ,
ꯀꯨꯝꯃꯦꯗꯨꯝ ꯁꯥꯟꯅꯦ ꯅꯥꯔꯣꯟꯗ - ꯅꯨꯡꯂꯣꯟ
ꯃꯌꯥꯏ ꯀꯥꯏ - ꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯐꯝꯕꯥꯛꯇꯥ ॥

ꯀꯥꯅꯤ, ꯍꯤꯗꯥꯛꯃꯅꯥ, ꯄꯥꯟ ꯀꯌꯥꯅꯤ -
ꯃꯆꯨ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯅꯨꯡꯆꯨꯞꯇ ꯀꯌꯥꯅꯤ,
ꯂꯦꯞꯄꯨꯅꯥ ꯁꯪꯂꯤ ꯆꯦꯝꯕꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯅꯨꯡꯗꯨꯔꯅꯥ,
ꯀꯨꯆꯨ ꯑꯣꯜꯂꯦ ꯁꯀꯑꯣꯡ ꯀꯥꯏꯔꯦ,
ꯄꯤꯔꯥꯡꯕꯨ ꯁꯤꯝꯕꯔꯦ ꯃꯥꯂꯤ ꯃꯥꯗꯤ ॥

খোইথুম্নর খোইহিগী খয়াক্লরা মহাও

মীঙশেনগী ফম্বাক্তা ওক্সমেন্দিযশকী মুটিগুম -
লম্লোংদা লেপ্লি ইন্দিযা গেৎ,
পোম্বা পীখ্রবা সাহিৎ কযাবু
সনাগী ক্লাগোক্তা লুপা'হীংবনা হক্লি,
অউবশিংগী পুক্লিংবু চিংশিল্লিবা মেগনেটনি।

অমম লোক্তে নাথৈরকখিবা খোঙযাম্বীশিং -
থুংলুদুনা কাইদোংলে ঙাইহাক মীৎকুপ'মা,
মীৎচি খৎলি চিরোল ফারোম্নে,
কুম্মেদুম শান্নে নারোন্দ - নুংলোন
মযাই কাই - মাযাগী ফম্বাক্তা।

কানী, হীদাকমনা, পান কয়ানি -
মচু কযাগী নুংচুপ্ত কয়ানি,
লেপ্পুনা শংলি চেম্বরক্লিবা নুংদুরনা,
কুচু ওল্লে শকওং কাইরে,
পিরাংবু শিম্বরে মালি মাদি।

ꯈꯣꯏꯍꯤꯇꯕꯨ ꯅꯤꯡꯖꯕ ꯈꯣꯏꯔꯕ ꯈꯣꯏꯔꯕꯤ -
ꯏꯔꯣꯏꯗꯨꯅ ꯁꯟꯅꯖꯦ ꯈꯣꯏꯍꯤ ꯍꯤꯗꯦꯟꯗ,
ꯍꯤ-ꯍꯤ ꯅꯣꯛꯆꯦ ꯀꯣꯏꯇꯥꯎ ꯇꯥꯎꯗꯨꯅ,
ꯌꯩꯔꯛꯂ ꯂꯨꯝꯕꯨ-ꯂꯨꯝꯕꯨ ꯀꯣꯔꯧꯒꯤ ꯃꯁꯦꯛꯂ
ꯅꯄꯁꯤꯜꯂꯤ ꯆꯅꯞ-ꯆꯅꯞ ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯅꯧꯔꯦꯜ ॥

ꯈꯧꯒꯉꯕ ꯊꯝꯃꯣꯌꯅ ꯈꯧꯔꯥꯡꯕ ꯀꯣꯛꯂꯕꯗ -
ꯂꯃꯍꯦꯜꯂ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯅꯤꯡꯉꯥꯏ ꯂꯦꯞꯈ꯭ꯔꯦ,
ꯀꯤꯟꯊꯔꯛꯂꯦ ꯌꯥꯜꯂꯕ ꯁꯔꯨ ꯍꯨꯃꯗꯥꯡꯁꯤꯡ,
ꯐꯥꯡꯃꯗ꯭ꯔꯦ ꯊꯔꯥꯏ ꯑꯇꯤꯡꯉꯥ, ꯐꯥꯎꯔꯛꯂꯦ
ꯈꯣꯏꯊꯨꯝꯅꯔꯥ ꯈꯣꯏꯍꯤꯒꯤ ꯈꯌꯥꯛꯂꯔꯥ ꯃꯍꯥꯎ ॥

꯲꯱/꯱꯲/꯰꯴

খোইহিতবু নীংজবা খোইরাবা খোইরাবী
ঈরোইদুনা শান্নজে খোইহি হীদেন্দা,
হি-হি নোকচে কোইতাও তাওদুনা,
য়ৈরক্ল লুম্বু-লুম্বু কোরৌগী মশেক্লা
নপশিল্লি চনপ-চনপ মশাগী নৌরেল ।

খৌগঙবা থম্মোয়না খৌরাংবা কোক্লবদা
লমহেল্ল পুক্লিং নীংঙাই লেপখ্রে,
কীন্থরক্লে য়াল্লবা শরু হুমদাংশিং,
ফাঙমদ্রে থরায় অতীংঙা, ফাওরক্লে -
খোইথুম্নরা খোইহিগী খয়াক্লরা মহাও ।

২১।১২।০৪

ꯂꯝꯕꯤ

ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯍꯥꯌ - ꯍꯨꯏꯗꯤ ꯁꯥꯅꯤ,
ꯅꯪꯗꯤ ꯌꯥꯗꯦ - ꯇꯥꯎꯕꯗꯤ ꯏꯇꯥꯎꯅꯤ,
ꯃꯥꯅꯁꯨ ꯎꯠꯂꯤ - ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯗꯤ ꯃꯀꯄ꯭ꯔꯤ,
ꯅꯈꯣꯌ ꯑꯅꯤꯅꯅꯤ ꯇꯠꯇꯅꯥ ꯃꯥꯏꯊꯤꯍꯟꯈꯤꯕꯥ,
ꯀꯌꯥꯕꯛꯂꯤ ꯃꯤꯅꯝꯈꯤꯕꯁꯨ ꯊꯝꯃꯣꯌꯅꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯕꯨ,
ꯊꯦꯝꯉꯝꯈꯤꯗꯦ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯅꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯨꯕꯨ ꯈꯨꯗꯨꯝꯆꯦꯠꯅꯥ,
ꯆꯤꯡꯈꯠꯂꯛꯀꯕꯗꯥ ꯗꯣꯜꯂꯥꯏꯊꯛꯇꯥ ꯅꯪꯅꯥ ꯃꯥꯕꯨ -
ꯅꯍꯥꯛꯀꯗꯤ ꯃꯨꯟꯊꯤ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯃꯇꯧꯗꯨꯗꯥ,
ꯅꯦꯁꯥꯗꯥ ꯇꯥꯎꯗꯨꯅꯥ ꯅꯪꯅꯥ ꯃꯪꯐꯥꯎꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩ -
ꯇꯝꯅꯕꯥꯏꯅꯥ ꯃꯉꯂꯥꯛꯂꯕꯤꯉꯩ ꯆꯣꯡꯊꯈꯤꯕꯥ ꯎꯍꯧꯗꯦ,
ꯀꯥꯎꯉꯝꯗ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯍꯥꯎꯗꯨꯅꯥ ꯂꯤꯆꯤꯡꯗꯨꯗꯥ ꯆꯣꯡꯊꯍꯟꯈꯤ,
ꯆꯣꯡꯈꯠꯂꯀꯏ ꯑꯃꯨꯛꯁꯨ ꯃꯥꯗꯤ ꯑꯃꯝꯕꯗꯦ,
ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯤ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯨꯝ ꯅꯪꯕꯨ ꯍꯧꯗꯣꯀꯏ,
ꯂꯤꯕꯤ ꯃꯕꯨꯙꯧꯒꯤ ꯃꯕꯦꯝꯚꯧꯒꯤ ꯔꯥꯕꯤꯁꯤꯡ,
ꯅꯣꯛꯊꯣꯀꯏ - ꯍꯤ-ꯍꯤ, ꯍꯦꯟꯅꯗꯨꯝ ꯈꯧꯕꯥꯡꯍꯜꯂꯤ,
ꯄꯦꯝꯚꯣꯀꯏ - ꯇꯨꯝꯊꯣꯀꯏ, ꯏꯁꯤꯍꯦꯛ ꯁꯤꯅꯥ,
ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯄꯨꯗꯅꯤ - ꯆꯣꯡꯊꯈꯤꯕꯥ ꯃꯍꯥꯛꯀꯥ ꯃꯍꯧꯁꯥꯒꯨꯝ,

লম্বী

কনানা হায - হুইদি শানি,
নঙদি যাদে - তাওবদি ইতাওনি,
মানশু উৎলি - মীওইবদি মকপ্রি,
নখোয অনীননি তত্তনা মাইথিহনখিবা,
কযাবক্লি মীনমখিবশু থম্মোযনা থম্মোযবু,
থেমঙমখিদে পুক্লিংনা থম্মোযদুবু খুদুমচেৎনা,
চিংখৎলক্কবদা দোল্লাইথক্তা নঙনা মাবু -
নহাক্কদি মুনথি মহাক্কী মতৌদুদা,
নেশাদা তাওদুনা নঙনা মঙফাওনদ্রিঙৈ -
তম্নবাইনা মঙলাক্লবিঙৈ চোংথখিবা উহৌদে,
কাওঙমদ্রবা মহাওদুনা লীচিংদুদা চোংথহনখি,
চোংখৎলকই অমুকশু মাদি অমম্বদে,
মহৌশাগী মহৌশাগুম নঙবু হৌদোকই,
লিবী মবুধৌগী মবেম্ভৌগী রাবীশিং,
নোকথোকই - হি-হি, হেন্নদুম খৌবাংহল্লি,
পেম্ভোকই - তুমথোকই, ইশিহেক শিনা,
মীৎকুপ্পুদনি - চোংথখিবা মহাক্কা মহৌশাগুম,

ꯅꯍꯥꯛꯇꯤ ꯆꯤꯡꯈꯠꯄꯤꯕꯤ ꯅꯥꯍꯕꯦꯢ ꯈꯟ,
ꯃꯍꯥꯛꯇꯤ ꯃꯤꯄꯥꯢꯖꯦ ꯁꯖꯤꯕꯨꯢ ꯂꯩꯅꯃꯗꯨꯅꯥ,
ꯏꯉꯥꯎꯗꯥ ꯉꯥꯎꯖꯦ ꯏꯄꯛꯀꯨ ꯄꯛꯆꯦ,
ꯌꯣꯠꯆꯥꯕꯤꯅꯥ ꯆꯤꯡꯁꯤꯜꯂꯕꯥ ꯑꯄꯤꯛꯄꯥ ꯌꯣꯠꯀꯨꯞꯅꯥ
ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯌꯣꯠꯀꯨꯞꯄꯨ ꯑꯃꯨꯛ ꯆꯤꯡꯁꯤꯟꯕꯒꯨꯝ,
ꯇꯥꯎꯕꯒꯤ ꯇꯥꯎꯕꯣꯢꯅꯥꯢ ꯆꯤꯛꯂꯛꯀꯦ ꯑꯎꯕꯁꯤꯡ
ꯃꯤꯇꯥꯕꯛꯀꯦ ꯅꯉꯁꯨ ꯍꯨꯢꯌꯥꯕꯛꯀꯤ ꯁꯗꯨꯝ,
ꯁꯗꯨꯝꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯍꯧꯔꯨꯕꯅꯥ ꯑꯎꯕꯁꯤꯡꯕꯨ ꯆꯤꯛꯂꯛꯀꯦ
ꯑꯣꯢꯕꯛꯀꯦ ꯌꯦꯛꯂꯕꯥ ꯁꯪꯁꯥꯔ ꯄꯨꯝꯕꯦ,
ꯅꯉꯅꯗꯤ ꯈꯉꯂꯨꯗꯦ ꯅꯉꯕꯨ ꯀꯤꯅꯕꯤꯕꯁꯨ
ꯉꯁꯤꯇꯅꯤ - ꯂꯥꯢꯊꯨꯡ ꯄꯛꯀ ꯇꯨꯡꯁꯤꯗꯥ,
ꯈꯉꯂꯛꯀꯦ ꯅꯉ - ꯍꯨꯢꯗꯤ ꯁꯥꯅꯤ,
ꯁꯥꯅꯥ ꯆꯠꯀꯅꯤ - ꯁꯥꯒꯤ ꯁꯗꯨꯡꯗꯥ,
ꯃꯤꯅꯥ ꯆꯠꯀꯅꯤ - ꯙꯔ꯭ꯃꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤꯗꯥ,
ꯃꯥꯅꯥ ꯆꯠꯄꯅꯥ ꯃꯥꯠꯇꯒꯤ ꯂꯝꯕꯤꯅꯤ,
ꯂꯝꯐꯥꯡꯂꯥ ꯂꯝꯂꯣꯡꯒꯤꯗꯤ ꯄꯝꯕꯨꯡ ꯀꯌꯥꯅꯤ
ꯄꯝꯕꯨꯗꯨꯅꯥ ꯑꯕꯥꯃꯝꯕꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤꯕꯥ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯒꯤ
ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯅꯥ ꯂꯝꯕꯤꯅꯤ ꯂꯝꯕꯤꯗꯨꯒꯤꯗꯤ ꯂꯝꯕꯤ ॥

꯱꯴/꯰꯴/꯰꯵

নহাক্দি চীংখৎপিবি নাহ্ববে'ই খন,
মহাক্দি মীপাইজে শজিবুই লৈনমদুনা,
ইঙাওদা ঙাওজে ইপক্ত পকচৈ,
যোৎচাবীনা চিংশিল্লবা অপিকপা যোৎকুপনা
অতোপ্পা য়োৎকুপ্পু অমুক চিংশিনবগুম,
তাওবগী তাওবোইনাই চিক্লক্লে অউবশিং
মীতাবক্লে নঙশু হুইযাবক্কী শদুম,
শদুমদুবু মীহৌরুবনা অউবশিংবু চিক্লক্লে
ওইবক্লে য়েক্লবা সংসার পুম্বে,
নঙনদি খঙলুদে নঙবু কিনবিবশু
ঙসিতনি - লাইথুং পক্ক তুংশিদা,
খঙলক্লে নঙ - হুইদি শানি,
শানা চৎকনি - শাগী শদুংদা,
মীনা চৎকনি - ধর্ম্মগী লম্বীদা,
মানা চৎপনা মাত্তগী লম্বীনি,
লমফাংলা লম্ল্রোংগীদি পম্বুং কয়ানি
পম্বুদুনা অবামম্বি চৎনবিবা লম্বীদুগী
লম্বীদুনা লম্বীনি লম্বীদুগীদি লম্বী।

১৪।০৪।০৫

ꯃꯤꯠꯔꯪꯒꯤ ꯑꯅꯣꯛ

ꯖꯝ ... ꯖꯝ ... ꯅꯣꯡꯖꯨ ꯑꯍꯤꯡꯗꯥ ... ꯑꯆꯤꯛꯄꯥ ꯇꯅꯖꯥꯗꯥ ...
ꯅꯥꯒꯣꯟ ꯄꯤꯛꯂꯥ .. ꯂꯣꯠꯅꯥ ꯀꯅꯥ ꯈꯡꯗꯥ ... ꯍꯥꯏꯔꯤꯕꯥ ꯈꯨꯠꯁꯥꯅꯥ ...
ꯏꯁꯤ ꯁꯤꯅꯥ .. ꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯗꯥ ꯇꯨꯝꯈꯨꯜ ꯇꯥꯜꯂꯤꯁꯤꯡ ... ꯇꯝꯃꯔꯨꯗꯦ ꯀꯩꯗꯧꯅꯨꯡ ...
ꯗꯨꯕꯨ . . ꯃꯉꯂꯥꯛꯂꯍꯜꯂꯤ ꯃꯀꯨ ... ꯃꯉꯂꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯃꯉꯐꯥꯎꯅ ...
ꯊꯝꯃꯣꯌꯅꯗꯤ - ꯗꯤꯡꯗꯤꯡ...ꯇꯥꯏꯌꯣꯟꯅꯗꯨꯟ ꯇꯥꯏꯕꯪ...
ꯁꯤꯜꯂꯥꯏ ꯂꯤꯂꯥꯒꯤ ꯁꯤꯜꯂꯝ ꯑꯍꯛꯄꯥ ॥

꯳꯰/꯰꯸/꯰꯵

মীৎত্রংগী অনোক

জম জম ... নোংজু অহিংদা ... অচিকপা তনজাদা .
নাগোন পীক্লা ... লোৎনা কনা খঙদা .. হাইরিবা খুৎশানা . .
ইশি শিনা ... নিংঙাইদা তুমখুল তাল্লিশিং ... তম্মরুদে কৈদৌনুং ...
'দুবু .. মঙলাক্লহল্লি মকু . মঙলান্দুনা মঙফাওন ...
থম্মোয়নদি - দিং দিং ...তাইযোন্নদুন তাইবঙ . .শিল্লাই লিলাগী শিল্লম অহকপা।

৩০।০৮।০৫

ꯃꯧꯁꯃꯤ ꯃꯥꯗꯤ ꯉꯥꯏꯔꯤ ꯉꯁꯤꯁꯨ

ꯏꯀꯖꯐꯝ ꯀꯥꯈꯨꯅꯤ ꯕꯦꯂꯒꯥꯔꯤ ꯈꯥꯝꯐꯝꯒꯤ -
ꯆꯪꯂꯝꯃꯤ ꯍꯟꯈꯤ ... ꯆꯪꯂꯀꯢ ꯊꯣꯛꯈꯤ ...
ꯂꯧꯍꯧꯢ - ꯑꯅꯤ. ꯈꯪꯍꯧꯢ - ꯑꯅꯤꯒꯤ
ꯂꯆꯨꯡꯂꯨꯗꯦ ꯅꯨꯡꯁꯥ - ꯕ꯭ꯔꯖꯒꯤ ꯕꯨꯝꯃꯦꯗ ॥

ꯇꯦ ꯇꯦ ꯇꯦꯟꯅꯕꯥꯒꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ -
ꯇꯕꯇꯅꯤ ꯇꯥꯔꯤꯕ ꯐꯥꯎꯅꯗꯦ ꯊꯝꯃꯣꯏ,
ꯑꯉꯥꯟꯕꯅꯥ ꯆꯦꯞꯈ꯭ꯔꯕ ꯁꯛꯀ꯭ꯌꯥꯒꯤ ꯈꯨꯠꯊꯦꯛꯂꯛꯇ
ꯇꯝꯂꯨꯝꯃꯤ ꯃꯀꯨꯢ ꯀꯣꯢꯔꯥꯎꯅꯔ ꯃꯤꯠꯁꯅꯥ.
ꯆꯣꯡꯈꯨꯠꯅꯥ ꯈꯪꯉꯤ ꯃꯀꯨꯒꯤ ꯁꯥꯊꯦꯛ ॥

ꯁꯕꯛ ꯁꯤꯔꯛꯀ ꯁꯌꯇꯥꯟꯅꯥ ꯁꯩꯗꯥꯡꯂꯛꯀꯢ -
ꯁꯥꯈꯦꯛꯂꯥ ꯎꯪꯂꯀꯢ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯒꯤ ꯑꯊꯨꯞꯄ.
ꯆꯤꯟꯕꯥꯟꯗꯥ ꯀꯥꯡꯊꯣꯔꯀꯢ ꯊꯝꯃꯣꯢꯒꯤ ꯆꯤꯔꯣꯜ
ꯔꯥꯍꯩꯅꯥ ꯐꯣꯡ ꯇꯝꯅꯍꯜꯂꯤ ꯏꯉꯤꯠꯅꯥ.
ꯃꯀꯥ ꯂꯥꯝꯔꯛꯀꯢ ꯈꯨꯢꯔꯕ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ॥

মৌশমী মাদি ঙাইরি ঙসিশু

ঈকজফম কাখুনি বেলগাড়ী খামফমগী
চংলম্মী হনখি চংলকই থোকখি
লৌহৌই - অনী, খংহৌই - অনিগী
ঙ থকদে চৈশুদা মরিফুগী সেলুংবা
লচুংলুদে নুংশা - ব্রজগী বুম্মেদা।

তে তে তেন্নবাগী খোনজেল -
তবতনি তারিবা ফাওনদে থম্মোয়,
অঙানবনা চেপখ্রবা সক্ক্যাগী খুৎথেক্লক্তা
তম্লুম্মী মকুই কোইরাওনর মীৎশনা,
চোংখুতনা খংঙি মকুগী শাথেক।

শবক শিরক্ক শয়তান্না শৈদাংলকই -
শাখেক্লা উংলকই পুক্লিংগী অথুপ্পা,
চিনবান্দা কাংথোরকই থম্মোইগী চীরোল
রাহৈনা ফোং তম্নহল্লি ঈঙ্গিৎনা,
মকা লাম্রকই খুইরবা পুক্লিং।

ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯑꯅꯤꯗꯦ ꯆꯦꯝꯕꯔꯤ ꯏꯄꯥꯛꯇꯥ -
ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯒꯤ ꯊꯧꯕ ꯈꯣꯏꯗꯥ ꯈꯣꯏꯖꯥꯛ,
ꯕꯥꯈꯜꯒꯤ ꯈꯣꯏꯕꯤ ꯂꯤꯁꯥꯡ ꯊꯥꯏ
ꯃꯤꯍꯨꯅꯒꯤ ꯂꯥꯖꯦꯝꯁꯨ ꯐꯟ ꯐꯟ,
ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯁꯤꯡꯕꯥ ꯈꯣꯏꯖꯦꯅꯤ ꯉꯥꯏꯕꯤꯕ ॥

ꯄꯨꯅꯥ ꯊꯥꯗꯅꯥ ꯍꯤꯡꯂꯤꯕꯥ ꯊꯣꯡꯕꯥ -
ꯃꯥꯂꯪ ꯁꯥꯍꯨꯝꯗꯥ ꯇꯞꯅꯥ - ꯒꯦ ..
ꯃꯤꯍꯨꯟ ꯑꯅꯤ - ꯇꯤꯡ । ꯇꯤꯡ ।
ꯗꯣꯡ ꯕꯥꯏꯁꯤꯟꯅꯦ - ꯃꯤꯠꯅꯥ ꯃꯤꯠꯅꯥ ।
ꯐꯣꯡꯗꯤ ꯄꯥꯎꯈꯣꯡ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯊꯝꯃꯣꯏꯒꯤ ॥

ꯒꯃꯂꯥ ꯊꯛꯀꯤ - ꯍꯦ ꯑꯗꯕꯒꯨꯂꯥꯞꯁꯣ -
ꯅꯤꯡꯊꯥꯏꯔꯕ ꯅꯡꯒꯤ ꯂꯩꯀꯥꯗꯦ ꯂꯩꯅꯝꯕ,
ꯃꯔꯤꯆꯤꯀꯥꯒꯨꯝꯕ ꯇꯝꯅꯔꯤꯕ ꯅꯨꯡꯕꯉꯅꯕꯕ ꯈꯣꯏꯕꯥꯕ
ꯀꯕꯤꯒꯤ ꯀꯤꯍꯟꯕꯤ ꯇꯨꯝꯅꯥ ꯇꯤꯡꯈꯪꯗꯨꯅꯥ,
ꯇꯤꯡꯈꯪ ꯃꯥꯗꯤ ꯌꯦꯛꯕꯥ ꯃꯥꯒꯤꯅꯤ ॥

থম্মোয অনীদে চেম্বরি ঈপাক্তা
পুক্নিংগী থৌব খোইদা খোইজাক.
বাখলগী খোইবি লিশাং থাই
মীহুনগী লাজেমশু ফন ফন,
তাইবঙ শিঙ্বা খোইজেনি ঙাইবিব।

পুনা থাদনা হ্বিংলিবা থোঙবা -
মালং শাহুমদা তপ্না - গে .
মীহুন অনী   তীঙ। তীঙ।
দোং বাইশিন্নে - মীৎন্না মীৎন্না।
ফোঙডি পাউখোং থম্মোয় থম্মোযগী।

গমলা থক্কী   হে অদবগুলাপও
নিংথাইরব নঙগী লৈকাদে লৈনম্ব,
মরীচিকাগুম্বা তম্নরিবা নুংবঙনববা খোইবাব
কবিগী কীহল্লি তুম্না তীঙখংদুনা ,
তীঙখং মাদি য়েক্লবা মাগীনি।

ꯅꯨꯡꯍꯤꯛꯂꯥ - 'ꯁꯥꯕꯣꯟ ꯃꯇꯨꯝ ꯑꯃꯠꯇꯥ' -
ꯈꯨꯗꯨꯞ ꯊꯥꯢ ꯁꯥꯖꯦꯅꯥ ꯁꯥꯒꯣꯜ,
ꯍꯥꯡꯂꯝꯕꯥ ꯚꯥꯜꯕꯅꯥ ꯈꯨꯝꯖꯤꯟꯈ꯭ꯔꯕꯒꯨꯝ ꯃꯥꯢꯈꯨꯝꯕꯤ,
ꯀꯥꯕꯝꯕꯥ ꯈꯣꯡꯕꯥ ꯘꯝ ꯆꯦꯠꯅꯥ,
ꯁꯥꯕꯣꯟꯒꯤ ꯀꯣꯡꯒꯣꯜꯂꯛꯇꯥ ꯏꯔꯥꯛꯂꯦ ꯃꯍꯤꯀꯁꯤꯡ ॥

ꯂꯝꯕꯤ ꯀꯌꯥꯅꯤ ꯇꯥꯢꯕꯡ ꯈꯣꯡꯆꯠꯀꯤ -
ꯂꯣꯠꯅꯥ ꯆꯦꯍꯣꯔꯀꯏ ꯈꯨꯔ ꯈꯣꯡꯂꯝꯗꯥ,
ꯈꯕꯅꯥ ꯅꯄꯍꯧꯢ, ꯈꯔꯅꯥ ꯆꯦꯍꯈꯤ
ꯅꯄꯍꯧꯕꯁꯨ ꯅꯄꯍꯧꯟ, ꯆꯦꯍꯈꯤꯕꯁꯨ ꯆꯦꯍꯅꯥ,
ꯏꯁꯪ ꯄꯜꯂꯛꯀꯏ, ꯏꯅꯥꯡꯁꯨ ꯊꯥꯡꯂꯛꯀꯏ ॥

ꯂꯩꯀ꯭ꯔꯛ ꯆꯠꯅꯥ ꯃꯣꯠꯂꯕꯥ ꯈꯣꯡꯅꯨꯡꯗꯥ -
ꯀꯪꯗꯨꯅꯥ ꯀꯤꯍꯨꯔꯦ - ꯀꯪꯀꯨꯞ ꯀꯝꯕꯣꯡ,
ꯕꯥꯢꯗꯨꯅꯥ ꯆꯥꯛꯈꯠꯂꯛꯂꯦ ꯃꯩꯔꯤꯗꯤ ꯈꯣꯛꯇꯅꯥ
ꯁꯀꯑꯣꯡ ꯀꯥꯢꯗꯨꯅꯥ ꯃꯥꯢꯐꯝꯕꯨ ꯆꯨꯃꯗ꯭ꯔꯦ,
ꯚꯥꯢꯕꯤ ꯐꯤꯀꯛ - ꯐꯤꯔꯥꯡ ꯈꯨꯝꯅꯥ - ꯃꯧꯁꯃꯤꯗꯤ ॥
꯳꯱/꯰꯸/꯰꯵

নুংহীক্লা - 'শাবোন মতুম অমত্তা' -
খুদুপ থাই শাজৈনা শাগোল ,
হাংলম্বা ভালবনা খুমজিনখ্রবগুম মাইখুম্বী,
কাবম্বা খোঙবা ঘম চেৎনা ,
শাবোনগী কোঙ্গোল্লক্তা ঈরাক্লরে মহীকশিং ।

লম্বী কয়ানি তাইবঙ খোঙচৎকী --
লোৎনা চেহোরকই খুর খোংলমদা ,
খবনা নপহৌই, খরনা চেহখি
নপহৌবশু নপহৌন , চেহখিবশু চেহনা,
ঈশং পল্লকই , ঈনাংশু থাংলকই।

লৈক্রক চৎনা মোৎলবা খোংনুংদা --
কংদুনা কিহুরে -- কংকুপ কম্বোং,
বাইদুনা চাকখৎলক্লে মৈরীদি খোক্তনা
শকওং কাইদুনা মাইফম্বু চুমদ্রে ,
ভাইবি ফিকক - ফিরাং খুম্না - মৌশমীদি ।

৩১।০৮।০৫

ꯁꯉ꯭ꯒꯣꯝ ꯒꯤꯂꯥꯁ ꯑꯃꯥ

ꯆꯤꯡꯂꯣꯟ ꯃꯄꯜ ꯍꯨꯟꯗꯨꯅꯥ -
ꯂꯩꯔꯥꯡ ꯂꯩꯁꯛ ꯍꯦꯟꯕꯤ,
ꯏꯌꯥꯏꯊꯛꯀꯤ ꯁꯥꯠꯀꯥꯏꯗ꯭ꯔꯤꯕ ꯊꯝꯕꯥꯜꯒꯨꯝ
ꯄꯣꯝꯁꯥꯠꯂꯤꯕꯤ ꯁꯤꯉꯦꯜ ꯎꯊꯝꯕꯥꯜꯁꯤꯡ,
ꯄꯔꯤꯡꯗꯥ ꯁꯦꯝꯕꯥꯡ ꯇꯣꯡꯕꯒꯨꯝ
ꯂꯨꯄꯥ ꯈꯥꯎꯖꯥꯎ ꯈꯥꯎꯖꯥꯎꯒꯤ,
ꯃꯨꯝꯕꯥꯏꯗꯥ - ꯆꯦꯟꯅꯥꯏꯗꯥ - ꯀꯣꯂꯀꯇꯥꯗꯥ ...
ꯑꯦꯔꯣꯞꯂꯦꯟ ꯇꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯛꯈꯤ,
ꯍꯤ ꯍꯤ ꯅꯣꯛꯆꯩ -
ꯑꯦꯌꯥꯔꯄꯣꯠ ꯍꯦꯛ ꯂꯥꯍꯣꯛꯄꯒꯗꯤ,
ꯆꯠꯅꯈ꯭ꯔꯦ ꯑꯔꯥꯡꯕ ꯀꯥꯔꯁꯤꯡꯗꯥ
ꯍꯤ । ꯍꯤ । ꯀꯔꯤꯅꯣ ?
ꯁꯉ꯭ꯒꯣꯝ ꯒꯤꯂꯥꯁꯃꯥ ꯊꯛꯇꯨꯅꯥ -
ꯀꯄꯊꯣꯔꯀꯏ ꯀꯥꯈꯨꯗꯨꯗꯥ - ꯍꯤꯛ-ꯍꯤꯛ ...
ꯊꯛꯂꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯪꯖꯩ ꯃꯦꯟꯅꯀꯥ -

শঙ্গোম গীলাশ অমা

চীংলো'ন মাপল হুন্নদুনা -
লৈরাং লৈশক হেন্নবী ,
ঈয়াইথক্কী শাৎকাইদ্রিবা থম্বালগুম
পোমশাৎলিবী শিঙেল উথম্বালশিং ,
পরিংদা শেম্বাং তোংবগুম
লুপা খাওজাও খাওজাওগী ,
মুম্বাইদা - চেন্নাইদা - কোলকতাদা ...
এরোপ্লেন তোংদুনা পাইরকখি ,
হি হি নোকচৈ -
এয়ারপোৎ হেক লাহোকপগদি ,
চৎনখ্রে অরাংবা কারশিংদা
হি ! হি ! করিনো ?
শঙ্গোম গীলাশ'মা থক্তুনা -
কপথোরকই কাখুদুদা - হিক - হিক ...
থক্লিগদ্রা হংজৈ মেন্নকা -

ꯊꯝꯕꯥꯟꯅꯨ. ꯊꯥꯕꯜꯂꯦ, ꯊꯥꯕꯤꯛꯊꯥꯁꯨ ...
ꯄꯨꯛꯔꯤꯡꯗꯥ ꯃꯗꯣꯝ ꯅꯨꯡꯉꯣꯟꯖꯦ -
ꯀꯕꯤ ꯀꯕꯝꯅꯥ ꯍꯟꯒꯅꯤ,
ꯃꯐꯝꯁꯤꯗꯅꯥ ꯄꯨꯛꯁꯤꯅꯥ ꯀꯔꯤ.
ꯏꯗꯣꯝ ꯃꯗꯨꯁꯨ ꯅꯨꯄꯤꯖꯥ,
ꯐꯤꯖꯦꯠ ꯐꯤꯒꯥꯏꯁꯨ ꯊꯥꯗꯕꯃꯒꯦ
ꯏꯕꯨꯡ ꯇꯕꯦꯠꯅꯥ ꯈꯣꯡꯒꯨꯜꯂꯛꯄꯥ,
ꯏꯌꯥꯏꯊꯛꯁꯤꯗꯅꯤꯅꯦ ꯊꯨꯃꯒꯤ ꯃꯍꯥꯁꯥꯒꯔꯒꯤ
ꯁꯝꯂꯥꯡ ꯆꯤꯡꯂꯤꯕꯥ ꯃꯥꯂꯪꯕꯅꯥ,
ꯏꯊꯜꯂꯇꯥ ꯃꯗꯨꯁꯨ ꯅꯨꯄꯤ -
ꯑꯣ । ꯍꯦ ꯅꯨꯄꯤ ।

꯱꯶/꯰꯹/꯰꯵

থম্বান্নু , থাবল্লে , থাবিকথাশু .
পুক্রিংদা মদোম নুংঙোনজে -
কবি কবম্না হনগনি ,
মফমসিদনা পুক্সিনা করি ।
ইদোম মদুশু নুপীজা ,
ফিজেৎ ফিগাইশু থাদবমগে
ইবুং তবেৎনা খোঙগুল্লকবা ,
ঈযাইথকসিদনিনে থুমগী মহাসাগরগী
শম্লাং চিংলিবা মালংবনা ,
ইথল্লতা মদুসু নুপী -
ও । হে নুপী !

১৬।০৯।০৫

ꯖꯥꯗꯨꯒꯔꯒꯤ ꯖꯥꯗꯨ

ꯗꯥꯡ ꯗꯥꯡ। ... ꯀꯏ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ... ꯎꯔꯀꯏ ꯎꯐꯨꯜ...
ꯊꯥꯈꯤ ꯊꯔꯥꯏ ... ꯅꯣꯀꯏ ꯅꯣꯔꯣꯛ ꯅꯤꯡꯊꯧ ... ꯃꯃꯁꯤꯜꯂꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ ...
ꯃꯀꯅꯥ ꯃꯀꯨꯇꯅꯤ ... ꯁꯗꯣꯡꯁꯨ ꯁꯗꯣꯡꯇꯅꯤ ... ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯀꯨꯔꯨꯛꯁꯦꯠꯔꯗꯥ...
ꯑꯕꯇꯥꯔꯅꯤ ꯑꯗꯩꯇ꯭ꯌꯥꯒꯤ...ꯃꯄꯨꯒꯤꯗꯤ ꯃꯌꯥꯊꯪꯅꯤ...ꯏꯅꯁꯤꯜꯂꯁꯤ ꯏꯕꯦꯟꯊꯧꯗꯥ ...

꯱꯹/꯰꯹/꯰꯵

জাদুগরগী জাদু

দাং দাং। ... কঁই কাংলুপ ... উরকই উফুল ...
থাখি থরায় ... নোকই নোরোক নিংথৌ ... মমশিল্লি মালেম ...
মকনা মকুতনি . শদোংশু শদোংতনি ... কলিগী কুরুক্ষেত্রদা ...
অবতারনি অদৈত্যাগী .. মপুগীদি মযাথংনি ... ইনশিল্লশি ইবেনথৌদা ...

১৯।০৯।০৫

ꯑꯃꯝꯕꯦ ꯀꯨꯔꯨꯛꯁꯦꯇ꯭ꯔꯗꯥ ꯀꯣꯔꯧꯍꯟꯕꯥ

ꯑꯃꯝ ꯌꯥꯏꯊꯣꯡ ꯂꯣꯝꯇꯨ -
ꯊꯣꯡꯖꯤ ꯈꯥꯗꯥ ꯃꯤꯇꯝꯈꯤꯕ,
ꯀꯨꯄꯣꯡ ꯀꯥꯐꯦꯡ ꯉꯨꯞꯂꯤꯕꯥ
ꯊꯕꯥꯟ ꯀꯣꯇꯤ ꯀꯣꯇꯤꯂꯛꯇ,
ꯇꯉꯥꯟ ꯇꯕꯦꯡ ꯉꯥꯞꯂꯕꯥ
ꯄꯨꯅꯤꯃꯥ ꯊꯥꯖ ꯊꯥꯟꯂꯗꯥ,
ꯃꯛ ꯏꯁ꯭ꯕꯟ ꯇꯝꯈꯤꯌꯦ
ꯊꯥꯇꯦ ꯆꯥ ꯃꯣꯕꯥꯟꯕꯤꯑꯣ,
ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯇꯨꯔꯦꯟꯗ꯭ꯔꯕꯨ ꯇꯥꯎꯊꯟꯀꯏ ॥

ꯀꯣꯔꯧꯍꯟꯕꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯆꯦꯄꯂꯤꯡꯉꯦ -
ꯃꯃꯥ ꯃꯉꯒꯤ ꯆꯥꯏꯅꯄꯨꯡꯗꯥ,
ꯎꯏꯅꯤꯝꯗꯨꯅꯥ ꯊꯥꯡꯂꯤꯕꯥ ꯃꯃꯅꯤ
ꯃꯤꯠꯌꯨꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯨꯝꯅꯥ ꯆꯥꯏꯁꯤꯜꯂꯤ,
ꯃꯌꯥꯝꯕꯨꯡꯅꯥ ꯃꯅꯥꯑꯣꯁꯤꯡꯕꯨ ꯆꯦꯞꯁꯤꯡꯅꯜꯂꯤ
ꯃꯅꯥꯑꯣꯁꯤꯡꯅꯁꯨ ꯃꯌꯥꯝꯕꯨꯡꯕꯨ ꯁꯤꯟꯅꯃꯍꯜꯂꯤ,

অমম্বে কুরুক্ষেত্রদা কোরৌহনবা

অমম যাইথোঙ লোমতু
থোংজী থাদা মীতমখিব
কুপোং কাফেং ঙুপ্লিবা
থবান কোতী কোতীলক্ত
তঙান তবেং ঙাপ্লবা
পুনিমা থাজ থানলদা ,
মক ঈশ্বন তমখিযে
থাতে চা মোবানবীও .
নিংথৌ তুরেন্দ্রবু তাউথনকই

কোরৌহনবা মানা চেপলিঙে
মমা মঙগী চাইনপুংদা ,
উইনিম্দুনা থাঙলিবা মমনী
মীৎয়ুন্দুনা থুম্না চাইশিল্লি,
ময়াম্বুংনা মনাওশিংবু চেপশিংনল্লি
মনাওশিংনশু ময়াম্বুংবু শীন্নমহল্লি ,

ꯉꯁꯤ ꯅꯪꯂꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤꯜꯂꯤ
ꯆꯤꯡꯁꯤꯜꯂꯤ ꯐꯤꯖꯜ ꯇꯥꯡꯉꯣꯏ,
ꯑꯃꯝ ꯑꯉꯥꯟꯒꯤ ꯁꯨꯡꯗꯥꯏꯗꯥ ॥

ꯉꯁꯤ ꯐꯥꯏꯗꯤꯡꯉꯣꯟ ꯃꯥꯂꯪꯕꯅꯥ -
ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯦꯡꯊꯥ ꯖꯑꯣ,
ꯑꯕꯣꯟꯕ ꯅꯉꯒꯤ ꯁꯥꯖꯪꯒꯤ
ꯍꯨ ꯄꯨꯕ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡꯗꯨꯅꯥ,
ꯊꯝꯃꯣꯌꯒꯤ ꯀꯝꯕꯨꯁꯤꯡꯗꯥ ꯁꯪꯖꯤꯟꯗꯨꯅꯥ
ꯆꯤꯡꯁꯤꯜꯂꯤ ꯀꯥꯏꯕꯕ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇꯥ,
ꯊꯥꯡꯖꯤꯜ ꯊꯥꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯥꯏꯀꯩꯗꯥ
ꯑꯃꯝꯕꯂꯛꯇꯦ ꯆꯦꯝꯕꯛꯀꯤ ꯏꯊꯦꯡꯅꯥ,
ꯃꯉꯂꯥꯛꯅꯍꯜꯂꯤ ꯃꯉꯂꯥꯟꯗ ꯀꯣꯔꯧꯍꯅꯕ ॥

꯱꯵/꯰꯹/꯰꯵

ঙসি নংলা পুনশিল্লি
চিংশিল্লি ফিজনা তাঙোই ,
অমম অঙানগী শুংদাইদা

ঙসি ফাইদিংঙৌন মালংবনা -
অদুবু হেংথা জও ,
অবোনবা নঙগী শাজংকী
হু পুবা খোঙথাংদুনা ,
থম্মোয়গী কম্বুশিংদা শংজিন্দুনা
চিংশিল্লি কাইববা খোঙচত্তা ,
থাংজিল থাশিংগী মাইকৈদা
অমম্বলক্তে চেম্ববক্কি ঈথেংনা ,
মঙলাক্নহল্লি মঙলান্দ কোরৌহনবা ।

১৫ ০৯।০৫

ꯃꯇꯝꯒꯤ ꯃꯦꯂꯦꯔꯤꯌꯥ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯤ, ꯃꯍꯥꯕꯥꯅꯤꯅꯤ, ꯃꯖꯥꯏꯕꯨꯡꯉꯣꯁꯨꯅꯤ ...
ꯀꯥꯈꯠꯂꯨꯏ ꯆꯦꯞꯂꯤꯕꯥ ꯆꯤꯡꯃꯥꯏ,
ꯆꯤꯡꯊꯕꯀꯏ ꯁꯪꯕꯥꯟꯅꯔꯥ ꯊꯦꯜꯗꯨꯗꯥ
ꯍꯩꯃꯨꯜꯂꯥ ꯂꯐꯣꯏ ꯂꯇꯪꯒꯤ ॥

ꯊꯥꯖ ꯊꯥꯅꯤꯜꯒꯤ ꯖꯒꯣ'ꯏꯗꯥ
ꯂꯨꯄꯥ'ꯆꯨꯅꯥ ꯂꯩꯇꯦꯡꯂꯤ ꯂꯣꯛ,
ꯌꯣꯡꯆꯥꯕꯤꯅꯤ ꯑꯎꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗꯥ
ꯃꯥꯌꯥꯒꯤꯅꯥ ꯂꯣꯏꯄꯣꯡꯅꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝꯗꯥ ॥

ꯊꯨꯝꯍꯠꯂꯕꯥ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡꯅꯥ ꯁꯥꯗꯥꯜꯂꯤꯉꯩ
ꯌꯥꯊꯣꯡ ꯂꯣꯟꯊꯤ ꯀꯥꯡꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯥ,
ꯒ꯭ꯔꯣ-ꯒ꯭ꯔꯣ ꯁꯥꯕꯨꯝ ꯃꯉꯐꯥꯎꯅꯔꯛꯂꯥ
ꯆꯤꯟꯗꯜꯂꯨꯏ ꯁꯗꯨꯝ ꯆꯣꯛꯊꯔꯛꯂꯗꯨꯅꯥ ॥

মতমগী মেলেরিয়া

নিংথৌনি, মহাবানিনি, মজাইবুংঙোশুনি
কাখৎলুই চেপ্লিবা চীংমাই,
চিংথবকই শংবান্নরা থেলদুদা
হৈমুল্লা লফোই লতংগী ।

থাজ থানিলগী জগো'ইদা
লুপা'চুনা লৈতেংলি লোক,
য়োংচাবীনি অউবশিংগী থম্মোয়দা
মায়াগীনা লোইপোংনি মালেমদা ।

থুমহৎলবা পুক্নিংনা শাদাল্লিঙৈ
য়াথোঙ লোনথি কাঙনিংথৌনা,
গ্রো-গ্রো শাবুম মঙফাওনরক্লা
চিন্দল্লুই শদুম চোকথরকলদুনা ।

ꯂꯨꯇꯨꯡ ꯈꯣꯏꯕꯥꯛ ꯁꯥꯕꯀꯏ
ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯄꯨꯡꯖꯥꯎ ꯊꯤꯟꯅꯥ,
ꯕꯥꯇꯥꯟꯅꯕꯀꯏ ꯑꯃꯥꯏꯕꯥ ꯑꯃꯥꯏꯕꯤ
ꯀꯔꯤꯅꯣꯅꯦ । ꯁꯥꯈꯣꯡꯂꯛꯀꯦ - ꯀꯥꯡꯅꯤꯡꯊꯧ ।

ꯏꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯆꯤꯅꯕꯥꯜ ꯀꯥꯡꯈꯤꯗ꯭ꯔꯦ
ꯃꯍꯥꯔꯥꯅꯤꯒꯤ ꯄꯤꯟꯅꯥꯡꯁꯨ ꯇꯥꯀꯈ꯭ꯔꯦ,
ꯃꯖꯥꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯃꯖꯥꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯌꯥꯇꯥꯈ꯭ꯔꯦ
ꯍꯥ ꯀꯥꯔꯦ ꯅꯤꯡꯊꯧꯈꯅꯁꯤꯡ ॥

ꯀꯥꯡꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯥꯗꯤ ꯅꯣꯛꯍꯧꯏ -
ꯐꯝꯕꯥꯜ ꯇꯣꯡꯂꯀꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧꯈꯅꯕꯥ,
ꯂꯤꯔꯤꯗꯥ ꯇꯦꯝꯗꯣꯡ ꯍꯥꯞꯂꯀꯏ
ꯀꯛꯂꯥ ꯆꯣꯡꯊꯠꯄꯥ ꯀꯣꯛꯔꯦꯝꯅꯤ ॥

ꯆꯡꯖꯈꯤ ꯈꯨꯌꯥꯗꯥ ꯃꯟꯗꯣꯗꯣꯔꯤꯒꯤ
ꯍꯤ-ꯍꯤ ꯅꯣꯛꯆꯔꯝꯕꯥ ꯀꯥꯡꯅꯤꯡꯊꯧꯑꯣ,
ꯍꯤꯛꯂꯥ ꯍꯤꯛꯂꯥ ꯍꯤꯛꯊꯔꯀꯂꯗꯨꯅꯥ
ꯀꯤꯔꯨꯞꯄꯅꯥ ꯇꯥꯜꯂꯨꯝꯈ꯭ꯔꯦ ꯂꯣꯛꯀꯨꯡꯗꯨꯗꯥ ॥

꯱꯷/꯱꯱/꯰꯵

লুতুং খোইবাক শাবকই
লৈবাক পুংজাও থিন্না,
বাতান্নবকই অমাইবা অমাইবী
করিনোনে ! শাফোংলক্রে - কাঙনিংথৌ ।

ইনিংথৌগী চিনবাল কাংখিদ্রে
মহারানিগী পিন্নাংশু তাকখ্রে,
মজাইবুংঙো মজাইবেম্মা য়াতাখ্রে
হা কারে নিংথৌখনশিং ।

কাঙনিংথৌ মাদি নোকহৌই -
ফম্বাল তোংলকই নিংথৌখনবা,
লিরীদা তেম্দোং হাপ্লকই
কক্লা চোংথৎপা কোক্রেম্নি ।

চংজখি খুয়াদা মন্দোদোরিগী
হি-হি নোকচরম্বা কাঙনিংথৌও,
হিক্লা হিক্লা হিকথরকলদুনা
কিরুপ্পনা তাল্লুমখ্রে লোক্কুংদুদা

১৭।১১।০৫

ꯂꯥꯡꯕꯟꯗꯕꯨ ꯂꯩꯍꯥꯎ ꯂꯩꯕꯦꯜꯒꯤ ꯂꯩꯅꯝ

ꯀꯨꯝꯂꯥꯅꯥ ꯁꯥꯠꯄꯤ ꯂꯩꯍꯥꯎ ꯂꯩꯔꯦꯜꯂꯣ -
ꯂꯥꯡꯕꯟꯗꯕꯨ ꯂꯣꯛꯀꯨꯡꯗꯥ ꯂꯩꯕꯥꯡ ꯂꯩꯁꯥꯠꯄꯥ,
ꯃꯍꯩꯁꯥ ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯁꯝꯖꯤꯔꯦ ꯅꯥꯆꯣꯜꯂꯥ
ꯂꯤꯔꯤ ꯍꯨꯝꯕꯥ ꯃꯥꯂꯪꯕꯩ ꯇꯥꯝꯕꯥꯗꯕꯨ,
ꯊꯦꯛꯀ ꯊꯦꯛ ꯅꯧꯒꯥ ꯅꯧ
ꯑꯄꯁꯥꯔꯥꯅꯥ ꯏꯀꯥꯏꯖꯕꯥ ꯈꯨꯠꯊꯦꯛ ꯁꯥꯊꯦꯛꯂꯤ ॥

ꯆꯤꯡꯃꯥꯏ ꯈꯣꯟꯅꯥ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯝꯃꯦꯎ -
ꯑꯁꯥꯎ ꯈꯥꯝꯕꯤ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇꯥ,
ꯀꯗꯥꯏꯗꯒꯤꯅꯣ ꯆꯦꯝꯕꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯏꯖ ꯏꯕꯤꯛ
ꯁꯨꯛ-ꯁꯨꯅꯥ ꯃꯟꯅꯥ ꯈꯥꯝꯕꯤ ꯃꯩꯈꯨꯔꯛꯇꯥ,
ꯊꯩꯗꯨꯅꯥ ꯆꯠꯂꯕꯔꯥ ꯁꯨꯃꯍꯠꯅꯨꯅꯥ ꯃꯃꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯁꯤꯅꯥ
ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯒꯤ ꯁꯨꯝꯕꯟꯗꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯁꯨꯛꯂꯥ ꯁꯨꯖꯤꯟꯖꯗꯨꯅꯥ ॥

লাংবন্দবু লৈহাও লৈবেলগী লৈনম
কুম্লানা শাৎপী লৈহাও লৈরেল্লও -
লাংবন্দবু লোক্কুংদা লৈবাং লৈশাৎপা,
মহৈশা ইমাগী শমজীরে নাচোল্লা
লিরী হুম্বা মালংবৈ তাম্বাদবু,
থেক্ক থেক নৌগা নৌ
আপশারানা ইকাইজবা খুৎথেক শাথেক্লি।

চীংমাই খোন্না চাক্লিবা লাম্মেও -
অশাও খাম্বী তাইবঙ খোঙচত্তা,
কদাইদগীনো চেম্বরক্লিবা লাইজ ঈবিক
শুক-শুনা মন্না খাম্বী মৈখুরক্তা,
থৈদুনা চৎলব্রা শুমহত্নুনা মমশিল্লিবশিনা
পুক্লিংগী শুম্বন্দা থম্মোয়শুক্লা শুজিনজদুনা।

ꯑꯌꯨꯛꯀꯤ ꯃꯨꯛꯇꯥ ꯂꯜꯂꯣꯟꯕꯥ ꯀꯣꯕꯧꯍꯟꯕꯑꯣ
ꯃꯣꯏꯊꯥꯞ ꯅꯥꯏ ꯄꯣꯝꯁꯥꯠꯅꯔ ꯂꯩꯔꯥꯡꯗꯥ,
ꯁꯤꯉꯦꯜ ꯂꯩꯔꯥꯡꯅꯥ ꯂꯩꯁꯛ ꯍꯦꯜꯂꯨꯕꯦ
ꯌꯥꯛꯀꯥ ꯁꯥꯕꯥ ꯅꯨꯡꯁꯥꯏ ꯃꯩꯁꯥꯗꯨꯅꯥ,
ꯁꯤꯠ ꯁꯤꯠꯅꯥ ꯊꯛꯇꯣꯛꯄꯗꯤ ꯂꯩꯍꯤꯇꯕꯨ
ꯑꯃꯝꯕꯅꯥ ꯇꯥꯜꯂꯛꯀꯅꯤ ꯀꯤꯔꯥ ꯅꯉꯅꯨ ॥

ꯊꯥꯖ ꯊꯥꯅꯤꯂꯗꯥ ꯊꯨꯞꯆꯥꯟꯅꯔꯤꯕꯥ ꯊꯝꯃꯣꯌꯑꯣ -
ꯑꯌꯨꯛ ꯌꯦꯝꯄꯥ ꯑꯉꯅꯕꯥ ꯉꯥꯏꯕꯗꯥ,
ꯆꯍꯤ ꯀꯨꯝꯂꯥꯡ ꯂꯤꯁꯥꯡ ꯊꯥꯗꯨꯅꯥ
ꯇꯧꯔꯥꯡꯊꯛꯇꯕꯨ ꯊꯥꯡꯒꯨꯝꯔꯦ ꯑꯣꯟꯅꯥ ꯊꯣꯏꯅꯥ,
ꯃꯨꯅꯥ ꯈꯥꯝꯇꯔꯦꯛꯀꯕꯥ ꯁꯤꯉꯦꯂꯒꯤ ꯂꯩꯀꯥꯅꯥ
ꯄꯨꯛꯀꯤꯡ ꯔꯥꯈꯂꯗꯥ ꯂꯩꯛꯔꯛ ꯆꯠꯀꯔꯦ ॥

অযুক্কী মুক্তা লল্লোনবা কোবৌহনবও -
মোইথাপ নাই পোমশাৎনর লৈরাংদা,
শিঙেল লৈরাংনা লৈশক হেল্লুবে
যাক্কা শাবা নুংশাই মৈশাদুনা,
শিৎ শিৎনা থক্তোকপদি লৈহিতবু
অমম্বনা তাল্লক্কনি কীরা নঙণু ।

থাজ থানিলদা থুপচান্নরিবা থম্মোয়ও
অযুক য়েম্পা অঙনবা ঙাইবদা,
চহী কুম্লাং লিশাং থাদুনা
তৌরাংথক্তবু থাংগুম্রে ওন্না থোইনা,
মুনা খামত্রেক্কবা শিঙেলগী লৈকানা
পুক্কিং রাখলদা লৈক্রক চৎক্রে ।

ꯑꯍꯤꯡ ꯃꯤꯡꯁꯦꯜ ꯈꯥꯡꯂꯤꯕꯤ ꯁꯤꯉꯦꯜꯑꯣ -
ꯑꯉꯟꯕ ꯑꯌꯨꯛꯇ ꯆꯦꯞꯊꯗꯨꯅ ꯌꯦꯡꯂꯛꯂꯤꯕ,
ꯃꯅꯤꯁꯦ ꯎꯔꯨꯔꯒꯥ ꯀꯔꯤꯗꯤ ꯐꯥꯎꯕꯤꯕ
ꯑꯦ꯫ ꯑꯍꯣꯏꯅꯗꯨꯝ ꯃꯥꯂꯪ ꯏꯄꯣꯝꯂꯛꯇꯨꯗꯨꯝ ,
ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯊꯣꯃꯖꯤꯜꯂꯤꯕ ꯂꯩꯀꯥꯕꯛꯇꯨꯗ ꯂꯤꯛꯂꯥꯗꯨꯕꯨ
ꯂꯤꯛꯂꯥꯗꯨꯅ ꯂꯩꯍꯤꯒꯨꯝ ꯂꯤꯔꯤꯕꯔꯥ ꯂꯤꯛꯂꯤꯗꯨꯗ ?

ꯊꯧꯒꯥꯏ ꯌꯥꯝꯕ ꯅꯣꯡꯃꯗꯣꯜꯒꯤ ꯁꯥꯕꯈꯤꯑꯣ -
ꯃꯤꯠꯀꯨꯞ ꯑꯃꯇꯪ ꯈꯥꯅ ꯌꯦꯡꯂꯝꯃꯤ,
ꯍꯟꯅꯃꯛꯇ ꯌꯦꯡꯂꯃꯗꯅ ꯆꯠꯈꯤ ꯈꯣꯉꯆꯠꯇꯨꯗ
ꯎꯃꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯈꯥꯡꯍꯧꯏ ꯁꯥꯠꯀꯥꯏꯔꯨꯔ ꯁꯤꯉꯦꯜ,
ꯀꯦꯃꯗꯨꯅ ꯀꯪꯗꯨꯅ ꯀꯦꯅꯈꯤ - ꯂꯩꯔꯤꯛ
ꯃꯗꯣꯝ ꯊꯝꯃꯣꯌꯗ ꯈꯨꯠꯇꯨꯝꯅ ꯁꯨꯖꯤꯟꯖꯦ ꯫

অহিং মিংশেল খাংলিবী শিঙেলও -
অঙনবা অয়ুক্তা চেপথদুনা য়েংলক্লিবা,
মনিসে উরুরগা করিদি ফাওবিবা
এ: । অহোইনদুম মালং ইপোমলক্তুদুম ...
করিগী থোমজিল্লিবা লৈকাবক্তুদা লীক্লাদুবু
লীক্লাদুনা লৈহিগুম লিরিব্রা লীক্লিদুদা ?

থৌগাই য়াম্বা নোংমদোলগী শাবখিও -
মীৎকুপ অমতং খানা য়েংলম্মী,
হন্নমক্তা য়েংলমদনা চৎখি খোঙচত্তুদা
উমশিন্দুনা খাংহৌই শাৎকাইরুর শিঙেল,
কেমদুনা কংদুনা কেনখি - লৈরীক
মদোম থম্মোয়দা খুত্তুম্না শুজিনজে ।

ꯅꯨꯡꯁꯥꯅꯟꯗꯤ ꯅꯦꯝꯈꯔꯛ ꯋꯥꯌꯦꯅꯗꯤ ꯃꯨꯈꯂꯛ -
ꯌꯥꯍꯧ ꯊꯦꯡꯕꯥ ꯈꯥꯡꯖꯦꯡꯕꯥ ꯈꯣꯏꯃꯨ,
ꯍꯜꯂꯥꯟꯗꯨꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯛꯄꯗꯤ ꯂꯜꯂꯥꯟꯕꯥ ꯈꯣꯏꯔꯥꯕꯑꯣ
ꯐꯥꯗꯨꯅꯥ ꯄꯨꯟꯗꯨꯅꯥ ꯀꯛꯉꯥꯎꯅꯅꯥ ꯂꯝꯈꯥꯡꯅꯍꯜꯂꯤ,
ꯍꯨ ꯍꯗꯨꯅꯥ ꯁꯨꯃꯍꯠꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯅꯃꯗꯨꯅꯥ
ꯎꯅꯥꯔꯛꯇꯥ ꯄꯣꯝꯁꯥꯡꯅꯔꯤꯕꯤ ꯆꯤꯅꯤ ꯆꯃꯄ꯭ꯔꯥꯗꯨꯒꯤ ॥

ꯗꯣꯡ ꯋꯥꯏꯁꯤꯜꯂꯨꯏ ꯋꯥꯡꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯨꯕꯑꯣ -
ꯈꯦꯟꯗꯨꯅꯥ ꯈꯜꯂꯤꯕꯥ ꯂꯩꯍꯥꯎ ꯂꯩꯔꯦꯟꯗꯨꯗꯥ,
ꯄꯨꯃꯉꯥꯎ ꯉꯥꯎꯏꯍꯦ ꯂꯩꯁꯛꯇꯥ ꯂꯩꯆꯨꯗꯨꯗꯥ
ꯈꯡꯉꯤ ꯂꯤꯛꯂꯤꯁꯨꯡꯒꯤ ꯃꯈꯦꯟꯗꯨꯏ ꯃꯍꯥꯎꯗꯨꯗꯥ,
ꯆꯣꯡꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯂꯦꯞꯄꯤ ꯃꯥꯡꯁꯣꯛ ꯐꯩꯔꯥꯗꯥ
ꯎꯔꯀꯏ ꯎꯐꯨꯜꯂꯛꯀꯤ ꯆꯣꯏꯔ ꯂꯩꯔꯤꯛ ॥

ꯈꯝꯃꯣꯌꯒꯤ ꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯗꯥ ꯅꯣꯛꯂꯨꯅꯥ ꯈꯥꯡꯂꯤꯕꯑꯣ -
ꯂꯩꯅꯥ ꯌꯦꯡꯂꯛꯀꯏ ꯀꯩꯟꯗꯅꯣ ꯂꯩꯅꯃꯗꯨꯕꯨ,
ꯂꯩꯈꯥꯗꯥ ꯎꯔꯀꯏ ꯎꯅꯥꯔꯛꯇꯥ ꯂꯩꯔꯥꯡ
ꯂꯥꯛꯇꯨꯅꯥ ꯆꯤꯡꯈꯊꯤ ꯌꯣꯡꯆꯥꯕꯤꯒꯤꯗꯤ ꯌꯣꯡꯀꯨꯞ,
ꯂꯥꯎ ꯈꯣꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯍꯥꯎꯅꯥ ꯇꯦꯡꯊꯥꯍꯧꯔꯤꯁꯤꯡ
ꯇꯥꯏꯕꯪꯒꯤ ꯐꯟꯅꯥꯛꯇꯥ ꯃꯥꯌꯥꯒꯤ ꯀꯨꯝꯃꯦꯅꯤ ॥

꯳꯱।꯱꯲।꯰꯵

নুংশানন্দি নেমখরক ৱায়েনদি মুখলক -
য়াহৌ থেংবা খাংজেংবা খোইমু,
হল্লান্দুনা পাইরকপদি লল্লানবা খোইরাবও
ফাদুনা পুন্দুনা ককঙাওননা লম্খাংনহল্লি,
হু হদুনা শুমহৎলিবা লৈনমদুনা
উনারক্তা পোমশাংনরিবী চিনী চমপ্রাদুগী ।

দোং ৱাইশিল্লুই ৱাংনা পাইরুবও -
খেন্দুনা খল্লিবা লৈহাও লৈরেন্দুদা,
পুমঙাও ঙাওইহে লৈশক্তা লৈচুদুদা
খংঙি লীক্লিশুংগী মখেন্দুই মহাওদুদা,
চোংথোক্তুনা লেপ্পী মাংশোক ফৈরাদা
উরকই উফুল্লকী চোইর লৈরিক ।

খম্মোয়গী নিংঙাইদা নোক্লুনা খাঙলিবও -
লৈনা য়েংলকই কৈন্দনো লৈনমদুবু,
লৈখাদা উরকই উনারক্তা লৈরাং
লাক্তুনা চিংখথি য়োংচাবিগীদি য়োংকুপ,
লাউ খোংদুনা লৈহাওনা তেংথাহৌরিশিঙ
তাইবঙগী ফন্নাক্তা মায়াগী কুম্মেনি ।

৩১।১২।০৫

ꯈꯣꯉꯨꯜꯂꯛꯂꯦꯁꯨ ꯈꯣꯜꯂꯥꯎ

ꯒꯟꯅꯇꯟꯇ꯭ꯔꯒꯤ ꯂꯨꯇꯨꯡ ꯈꯣꯏꯕꯥꯛꯀꯤ ꯁꯃꯖꯤꯕꯦ ꯅꯥꯆꯣꯝꯗꯥ -
ꯂꯩꯅꯥ ꯂꯩꯅꯥ ꯁꯥꯈꯄ ꯇꯣꯏꯕꯤ ꯈꯣꯏꯕꯥꯕꯥ,
ꯍꯛꯀꯥꯝꯅꯗꯤ ꯋꯥ-ꯋꯥ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯕꯀꯏ ꯎꯇꯣꯡꯂꯩ
ꯀꯣꯏꯄꯥꯏ ꯄꯥꯏꯕꯀꯏ ꯗꯁꯕꯤꯟꯗꯦ ꯆꯦꯊꯤ-ꯆꯦꯒꯨꯝ ꯅꯣꯡꯂꯩꯂꯛꯇꯥ,
ꯎꯁꯥꯁꯨ ꯀꯦꯜꯂꯀꯏ - ꯎꯔꯥꯏ ꯁꯤꯕ ꯎꯆꯨꯡꯗꯒꯤ ॥

ꯉꯥ ꯃꯇꯨꯝ ꯑꯃꯒꯤꯅꯥ ꯁꯥꯏꯔꯣꯡ ꯃꯔꯨ -
ꯀꯤꯔ꯭ꯇꯟꯒꯤ ꯁꯗꯨꯝ ꯁꯌꯥꯡꯒꯤꯅꯥ ꯍ-ꯇꯩꯔ ꯇꯦꯟꯖꯩ,
ꯈꯜꯂꯨ ꯇꯤꯜꯂꯥꯡ ꯌꯣꯡꯊꯅꯥ ꯑꯆꯤꯛꯄꯗꯥ ꯅꯗꯣꯝ
ꯀꯥꯜꯂꯁꯨ ꯆꯩ ! ꯀꯥꯟꯗ꯭ꯔꯁꯨ ꯆꯩ । ꯆꯥꯔꯨꯕꯩ,
ꯆꯦꯟꯒꯦꯕꯨ ꯈꯜꯂꯕꯥ ꯀꯣꯏꯖꯣꯝꯗꯨꯅꯤ ꯊꯡꯂꯤꯕꯥ ꯅꯃꯥꯡꯗꯥ ॥

খোঙুল্লক্লেশু খোল্লাও

গন্নতন্ত্রগী লুতুং খোইবাক্কী শমজীবে নাচোমদা -
লৈনা লৈনা শাখপ তোইবি খোইবাবা,
হক্কাম্নদি ৱা-ৱা জগোই শাবকই উতোংলৈ
কোইপাই পাইবকই দশবীন্দে চেথি-চেগুম নোংলৈলক্তা,
উশাশু কেল্লকই - উরাই শিব উচুংদগী।

ঙা মতুম অমগীনা শাইরোং মরু -
কীর্তনগী শদুম শয়াংগীনা হ-তৈর তেনজৈ,
খল্লু তীল্লাং য়োংথনা অচিকপদা নদোম
কাল্লশু চৈ ! কান্দ্রশু চৈ। চারুবৈ,
চেনগেবু খল্লবা কোইজোম্নদুনি থংলিবা নমাংদা।

'ꯗꯨꯗꯤ - ꯍꯤꯡꯂꯪꯁꯨ ꯁꯤꯔꯕ꯫ ꯁꯤꯔꯕ ꯑꯍꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯤ -
ꯍꯤꯡꯅꯤꯡꯂꯤꯕ ꯊꯔꯥꯌꯅ ꯔꯥꯛꯁꯤꯇꯪ ꯄꯨꯅꯦꯃꯖꯔꯤ ꯁꯅꯥ'ꯍꯤꯡꯕꯑꯣ,
ꯈꯥꯃꯈꯣ꯫ ꯈꯨꯗꯣꯝꯕꯤꯗꯣ - ꯈꯠ-ꯈꯠ ꯈꯣꯡꯗꯣꯜꯁꯤꯗꯥ
ꯌꯦꯡꯎꯁꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯁꯨ ꯈꯣꯡꯅꯥꯎꯕꯤꯁꯤꯒꯤ ꯈꯨꯖꯤꯜ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯂꯤꯁꯤꯗꯥ,
ꯇꯞꯅ ꯃꯣꯟꯈꯥꯡꯅꯖꯒꯦ ꯇꯤꯡꯒ꯭ꯔꯧ ꯃꯊꯛꯀꯤ ꯂꯤꯛꯂꯥꯏꯁꯤꯗꯥ ॥

ꯍꯥ꯫ ꯀꯔꯤ ? ꯍꯥ-ꯍꯥ꯫ ꯍꯥ-ꯍꯥ ...
ꯅꯔꯦꯗꯨ꯫ ꯈꯅꯖꯧ - ꯀꯜꯂꯥꯛ ꯀꯨꯔꯨꯀꯥꯕ ꯂꯨꯆꯤꯡꯄꯨꯔꯦꯜꯗꯨꯒꯤꯔꯥ,
ꯅꯠꯔꯒꯅ ꯃꯌꯥ ꯇꯥꯔ ꯀꯩꯖꯥꯎ ꯀꯩꯔꯦꯜꯗꯨꯒꯤꯔ...
ꯅꯡꯅ ꯃꯥꯒꯤ ꯎꯁꯤꯟ ꯉꯥꯃꯨꯅꯤ ꯆꯩꯔꯥꯎꯕꯒꯤ,
ꯆꯩꯔꯥꯎ ꯆꯤꯡꯁꯤꯕꯨ ꯌꯦꯡꯎ ꯃꯥꯝꯔꯥ ꯂꯩꯁꯧꯄꯨꯡꯒꯥ ?

'দুদি - হীংলংশু শিরবা। শিরবা অহীংবশিংগীদি -
হীংনিংলিবা থরাযনা রাকৎশিতং পুনেমজরি সনা'হীংবও,
খামখো। খুদোম্বীদো - খৎ-খৎ খোঙদোলশিদা
য়েংউসে। অদুশু খোঙনাউবীসিগী খুজিল হেন্দোক্লিশিদা,
তপ্না মোনখাংনজগে তীংগ্রৌ মথক্কী লীক্লাইশিদা

হা। করি। হা-হা। হা-হা ...
নরেদু। খনজৌ - কল্লাক কুরুকাবা লুচীংপুরেলদুগীরা,
নত্রগনা ময়া তার কৈজাও কৈরেলদুগীর ...
নঙনা মাগী উশিন ঙামুনি চৈরাওবগী,
চৈরাও চীংশিবু য়েংউ মামরা লৈশৌপুংগা ?

ꯅꯦ ꯇꯥꯅꯥ ꯂꯩꯇꯥꯅꯥ ꯈꯅꯒꯗꯧꯁꯤꯕꯨ ꯀꯅꯥꯅꯣ -
ꯇꯥꯕꯤꯕꯥ ꯃꯃꯤꯗꯨꯕꯨ ꯆꯨꯝꯔꯥ ꯃꯨꯕ ꯃꯤꯠꯅꯍꯥꯗꯨꯗꯥ,
ꯁ꯭ꯕꯥꯌꯪ ꯃꯨꯇꯤꯗꯨꯕꯥ ꯃꯥꯌꯥꯒꯤꯁꯨ ꯁꯥꯌꯥꯒꯤꯁꯨ ꯑꯃꯝꯕꯁꯤꯗꯥ
ꯇꯥꯛꯂꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯅꯣꯡꯃꯩꯗꯨꯅꯥ ꯕꯤꯊꯤꯒꯤ ꯆꯛꯔꯅꯤ ꯎꯡꯂꯤꯕꯥ,
ꯗꯨꯗꯤ - ꯅꯪꯅꯥ ꯕꯤꯊꯤ ꯅꯣꯡꯗꯝꯕꯗꯨꯔꯥ ꯊꯔꯥꯏꯁꯤꯒꯤ ?

ꯄꯆꯨꯡ ꯇꯝꯂꯤꯉꯩꯗꯥ ꯈꯣꯡꯀꯥꯞ ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯤꯛꯗꯦ -
ꯁꯩꯍꯧ ꯁꯩꯕꯣꯢ ꯁꯩꯗꯤꯟꯅꯕꯕꯥ ꯁꯩꯁꯛꯁꯤꯇꯥ ꯁꯛꯊꯤꯒꯅꯤ,
ꯔꯥꯛꯆꯤꯡꯒꯤ ꯎꯜꯂꯦꯟ - ꯂꯥꯡꯕꯅꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯥ ꯑꯃꯠꯇꯅꯤ
ꯅꯥ ꯅꯠꯇꯦ ꯅꯥꯄꯦꯠꯇꯗꯤ - ꯅꯥꯔꯤꯟꯒꯤꯁꯨ, ꯅꯣꯡꯒꯧꯕꯤꯒꯤꯁꯨ,
ꯏꯈꯦꯡꯇꯅꯥ ꯁꯉ꯭ꯒꯤꯟ ꯁꯡꯕꯅꯥ ꯈꯣꯡꯆꯠꯁꯤꯗꯗꯤ ꯏꯊꯧꯅꯤ ॥

ꯂꯥꯎ ꯫ ꯂꯧꯔꯣꯂꯥꯎ ꯁꯗꯨꯃꯁꯦ - ꯐꯩꯒꯟꯗꯒꯤꯔꯥ - ꯈꯨꯕꯣꯝꯗꯒꯤꯕꯥ
ꯈꯧꯕꯥꯡꯕꯗꯨꯇꯕꯨ ꯀꯣꯛꯔꯕꯥ, ꯀꯣꯛꯄꯥ ꯁꯛꯔꯕꯅꯤ ꯑꯔꯥꯕꯁꯦ,
ꯆꯒ꯭ꯔꯤꯡ ꯆꯦꯛꯀꯣꯛ ꯆꯗꯣꯟ ꯆꯣꯢꯊꯣꯞꯄꯗꯤ ꯆꯨꯝꯔꯥ
ꯂꯥꯌꯅꯥꯗꯨꯒꯤ ꯃꯍꯤꯛꯔꯨꯕꯨ ꯃꯥꯡꯍꯟꯕꯗꯤ ꯃꯗꯨ ꯙꯝꯃꯅꯤ,
ꯗꯨꯕꯨ - ꯄꯨꯢꯅꯥ ꯅꯠꯇꯦ - ꯎꯆꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯌꯨꯝꯃꯩꯊꯥꯕꯥ ॥

নে তানা লৈতানা খনগদৌশিবু কনানো -
তাবিবা মমিদুবু চুম্রা মুব মীৎনহাদুদা,
শ্বায়ং মুটিদুবা মায়াগীশু ছায়াগীশু অমম্বশিদা
তাক্লিব্রা নোংমৈদুনা বীথিগী চক্রনি উংলিবা,
'দুদি - নঙনা বীথি নোংদম্বদুরা থরায়শিগী?

পচুং তম্লিঙৈদা খোঙকাপ মশিং থিকদে
শৈহৌ শৈবোই শৈদিন্নববা শৈশকশিতা শকথিগনি,
রাকচীংগী উল্লেন - লাংবনগী নুংশা অমত্তনি
না নত্তে নাপেত্তদি - নারিনগীশু, নোঙ্গৌবিগীশু,
ঈখেংতনা শঙ্গিন শংবনা খোঙচৎশিদদি ইথৌনি।

লাও। লৌরোলাও শদুমসে - ফৈগন্দগীরা - খুবোমদগীবা
খৌবাংবদুতবু কোক্রবা, কোকপা শক্রবনি অরাবসে,
চগ্রীং চেক্কোক চদোন চোইথোপদি চুম্রা
লায়নাদুগী মহীক্রুবু মাংহনবদি মদু ধম্মনি,
'দুবু - পুইনা নত্তে - উচিগীদমক যুম্মৈথাবা।

ꯏꯊꯧ ꯂꯥꯡꯗꯨꯅꯥ ꯀꯥꯍꯠꯂꯤꯕꯥ ꯂꯥꯟꯐꯃꯗꯥ ꯁꯥꯕꯥꯊꯤꯑꯣ -
ꯄꯨꯛꯂꯤꯡꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯇꯅꯥ ꯂꯥꯛꯊꯨꯕꯕꯥ ꯃꯩꯔꯤꯒꯤ ꯄꯥꯈꯣꯜ'ꯃꯗꯩ,
ꯂꯤꯕꯤꯗꯥ ꯇꯦꯝꯗꯣꯡꯂꯨꯗꯨꯅꯥ ꯄꯥꯏꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯇꯦꯟꯖꯤꯝꯅꯥ ꯅꯤꯡꯍꯟꯅꯊꯤꯕ꯭ꯔꯥ
ꯁꯕꯤ ꯉꯥꯛꯄꯅꯤ ꯃꯥꯂꯦꯃꯗꯥ ꯌꯨꯡꯗꯨꯅꯁꯨ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕꯗꯥ,
ꯅꯠꯔꯒꯕꯨ ꯀꯕꯤꯒꯤ ꯇꯣꯞꯂꯨꯒꯅꯤ ꯇꯦꯟꯖꯩꯗꯨꯗꯥ - ꯍꯨ ॥

ꯍꯔꯦ ꯀ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯅ । ꯍꯔꯦ ꯔꯥꯝꯃꯥ । ꯄ꯭ꯔꯚꯨꯑꯣ -
ꯅꯇꯨꯡ ꯏꯅꯊꯤꯕꯅꯤ ꯃꯍꯥꯠꯃꯥ ꯕꯤꯔ ꯀꯌꯥꯅꯥ,
ꯑꯩꯒꯤ ꯏꯆꯦꯜꯁꯦ ꯊꯤꯖꯅꯨ ꯄꯂꯦꯝꯒꯤꯗꯃꯛ ꯀꯠꯂꯃꯊꯤꯒꯦ
ꯗꯣꯡ । ꯗꯣꯡ । ꯗꯣꯡ । ꯍꯣ - ꯏꯃꯥ ।
ꯄꯦꯜꯂꯔꯥ ꯏꯕꯦꯅꯊꯧ । ꯍꯣꯏꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯁꯤꯗꯥ । ꯌꯣꯡꯂꯩꯕꯥꯛꯇꯥ
ꯅ-ꯁꯨ-ꯁꯤꯡ-ꯅꯥ ...

꯱꯰।꯰꯱।꯰꯵

ঈথৌ লাংদুনা কাহৎলিবা লানফমদা শাবাথিও
পুক্লিংগী অপাম্বত্না লাকথুববা মৈরিগী পাখোল'মদৈ,
লিবীদা তেম্দোংলুদুনা পাইরক্লিবা তেনজিম্না নীংহন্নথিব্রা
শবি ঙাকপনি মালেমদা য়ুংদুনশু করিগুম্বদা,
নত্রগবু কবিগী তোপ্লুগনি তেনজৈদুদা - হু।

হরে কৃষ্ণ! হরে রাম্মা! প্রভুও -
নতুং ইনথিবনি মহাত্মা বীর কযানা,
ঐগী ঈচেলসে থিজনু পলেমগীদমক কৎলমথিগে
দোং! দোং! দোং! হো - ইমা!
পেল্লরা ইবেনথৌ! হোইরিবশিংসিদা! য়োংলৈবাক্তা ন-শু-শিং-না.

১০।০১।০৬

ꯀꯨꯝ ꯇꯝꯕꯥ

ꯆꯍꯤ ꯑꯃꯩꯗꯤ ꯑꯃꯨꯛꯇꯪꯅꯤ ꯑꯍꯥꯟꯕꯗꯥ -
ꯏꯄꯥ ꯏꯄꯨ ꯁꯅꯥ ꯍꯥꯛꯇꯛꯇꯦ,
ꯂꯤꯁꯥꯡ ꯁꯤꯡꯅꯥ ꯄꯊꯥꯡ ꯄꯨꯊꯥꯡꯅꯅꯥ
ꯀꯥꯏꯗꯅꯥ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯀꯨꯝ ꯇꯝꯕꯗꯨ,
ꯆꯍꯤꯁꯤꯗꯗꯤ - ꯀꯩꯗꯧꯔꯦ - ꯂꯥꯛꯔꯦ । ꯂꯥꯛꯔꯦ..
ꯕꯥ ꯕꯥ ꯀꯔꯤ ꯊꯣꯛꯂꯒꯕꯥ,
ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯇꯤꯡꯅꯥ ꯃꯤꯄꯥꯏ ꯊꯕꯥꯏꯅꯔꯝꯕꯗꯨꯕꯨ
ꯀꯣꯛꯍꯅꯕꯤꯔꯒꯦ ꯃꯇꯥꯒꯨꯝ ꯀꯧꯕꯔꯨ ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯥ.
ꯑꯩ ꯃꯉꯥꯏꯔꯦ ꯂꯥꯎ ꯊꯣꯡꯗꯨꯅꯥ
ꯅꯣꯡ ꯃꯥꯗꯤ ꯏꯆꯨ ꯆꯨꯍꯟꯗꯅꯥ.
ꯁꯩꯒ꯭ꯔꯥꯒꯤ ꯇꯨꯉꯣꯂꯗꯦ ꯊꯥꯗꯔꯛꯄꯥ ꯂꯤꯅꯌꯥꯃꯒꯨꯝ
ꯍꯩꯊꯕꯛꯄꯥ ꯃꯆꯤ ꯂꯣꯡꯕꯥ ꯂꯦꯅꯌꯥꯃꯂꯛꯇꯥ,

কুম তম্বা

চহী অমৈদি অমুক্তংনি অহানবদা -
ইপা ইপু সনা হাক্তক্তে,
লিশাং শিংনা পথাং পুথাংননা
কাইদনা লাকপা কুম তম্বদু,
চহীশিদদি - কৈদৌরে - লাক্রে । লাক্রে
বা বা করি থোক্লগবা,
মীপুম তিংনা মিপাই থবাইনরম্বদুবু
কোকহনবিরগে মতাগুম কৌব্রু নিংথৌনা,
ঐ মঙাইরে লাউ থোংদুনা
নোং মাদি ইচু চুহন্দনা ,
শৈগ্রাগী তুঙোলদে থাদরকপা লীনয়ামগুম
হৈথবকপা মচী লোংবা লেনয়ামলক্তা,

ꯊꯦꯠꯆꯤꯜꯂꯛꯊꯤꯕ ꯕꯖ꯭ꯔ ꯁꯤꯡꯖꯪꯒꯤ ꯅꯥꯆꯣꯝꯅ
ꯁꯤꯡꯖ ꯌꯦꯅ ꯀꯣꯛꯀꯥꯏ ꯂꯨꯀꯥꯏꯅꯩ,
ꯃꯤꯠꯀꯨꯞꯄ ꯌꯥꯇꯥꯔꯛꯀꯏ ꯃꯂꯦꯝ ꯍꯟꯅꯕꯤ
ꯊꯕꯛ ꯌꯦꯅꯕꯨ ꯈꯥꯡꯅꯩ ꯊꯔꯥꯏꯁꯤꯡ,
ꯀꯨꯝꯒꯤ ꯅꯣꯡꯖꯨ ꯁꯣꯍꯣꯏ ꯏꯁꯩꯗꯕꯨ
ꯁꯃꯖꯦꯠ ꯍꯥꯟꯗꯣꯛꯀꯏ ꯂꯐꯨ ꯂꯇꯪ,
ꯁꯤꯡꯖꯨ ꯁꯨꯗꯣꯛꯀꯏ ꯀꯣꯕꯤ ꯀꯣꯅꯥꯏ
ꯀꯣꯛꯔꯦꯅꯕꯨ ꯀꯥꯏ ꯀ꯭ꯋꯥꯛ ꯀꯣꯀꯤꯂꯁꯨ,
ꯊꯥ ꯊꯔꯥꯅꯕꯨꯁꯨ ꯏꯃꯨꯡꯗ - ꯐꯣꯡ
ꯗꯣꯡ ꯈꯨꯠꯇꯨꯝꯅ ꯂꯥꯏꯕꯛꯀꯥ - ꯆꯩꯊꯥꯕ ॥

꯲꯳।꯰꯲।꯰꯶

থেৎচিল্লকথিবা বজ্রশিংজংগী নাচোম্না
শিংজা য়েনা কোক্কাই লুকাইনৈ,
মীৎকুপ্তা যাতারকই মালেম হন্নবী
থবাক য়েনবু খাঙনৈ থরায়শিং,
কুমগী নোংজু শোহোই ইশৈদবু
শমজেৎ হান্তোকই লফু লতং,
শিংজু শুদোকই কোবী কোনাই
কোক্রেনবু কাই ক্বাক কোকীলশু,
থা থরানবুশু ইমুংদা - ফোং
দোং খুৎতুম্না লাইবক্তা - চৈথাবা।

২৩।০২।০৬

ꯃꯥꯂꯪꯕꯗꯤ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ ꯇꯥꯗꯦ

ꯈ꯭ꯋꯥꯏ ꯁꯅꯥ ꯀꯩꯊꯦꯜꯒꯤ ꯂꯝꯔꯣꯡꯗꯥ -
ꯃꯉꯩ ꯅꯤꯛꯂ ꯏꯕꯦꯟꯄꯣꯛꯀꯤ ꯄꯣꯠꯐꯝꯅꯤ,
ꯑꯋꯥꯊꯕꯤ ꯑꯃꯃꯃꯇꯪ ꯁꯤꯡꯖꯨ ꯁꯨꯔꯨꯕꯩ
ꯈꯪꯍꯧ ꯍꯧꯔꯛꯄꯥ ꯃꯥꯂꯪ ꯁꯍꯃꯗꯥ,
ꯃꯅꯥ ꯀꯦꯟꯊꯤ ꯃꯔꯨ ꯐꯨꯛꯊꯤ
ꯏꯆꯥꯏ ꯆꯥꯏꯍꯧꯏ ꯂꯝꯖꯥꯎ ꯇꯨꯖꯥꯎ;
ꯅꯥꯀꯦꯟꯊꯥꯒꯤ ꯎꯐꯨꯜꯂꯛꯇꯕꯨ ꯀꯦ ꯀꯨ -
ꯍꯨꯏꯇꯦꯝ ꯁꯥꯔ ꯊꯥꯝꯕꯧ-ꯍꯦꯋꯥꯗꯤ ꯐꯣꯡ,
ꯊꯣꯏꯗꯤꯡ ꯈꯨꯕꯥꯝꯒꯤꯁꯨ ꯫ ꯀꯨꯟꯃꯥꯊꯣꯏꯒꯤꯁꯨ ꯁꯥꯊꯦꯛꯂꯛꯇꯥ
ꯇꯥꯝꯕꯥ ꯅꯥꯏꯔꯛꯀꯏ ꯅꯨꯡꯁꯨꯒꯤ ꯁꯨꯔꯁꯨ,
ꯆꯦꯝꯕꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯆꯣꯠ-ꯆꯣꯠ ꯂꯥꯎꯕꯩ ꯃꯅꯃꯗꯥ
ꯇꯤꯎ ꯫ ꯇꯤꯎ ꯫ ꯈꯉꯒꯤ ꯃꯤꯍꯨꯅꯥ,
ꯂꯩꯇꯣꯟ ꯆꯤꯛꯊꯠꯅꯥ ꯃꯤꯠꯄꯨ ꯀꯥꯏ
ꯉꯥꯅꯣꯏꯁꯨ ꯀꯥꯏ ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟꯁꯨ ꯀꯥꯏ;
'ꯗꯨꯕꯨ - ꯌꯦꯝꯂꯥꯡ ꯃꯣꯔꯣꯛ ꯃꯁꯤꯡꯉꯥ -
ꯈꯣꯏꯗꯧ ꯈꯤꯠꯅꯥ ꯇꯤꯡꯂꯤ ꯌꯥꯡꯂꯤꯔꯛꯀꯏ,

মালংবদি খোঞ্জেল তাদে

খ্বাই সনা কৈথেলগী লম্রোংদা -
মঙৈ নিক্ল ইবেনপোক্কী পোৎফম্নি,
অৱাথবী অমমমতং শিংজু শুরুবৈ
খংহৌ হৌরকপা মালং শহমদা,
মনা কেনথি মরু ফুকথি
ইচাই চাইহৌই লমজাও তুজাও ;
নাকেন্থাগী উফুল্লক্তবু কে কু -
হুইতেম শার থাম্বৌ-হেৱাদি ফোং,
থোইদিং খুবামগীশু ! কুনমাথোইগীশু শাথেক্লক্তা
তাম্বা নাইরকই নুংশুগী শুরশু,
চেম্বরক্লিবা চোৎ-চোৎ লাওবৈ মনমদা
তীও ! তীও ! খঙ্গী মীহুনা,
লৈতোন চিকথৎনা মীৎপু কাই
ঙানোইশু কাই ! লাইরেনশু কাই ;
'দুবু - য়েম্লাং মোরোক মশিঙ্গা -
খোইদৌ খিৎনা তীঙলী য়াংলিরকই,

ꯁꯔꯨ ꯍꯨꯝꯗꯥꯡꯁꯤꯡ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯔꯀꯏ
ꯄꯨꯛꯆꯦꯞ ꯃꯦꯠꯇꯨꯅꯥ ꯊꯦꯝꯃꯤ ꯍꯅꯨꯕꯤ,
ꯕꯩ ꯔꯩ - ꯈꯨꯠꯊꯦꯛ ꯇꯜꯂꯗꯨꯅꯥ
ꯃꯥꯂꯪꯕꯅꯥ ꯁꯃꯖꯤꯟ ꯈꯣꯛꯊꯤ ꯁꯝꯕꯨꯟꯒꯤ,
ꯆꯨꯝꯊꯥꯡꯒꯤ ꯃꯆꯨꯗꯥ ꯃꯟꯗꯥꯜ ꯅꯥꯏꯔꯕꯤ
ꯁꯤꯉꯦꯜ ꯂꯩꯕꯥꯡ ꯁꯤꯡꯖꯨꯒꯤ ꯅꯥꯆꯣꯝꯔꯦ,
ꯖꯒꯣꯏ ꯈꯨꯠꯊꯦꯛ ꯁꯥꯊꯦꯛ ꯀꯥꯏꯔꯀꯏ
ꯄꯨꯡꯒꯤ ꯄꯨꯡꯂꯣꯟꯁꯨ ꯂꯥꯟꯕꯨꯡ ꯌꯩꯕꯛꯂꯗꯥ,
ꯀꯗꯣꯝꯗꯅꯣ ꯊꯥꯡꯂꯤꯕꯥ ꯈꯣꯉꯊꯥꯡꯒꯤ ꯃꯈꯣꯜꯅꯥ
ꯇꯤꯡꯉꯛ ꯃꯥꯏꯉꯛꯂꯥ ꯏꯔꯣꯏ ꯀꯩꯔꯥꯛꯇꯥ,
ꯇꯥꯜꯂꯕꯥ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡꯅꯗꯤ ꯆꯤꯡꯅꯥ ꯌꯦꯡꯂꯗꯨꯅꯥ
ꯁꯜꯂꯥꯡ ꯏꯊꯛ ꯏꯄꯣꯝ ꯏꯍꯧꯔꯤꯕꯤꯑꯣ,
ꯀꯅꯥꯕꯨꯅꯣ ꯊꯝꯃꯣꯏ ꯂꯩꯀꯣꯟꯗꯥ ꯀꯧꯔꯤꯕꯥ
ꯀꯔꯤꯕꯨꯅꯣ ꯄꯨꯛꯂꯤꯡ ꯄꯥꯠꯇꯕꯨ ꯈꯣꯜꯂꯤꯕꯥ,
ꯇꯥꯔꯔꯣꯏꯌꯦ ! ꯐꯪꯂꯔꯔꯣꯏꯌꯦ ! ꯈꯣꯟꯖꯦꯜꯗꯨꯔꯒꯥ ꯇꯥꯜꯂꯤꯕꯥ
ꯃꯥꯂꯪꯕꯥ ꯃꯥꯗꯤ ꯃꯅꯥ ꯇꯥꯊꯤ ॥

꯱꯰।꯰꯳।꯰꯶

শরু হুমদাংশিং জগোই শারকই
পুকচেপ মেত্তুনা থেম্মী হনুবী,
বৈ রৈ - খুৎথেক তল্লদুনা
মালংবনা শমজীন খোকথি শম্বুনগী,
চুমথাংগী মচুদা মণ্ডাল নাইরবী
শিঙেল লৈবাং শিংজুগী নাচোম্রে,
জগোই খুৎথেক শাথেক কাইরকই
পুংগী পুংলোনশু লানবুং যৈবক্লদা,
কদোমদনো থাংলিবা খোঙথাংগী মখোলনা
তীংঙক মাইঙক্লা ঈরোই কৈরাক্তা,
তাল্লবা মীৎযেংনদি চিংনা যেংলদুনা
শল্লাং ঈথক ঈপোম ঈহৌরিবীও,
কনাবুনো থম্মোয় লৈকোন্দা কৌরিবা
করিবুনো পুক্লিং পাত্তবু খোল্লিবা,
তাররোইয়ে ! ফংলররোইয়ে ! খোঞ্জেলদুর্গা তাল্লিবা
মালংবা মাদি মনা তাথি ।

১০।০৩।০৬

ꯗ.ꯑꯦꯜ.ꯑꯣꯡꯕꯤ.ꯁꯨꯃꯣꯅꯤ

ꯗ. ꯁꯨꯃꯣꯅꯤ ꯁꯤꯡꯖꯥꯃꯩꯗ ꯂꯩꯕꯥ ꯃ ꯄꯨꯃꯗ ꯱꯹꯷꯲ ꯗ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯥ ꯑꯃꯅꯤ ꯫ ꯂꯩꯁꯥ ꯁꯨꯃꯣꯅꯤ ꯃꯦꯇꯦꯡꯗꯤ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯥꯗ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯃꯁꯦꯡꯖꯥꯛ ꯑꯦꯁꯨꯕꯤ ꯫ ꯁꯦꯟꯄꯥꯗ ꯗꯈꯣꯟ ꯁꯤꯡꯃꯤꯡ, ꯖꯦꯁꯤꯡꯃ ꯇꯦ꯫ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤ ꯇꯤꯐꯥꯔꯁꯦꯃ ꯄꯤ.ꯑꯦꯆ.ꯗꯤ. ꯖꯦꯗꯔ ꯑꯁꯔꯤꯡ ꯂꯤꯆꯥꯝꯗ ꯑꯦꯇꯩ ꯫ ꯗꯦꯔꯛ ꯁꯂꯨ ꯁꯦꯃꯍꯤ ꯖꯦꯔꯐ ꯖꯦꯔ ꯁꯗꯤꯂ ꯁꯂꯨꯝꯇ (NEIFES) ꯐꯨꯖꯁꯤꯡꯡ ꯇꯁꯦꯄ ꯂꯥꯡꯕꯨꯡꯄꯔꯤꯗꯤ ꯫ ꯗꯁꯤꯁꯤꯡ ꯇꯦꯖ ꯃꯥꯡꯗꯔ ꯑꯃꯦ ꯑꯁꯗ ꯂꯁꯤꯄꯨꯔꯤꯡ ꯄꯁꯗꯁꯃ ꯁꯤꯃꯔꯤ ꯫

ꯑꯁꯗꯤꯡ ꯖꯤꯗꯇꯗ ꯇꯁꯔꯤꯡꯂꯤꯡ :

1) The Fictions of Ruth Prawer Jhabvala (Critical Study, 2006)
꯲) ꯁꯤꯡꯇꯨꯃ ꯇꯦꯁꯇ (ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯲꯰꯰꯱)
꯳) ꯁꯁꯡꯅꯨꯡꯡ ꯁꯔꯑꯁꯅ (ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯲꯰꯰꯷)

— ꯄꯕ꯭ꯂꯤꯁꯔ